নিংঙৌল

(অহুমশুবা পন্দুপ)

ইজবা :

এম, রামচরণ সিংহ

ওরিয়েণ্টেল বুক ডিপো

পাউনা বাজার, ইম্ফাল, মণিপুর।

মমল লুপা ৩·৭৫

কোঙবা :
…পুরসিংহ, ইম্ফাল।

Centre of Pos…
Studies

অহানবা কোঙবা—১৯৭০ ইং—কোপী ১,০০০

No—

All rights reserved by the Publisher.

নম্বর :
ডি নারায়ন প্রিন্টিং বার্কস, ইম্ফাল।

বাহৈ খরদং

মনিপুরী সাহিত্য প্রেমীশিংনা উৎসাহ পীবিরকপদগী ঐগী "নিঙোল" হায়বা নাটক অসিগী অহুম শুবা পন্দুপ কাওবা চথবা ঙমজরি। নিঙোল অহানবা পন্দুপ B. A. গী elective Subject ওই ওয়নবা University of Gouhati না লৌশিনবীবা অসি কবিসু খঙজরবা রাখল লেপ্লবা ঐগী ইকমদা অনৌবা উৎসাহ পীনবীবনি। অরোইবদা ঐনা হায়জনীংবদি "নিঙোল" হায়বা ড্রামা অসি মতৌ কয়য়া অহানবা, অনিশুবা অমসুং অহুমশুবা পন্দুপ চথরক্লিবা হায়বদু সাহিত্য প্রেমীশিংনা অমুক্তং মিংয়েং চংবীরবদি লাইরিক অসিগী মরিশুবা পন্দুপ কাওবা ইজবগী মঙাল খরদং ফংজগনি হায়না আশা তৌজরি।

লাইরিক লেংবা

লিলাদা চংগদবা মীশক

নুপা

বসন্ত – পোলিশ ইন্সপেক্টর ওইরম্বদগী তোক্তুনা ঠিকাদার ওইদুনা লেল্লরবা, চহি ৬০ রোম শুরবা

রূপবান—লৈখিত্রবা হেমন্তগী মচা চহি ২৮ শুরবা B.A., L L.B.

সত্যবান—বসন্তগী মচা— চহি ২৫ শুরবা ; ওকর্দা

কুমার— পোলিশ ইন্সপেক্টর

বিধু— ব্রজমণি ডাক্তরগীদা লৈরম্বা; হৌজিকনা বসন্তগীদা লৈরবা

চন্দ্রহাস—লৌউবা নিপা অমা, চহি ৫০ শুরবা।

অসিনচিংবা—

নুপী

রজনী – লৈখিত্রবা হেমন্তগী নুপী, চহি ৫০ হেল্লবী,

সরোজিনী – বসন্তগী নুপী, চহি ৪৮ শুরবী;

আনন্দী— কুমারগী নুপী, চহি ৪০ শুরবী;

মোহিনী –, বসন্তগী মচল, চহি ৪৭ শুরবী;

শ্যামা – আনন্দীগী মচানুপী লৈশাবী।

———

নিঙোল

ওশুবা পন্দুপ

অহানবা শরুক

১বা উৎপা

রজনিগী কা

(হুমিং তারমদাইগী হৌনবা কা অত্থু ইমম মম্মী ; থাংমৈ থানদে ; টেবীল মচা অমগী মথকতা লেমটোন অমা লৈ ; হিদান মচা অমদা রজনি মশা ঙমদতুনা হিপতুনা লৈরম্মী ; মতম অসিদা রূপবান মথুৎতা লাইরিক থরা পায়তুনা চংঙকই ; লাইরিক অত্থু টেবীল মথক্তা থম্মী ।)

রজনি— কনানো— ? রূপরা ?

রূপবান— মানি ইমা । কৈদৌরে ইমা, হিপতুনা লৈরম্লিবনু ?

রজনি— ঙসাই হুংথিলদগী কোক অসি চিকথিকনা… ।

রূপবান— করি হায়বা ?

(চংশিল্লকুনা মমাগী ময়াইবকৃকা পায়দুনা য়েংঙি)

রজনি— হুমিং তাগদৌরবরা ?

রূপবান— উম্, মমশিল্লকএ ।

রজনি— মোন ময়াদা মৈথেং লৈবানি, থাংমৈ অদু থাংগৎলু। (মোন ময়াদগী মৈথেং লৌরগা লেমটোন থাংগৎ থাংগৎনা) ইমাগী হকচাং অদু শাবগী ইনিন থরা লৈরে।

রজনি— হোইনে ইমাসু হকচাং অসি খীরুম খীরুম তৌবগুম তু অসি হেক হেক চুংঙি।

রূপবান— ওসাইনা হকচাং অদু খীরুম খীরুম তৌই হায়রবদি তুম্মীননা অসুম লৈথো কর্মমরবসু খুড়া বিধুর কনানো অমা থাদনা নিঃথমচনবগী গুলি অদু তুকান অমদগী কোক লৈহল্লুরগা চাশিল্লম্বা য়াদবরা ?

রজনি— ওহাক্তং হিল্লগা ফগদোবোই নীংলুরে।

রূপবান— অদু ওইরবসু··· ।

রজনি— অদুগীসু মথক্তা ওসাই তুংথিলদগী ইমাসু ওমদদুনা ইমুংগী থবক ইংথাং অমত্তা য়াওদনা হিপত্তুনা লৈরেদো নংগী খুড়া বিধুসু ইমুং মচুংগী অমা অমা নোম্বা খোৎপদা মিংকুপ মুক্ত শংবা লৈতে ; ইমুংগী নোম্ব খোৎপদু তোকখো. হিদাক অমত্তং লৈবিরু হায়বদা ইমাবু কনানা তুংশিবীগনি অদুনা নং হল্লকপা ওইদুনা লৈরম্লিবনি— । কেদোরে, তুংতিন্নদগী ওসি নংমা অসুক য়াম্না খেঙকলিবদি— ?

রূপবান— শামা লাইদিক তম্বীবা লোইরপা চৎলগে হায়দুনা তৌরিঙৈদা খুড়াইবুঙো কুমার আফিসতগী কুমকটুনা

চা থককখো হায়ন্না ঙহাক অমুক পনথরকলে: অহুদগী বাজারদা হাইগংদগা খবর কাগজ অমুক লৌরবা— — অহনি ইমা— ও!

রজনি— কৈদোরে?

(রূপবান কুরিংখাও হুমহুনা শেল লৌখোরুগা)

রূপবান-- শে—ইমা, শেল অসি লৌশিল্লু।

রজনি— শেল! কদাইদগীনো?

রূপবান— ঐনা শ্যামা লাইরিক তম্বীরক্লিবসি ভসি থা অমা ফারে। খুভাইবুঙো কুমারনা লুপা ৪০ থক পীরকই—। শে, লুপা ৪০ নি লৌশিল্লু।

রজনি— নত্তে— নত্তে, লুপা অহু ঐঙোন্দা পীগনু।

রূপবান— করিগীনো ইমা?

রজনি— নংগী কাকা বসন্তদা পীগদবনি; নংনা থোকলকপা পূন্নমক করিমত্তা কায়থোকতনা হান্না নংগী কাকাদা শিন্নগদবনি। নংনা বি, এ পাশ তৌরক্লিবা অমদি শাংলবা মতম চহি কুনমুকসি ইমা-ইচানা লেল্লক-লিবসি নংগী কাকাগী মপাল ভাংলকপনিদো। ইমা ইচাগী ফিজেৎ চাকচাদগী পূন্নমক নংগী কাকানা হোৎনবীরক্লিবনিদো—। মীওইমা পোক্লগা মীগী তৌ-বীমল থংদবা চুমদে নংগী কাকাসিগী মপালদগী নপাকল চাউরকুনা নহৈ নশিং হৈরক্লগা থোকলকপা শেলথুম অহু নংগী কাকাদা শিন্নত্রবদি কাকাগী পুক্লীংদা করি খনখিগনি।

রূপবান— অতবু ইমানা শিন্নবদি করি কায়বগে ?

রজনি— কায়দে ; রাবু হায়বনি। ইমানা ঙসি নঙোন্দা হায়রিবা রাশিং অসি মতম পুম্বদা নপূকতা থমগদবনি।

রূপবান— মসিদগী লুপা অমত্তং লৌথোক্লগা ইমাগী গুলি লৈরুগে অরেম্বহ কাকাদা পীশিনথরো।

রজনি— নত্তে, পৈসা অমা কাওবা লৌথোকপা য়াদে,
(মতম অসিদা বিধু চংলকই)
নংনা ইমাগী গুলি লৈরুগে হায়রগা ইমাগী খুয়াগী মোনপাক মখাদা শেল অচোইবা মখাইমুক লৈরমগনি মহুনা লৈরুচো।

বিধু— নত্তে, ইবেম্মবু কৈদৌরবগে ?

রজনি— খুড়া, ঙসাই হুংখিলদগী কোক অসি চিকমনখিহনা হিপতুনা লৈরে—হকচাং অসিসু খীরুম খীরুম তৌরে। নঙনা হায়বদি হকচাং শাগৎপগী ইনিন ঙর লৈরে হায়—।

বিধু— অহগা ঙসাইনা খুড়াদা হায়বদি করি তৌই ইবেম্মা ?

রজনি— ঐনগা ঙমদহনা হিপ্তুনা লৈরে, খুড়ানগা ইমুং মন্থুংগী থবক নোম্বদা ঙহাক্তুসু লৈতাদরে অহদা ... ... ।

বিধু— করি রানো— থবক ইংখাং নোমলি, শংনদে হায়ধুনসু ঙমদববু হায়নদবা য়েংনদবা য়াবরা ? থবকনা লুবরা ? নত্তে, ইবেম্মনা ঙমদহনা হিপ্তুনা লৈরে হায়বা খংলবমক্তদা ননাও ইরেম্মা সরোজিনি মিংকুপমুক্তা য়োনা চংঙক্তুনা হংঙমদরা ?

রজনি— ঐ ঙমদে হায়বা খঙ্দবনরা করিনো চংঙক্রমদে খুড়া।
(মতম অসিদা সরোজিনী চঙ্লকই)

বিধু— করিগী খঙ্দগবনো ইমুং অমদা লৈমিন্নরিববু। খঙ্না খঙনা খঙ্শিন্নড্রিবনি— উনা-উনা উশিন্নড্রিবনি। ননাও ইবেম্মা সরোগী পূকচেলবু……। পিশক-পিকলিঙৈদগী ইনমদা চাউরক্লিবনি, পূকচেল অমদি ইচুম চুমদবনি।

সরোজিনী—করিনো খুড়া, নপুকনা ঐনা খলহল্লগা ঐগী ইন্না ঙাংলমলিবরা? হায়বিগে খুড়া, অহল খংদা মীন্না ঙাংনবা পামগন্থ চোপচনি।

বিধু— ইবেম্মা, খুড়ানা হায়বদি অসিনিদা নচেবেম্মা রজনি অসি ঙসাই মুংথিন্দগী ঙমদহ্না হিগুনা লৈরে হায়।

সরোজিনী—করি, অহুগীরা? ঐখোয়গী ইমুংগী খবক ইথাঙ্ নোম্বদা মায়-মিৎ ফাওবা পাঙ্বা ঙমজদরে। ইমুং-সিদা কনা ঙম্মী ঙমদে হায়বহ্ন য়েংনবা মতমকা লৈজদে; অহুগীরনে খুড়ানা চিরোল মখোঙ্ পান্দুনা মফমসিদা ঐবু হন্দুনা ঙাংলমলিববু?

রজনি— নত্তে নত্তে ইবেম্মা, খুড়াসিনা নংগী মন্নমদা খোই-দোকপা অকায়বা হায়দেদা।

সরোজিনী—করিনো ইচেবেম্মনা কনখৎপিরিবহ্নবু, মীচং শেম্বী-রিবরনে? অহলখংদা মীন্না ঙাংনবা মতোইনা পান্নবদি চোপ্পা ইকাইবা নংগদবতনি।

বিধু— খুড়ানা নংবু হুন্দুনা পংঙাং ঙাংবগী রা নত্তেদা, নচে-বেম্মনা ঙমদত্তনা লৈবসি নহাকনা হংবা থোৎপা তৌরমদবোইরে হায়ত্তনা মীওইবনা হায়রবা য়াবা রা অমা অনিদং হায়বতনি। মত্থ্সু নমাংমক্তুদা খঙ্‌শন্ন তাসত্থু হায়ত্থুনা হায়খিবসু নত্তে, নত্থুংনি হায়ত্থুনা ঙাংলূবনি। নিংথৌদসু মত্থুংদা মপা চৈরিদনা।

সরোজিনী—আঁ— মত্থরা? অত্থগা নিংথৌগী মনাকোং ফক্লাংদা থেংলি হায়বসিদি কাউবরা? ঙসিদি ঙসি ওইথরে মত্থুং অসিদা ঐগী ইরা ইপাউকা ঙাংঙম্বা থোক্লবদি নখজাই অত্তদা থুপাকনা থাগদবনি।

বিধু— (হায়ফেৎ মুঙাইতবা মীনোক নোক্লগা)
সরো, নহাক্না অত্থুগুম্বা থোকবু ঙসি ঐঙোন্দা থাখকো!

সরোজিনী—নচৎ অত্থুনা থাবনিনা— নচৎ চুমত্রবদি খুড়া, অসি-দগী হেন্না অচোপ্পা অথিবা কয়া তাবা ফংলকখিগনি; মত্থ খঙনা চৎলু।

বিধু— মীরোন খঙ্‌ঙকঙৈদগী নখোয়গী ইমুংদা লৈরকপদা লৈখিত্রবা পাবুংমক্না ঙসিগী নহাকী খোল অসিগুম্বদি অমুক্তুসু শীজিন্নখিদ্রি।

সরোজিনী—উম, চুম্মী। লৈখিত্রবা পাবুং অত্থুদি নত্তবনিনা লৈমিন্নবদা থরা রারগনি।

বিধু— রা অসি ত্থোক্লসি। ইবেম্মা রজনি, করি ঙসিনে খুড়া লৈজরুগে।

রজনি— হা— খুড়া লৈবীরুগেরা ?

সরোজিনী—করিগী গুলিনো ? চৎপা য়াদে ; ঐস্থ কৈথেলদা ইনশাং-নাপী, ঙা-চাক লৈবা চৎকদৌরি। শীং-য়েন, ঈশিং-মাইশিংকা য়েংঙ্চো।

রজনি— খুড়া, নগুবু লৈহল্লুরগে ইনাওনা হায়রিবা থবক ইথাং অত্থ য়েংশিনবীরুরো।

(বসন্ত চংলকই)

সরোজিনী—ইমুংগী অহোবা অরাং-অপা পূমমক অসি য়েংশিনবীবা উশিনবীবদি কনানস্থ য়াওদবনিনা ইমুংগী মী পূমমক্কা চারি-থক্লিবা পূমমক অসি স্বর্গদগী লেম্না তারকপগুম থনগ্রমাল্লে।

বসন্ত— করি তৌরবগে ?

সরোজিনী—করি ওইগদগে, ইমুংগী থবক ইথাং তৌবদা খুদোনবীনা থিন-থিন্দুনা তাকত্রিবমখৈ মশা-মশানা থঙ্না তৌনদবগী ঙাঙনরম্লিবনি।

রূপ— ইপু, তৌগদবা থবক তৌবীরুরো।

(বিধু মথন্নাই হুঙাইতনা থোকখিবা)

সরোজিনী—নোঙ্গা-শূবনদি য়ামদা চাবনদি য়াম— ইমুং অসি করম্নবু পানগদবনো থঙ্ত্রে।

(থোকখিবা)

বসন্ত— ইতৈমা ঙমত্রবরা হিগুনা লৈরম্লিববু ?

রজনি— অত্থক য়াম্না কম্না ঙমদবা নত্তে— ঙসাই হুংথিজদগী

কোক অসি চিকখিবনা কোক অসি শুকহাই হাইগৎপা য়াদে হকচাং অসিস্সু খীরুম-খীরুম তৌই।

বসন্ত— করিনো হায়রিবসিবু ... ...।
(চঙ্‌শিন্দুনা রজনিগী মশা পায়ত্তুনা য়েংলগা)
ইতৈমগী হকচাং অসিদি লাইহোৌগী ইনিন থরা-থরা লৈরে ; রূপবান—।

রূপবান— কাকা—।

বসন্ত— নং ঙহাক্তুং চেল্লুচো (ফুরিৎখাউদগী লুপা মঙা লৌ-থোক্লগা)
শে— অসি থুগায়হুনা ফারমাসিদা হংলগা হকচাং শাগৎপা ফননবা গুলি পীয়ু হায়য়ু।

রজনি— লুপা মঙাহু কায়থোকত্রস্সু ইতৈমগী অচোইবা থরা লৈ মসিনা অস্তুম লৈহল্লুগে য়াগনি।

বসন্ত— করিগীনোনে ইতৈমা। শে— রূপ, লুপা মঙাসে পুহনা চৎলু। (চঙ্‌শিন্দুনা রূপবান্দা পীবা) ঙসি তুংদাংসি গুলি থরা চাহুনা য়েংলগা ফত্ত-ফজগা হয়েং অয়ুক ডাক্তর কৌ-খোৎতুনা য়েংহনবা হায়বদ্নি।

রজনি— মরাইনা ফজখিগনিদা ইবুঙো।

বসন্ত— ঐস্সু অচুম্না থল্লি ইতৈমা। হকচাং অহু অহুক য়াম্না কয়া পংশা-শাবদি নত্তে।

রূপবান— কাকা—।

বসন্ত— করিনো ?

রূপবান— (ফুরিৎথাওদগী লুপা ৪০ লৌথোক্লগা)
লুপা অসি অমুক্তা লৌশিনবীয়ু, ঐন্না ফংঙকপনি।

বসন্ত— (হরাওনা) লুপা ! নংনা ফংঙকপা। ও !— (নোক্লুনা) নংনা কুমার বাবুগী মচাহুপী শ্যামাবু লাইরিক তম্বী হায়বত্থীরা ?

রূপবান— মানি কাকা,— ঙসিগী থানা থা অমা ফারে অহুনা খুড়াইবুঙো কুমারনা পীরকপা লুপা নিকুনি অসি— অমুক্তা লৌশিনবীয়ু।

বসন্ত— (নোক্লুনা) করিগী ঐঙোন্দা পীরিবা ? নংনা ফংজ-রকপা অহু নরন্নাই ওইনা থমজিনজ্রৌ। নংনা শেং-চানিংবা নফি-নরোল অমা লৈজ্রৌ।

রজনি— নত্তে ইবুঙো লুপাদো নহাক লৌশিল্লু ; শেংন-চানবা পূন্নমক নহাক্না নচাগীদমক্তা হোংনবিন্নি— মহাকনা করি অমুক মরন্নাই লৈহনা শেংকদগে ?

রূপবান— অচুম্বনি কাকা ইমানা হায়রিবসি।

রজনি— হৌজিক মহাক্না মরন্নাই করি তানফম থোকপগে ? মহাক্না ফংঙকপা পূন্নমক নঙোন্দা শিন্নগদবনি, মহাক্না ঙসি বি, এ পাশ তৌহুনা মী অমা ওইরক্লিবসি কনাগী মপান্দগীনো, নংগী নপালনা নংত্রা ?

বসন্ত— মহূন্না ইতৈমা ? মহূগীদমক্তা ইতৈমনা ইচা রূপবু ঐগী লমন শিংহনবা পামলিবরা ?

রজনি— নত্তে ইবুঙো মহূগী/ন্না নত্তে ; অমত্তা ওইবগী রাফন্নি

ইতৈমনা হায়বদি। নংগী তামো লৈরিঙৈদগী হৌর-ক্লনা ঙসি ফাওবা পুন্সিগী শাংলবা মতম চহি ২০মুক অসি নংগী নপাল তাংক্লনা নরুমদা থুপক্লবা ইমা-ইচানা লেল্লক্রে— অথ্বগা লেমহৌবা পুন্সি অসিস্থ নংগী নপাল তাংলোই হায়নিংঙাই লৈতে---। মসিদা তাল্লকপা ফংঙকপা পূম্ননক নঙোন্দা শিন্নদনা কনাদা শিন্নরু-গনি।

বসন্ত— ঐনা ইতৈমা অমস্থং রূপগীদমক্তা ঙসি ফাওবদা হোৎনজরক্লিবা অসিগীদমক্তদি করিমত্তা খনবীরুগস্থ। ইতৈমবু ঐনা য়েংজবা ঙমলিবা অমদি ইতৈমগী সেবা ফংজরিবসি ঐগী লাইবক ফবা নৎত্রা? ঈশ্বরগী থৌজাল ফংলবদি পুন্সিচুপ্পা ইতৈমগী সেবা তৌবা ফংজবা অসিনি ঐগী লাইনিংদি।

রজনি— নংনদি ইতৈমবু হুংশিক্লনা হায়রিবা অত্থদা --- ---।

বসন্ত— নহাক অসি ইতৈমা ওইরবস্থ ঐগীদি ইমা শক্রবীনি। মচা ওইবনা মপাঙ্গল চাউরক্লগা মমা মপা ওইবগী সেবা তৌবা অসিবু মচাগী তৌফম থোকপা মথৌ নৎত্রা?

রজনি— মত্থ ফনা ওইক্লনস্থ ইমা-ইচানা পুন্সিদা নংগী নফমদা তৌবীমল খঙদবা অমা ওইবদি পামদে।

বসন্ত— ইতৈমা, ইশাদগী হেন্না নক্লা খনজরবগা ইতৈমগী পুক্লিং অসিগা ওস্থোক্লা থাপ্নখ্রেদা। ঐনা রূপবানবু

চাউনববা য়োকচরকপা, মহাকপু বি, এ পাশ তৌহনবা অসিদি মতম অমদা মহাক্কী মপাল চাবা কংগনি হায়বগী আশাদা ঐনা হোৎনজরকপা নত্তে— মচা অমগীদমক্তা মপা-মতোল ওইবগী তৌফম থোকপা ইথৌ অত্থ পাংথোকপত্তনি।

রজনি— অত্থ ওইরবস্থ ইবুঙো, নহাক্কা তৌজবা ধর্ম অদো কৈদৌঙ্গংদস্থ লেমনা মাংলোই। ঈশ্বরনা শোইদনা মত্তগী মহৈ পীরক্কনি।

রূপবান— কাকা, অমা খঙদে অমা খঙদে, পুক্সিদা ইহান হাম্রা ঐনা থোকচরকপা শেল অসিদি কাকানা লৌশিনবীযু নংত্রবদি—।

বসন্ত— নংত্রবদি নংগী নথৱাই অত্থ য়াম্না হুঙাইরোই অসিরা— ?

রূপবান— তাকপিরিবত্থ অচুম্বনি।

বসন্ত— অত্থদি কদাই— কদাই—।

(রূপবাননা লুপাত্থ বসন্তদা পীবা ; বসন্তনা লুপাত্থ হরাওনা য়েংলগা— মত্থদগী লুপা তরাদং লৌরগা)

রূপ, নংনা হুঙাইরোই হায়রবনিনা কাকা লুপা তরাদং চা থক্লগে— অরেম্বা লুপা ৩০ অসি নং লৌশিনজরো—। শে,— শেনে রূপ !

রূপবান - কাকা লোইনা জৌশিনবীরো—।

বসন্ত— অঙাওবসিদি—।

(ফম্মম্বদগী হৌগত্তুনা) ইতৈমা লুপা ৩০ অসি থমজ্জিনবীয়ু ।

(রজনিগী মোন ময়াদা লুপাতু থম্বা)

রজনি— করিনোনে ইবুঙো ··· ··· ।

বসন্ত— থমজ্জিনবীয়ু— থমজ্জিনবীয়ু— । চৎলো, রূপ মুমিৎ তাশিল্লক্লে ইমাগী গুলি হায়বতু নৈরুরো

(রূপবান থোকখিবা)

ইতৈমা— ।

রজনি— করি হায়গে— ?

বসন্ত— ইসে— রূপবানগু ···· ··· ।

রজনি— কৈদোরবগে ?

বসন্ত— করিস্থ তৌদে,— রা অমা হংগে তৌবনি কাউথোক-হৌরে । য়েংঙোই ইতৈমা, সরোগী ফজদবা রাঙাং শাঙাং তারগা পুক্লিংদা রারোবা অমদি শাউবিবা তৌবীগনু— রাথল্ থেনবী— অঙাওবীনি থন্দুনা মাগী মরাল লৌবীগনু ।

রজনি— করি তৌরবগে সরোদি থোইদোকপা অকাইবা রা হায়দে ; ইমুং মচুংগী থবক ইথাং নোম্বদা রাতুনা থরা ইশৌ লাংঙি হায়রবতনি— মতুদি হৌনশানি ।

বসন্ত— ইতৈমনা ফনা হায়তুনম্ন ঐগীস্থ নাকোং পাল্লি । পুম্নমক তারিবনি, উরিবনি । ইতৈমদি পুকচেল ফাবা ওম্বনিনা কৈদো— রূপবাননা অঙাং ওইরিভৈদদি

ফরম্মীদো হৌজিক্তি মহাকস্যু পাখং ফারক্লবনিনা মশাগী অফ-ফত্তা রাখল খনবা ঙমলক্রেদো, ইকাইবা খঙলক্রেদো, মসিদা মন্দোনমচা সরোগী রাঙাং শাঙাং অসি তাবদা ইমুং অসি মচেৎ-মচেৎ তারক্কদরা হায়বসিগী রাখলনা ঐগী অরাবা অমা ওইরক্লে।

রজনি—হেঃ ইনাওসিদি খল্লুস্যু ; মন্দোনমচানা ঙাংব-শকপদা মানা করিগী শাওফম থোকপগে।

বসন্ত ঐস্যু হায়গে— অড়গা ইতৈমনস্যু অহল অমা ওইনা অমগা অমগা কাইনদনবা য়েংশিনবীগদবনি। (চৎকে তৌরুরগা) আ— রূপনা গুলি লৈরক্লগা হেক চাশিল-লোকো— হকচাং অহু সুংদ-সুংঙাইরকত্রগা ঐঙোন্দা হায়রকউ।

রজনি—হোই হোই। (বসন্ত থোকখিবা)

মহাক্লা ঐবু লুনা-চান্না তৌরিবা অসিগুম্না হেক পোক-মিন্নবা ইপুরামক্লস্যু তৌবিরম্গদরা ?

(সরোজিনী চংলকই)

সরোজিনী—হকচাং ঙমদে হায়ববু চাক চাগদৌরিবরা চারোই-দৌরিবরা ?

রজনি—ঐ চারম্রোই ইবেম্মা !

সরোজিনী—অহু পোপ তুহ্না ঙমদবা নৎত্রবদি ইনশাং নাপি ঙা-চাককা শেম্বা অসিবু খরা পাংশিন্নশিদনা।

রজনি—হোই হোই, ইচেম লাকে।

সরোজিনী—কৈথেলবু কাগদরা ইনশাংবু শেমংদরা চাখুমবু চংগদরা কোক অসি ঙাওরে; নোঙ্গীনিঙাই খোংপিনিঙাই লৈতবগী অত্তক হৌদংতুনা নোমলিবা হায়বত্থনি ঙমদবগীদি ঐখোইস্ব ঙমত্তপোংনিদা।

(ফেং লাউনা চংখিবা)

(রজনি ফমুংদগী ঙমদ ঙমদ হৌগংপা ; সরোজিনীনা চংখিবা মাইকৈরোমদা য়েংলগা সুঙাইতবা মীনোক নোকপা)।

—লাইট—

২শুবা উৎপা

বসন্তগী কা

(মপালগী মী পোং লাক্লগ ফম্বম কানি ; টেবীল চেয়ারনচিংবা অরু-অহেনগী পোংচৈ কয়া লৈরি ; বিধুনা ফি মচা অমা পারক্লনা টেবীল চেয়ারনচিংবা কনথোকলম্মী— বসন্ত মথরাই সুঙাইতনা চংলকই ; চেয়ারদা ফমলগা সুংশাস্বর মপি শাংনা হোন্দোক্লুনা রাখল তৌই ।)

বিধু—কৈদোরে ইবুঙো হকচাং ঙমত্রবরা ?

বসন্ত—করিস্ব তৌদে খুড়া ।

বিধু—অহৃদি— ।

বসন্ত—খুড়া থরাই অসি ইহুং হুঙাই/তেদা ।

বিধু—করি তৌরবগে ইবুঙো ?

বসন্ত—করি ওইনি খুড়া— ঐনা হেক পোকচবা ইচা সত্যবাননা মহৈস্নু হৈত্রে মতম পুম্বদা নত্ত-নত্তবা থবকতা তৌহুনা ঙাও-শিন্নবনা মাগী মথৌ ওইহুনা হায়বা ইন্দবা মপা-মমা কিদবা মচা হায়বত্থ ওইরে— অহুগা তামোনা পোক্লবা রূপবাননা ঙসি বি, এ পাশ তৌরে । মসিদা ঐনা হুঙাইগদবসি কদাইদনো ?

বিধু— হোয় ।

বসন্ত—মহাক অসিতা অফবা মী অমা ওইননবা ঐনা মাগীদমক্তা হোৎনবা কয়ানো অহুবু ওক্লবগী হিদাক লৈতে হায়হুনা হোৎনবা পুম্বা করিমত্তা কাম্বিবা ফংখিদ্রে— । রূপবান-গুম্না মহাক্তগা ফরমন্দবদি ঐগী হুঙাইবগী ওমথৈ লৈরম্মোইদবনি ।

বিধু— ঈশ্বরনা শাম্নবা লিলাদি তাইবং মীওইবা ঐখোয়গীদি য়েংগদবতনি । ঈশ্বরগী লিলাবু অতোপ্পা মওংদা শেম-দোকলুবগী ঐখোইগী পাঙ্গল লৈতে ।

বসন্ত—অহুবুদি চুম্মী খুড়া— অহুদা মহাকনা মহৈ হৈত্রবস্নু অওকপা থবক তৌহুনা মপুন্সি লেপ্পবদি পুক্নিং অসি থরা লৈতাবা য়াগদবনি । মহৈ হৈবতনা মী-ওইবা নত্তে মহৈ হৈত্রবস্নু মরম্বু ওক্লবদি মী অহুগীস্নু মী-ওইননবা

লম্বী য়াম্না লৈ। অতুস্থু মাগীদি কদাই— হুন্দোকপদদা থংভি ; চহি মরি মঙা অসিদা মহাক্না মাংহল্লক্লিবা শেল অসি কয়াম য়ামখ্রবনো ? খুড়:, ঐবু অসুম্না পাল্লম্বরা— মহাকথক্তগী ঐ লোইরবনে— মুংলবনে।

বিধু— ঐখোয়গী ইবুঙো সত্যবাননা মাংহনবগীদি করি অমুক হায়গনি ইবুঙোগী নরল নথুম মাংহনবদা নত্তনা ঐখোয়গী ইবেম্মা সরোগী পাবুং ডাক্তর বাবুনা সংসার থাদোক-লমদাইদা ডাক্তর বাবুগী সম্প্রতি পূম্নমক ঐখোয়গী ইবেম্মা সরোজিনীদা পীথোকলম্বনি অদুবু পূরমক অত্থু মচেং-মচেং কায়থোক্তুনা লোইশিল্লক্লেদনা— হৌজিক লৈরিবা হায়ববু য়ুম অমত্তং লৈরিবত্তগী য়ুনফম মচেং অত্থুতা ঙাইশিল্লক্লে।

(মতম অসিদা সরোজিনী চংলকই)

বসন্ত— মসি পূম্নমক অসি খুড়া মমানা থোকহনবা ঙাক্তনি। ইচানা হায়রিবমখৈ তৌনি হায়ত্থনা লৈখিত্রবা ইকুবুঙোগী সম্পতি অত্থু অয়াম্বা য়োনথোকতুনা কার হেক লৈদো। মচা মাংননবা হিদাকতি মমা মহাক্না হেক হেক থাবনে।

সরোজিনী—করিনো হায়নরমলিবসিবু ?

বসন্ত—এ! নংগী ফজবা চায়োক-নায়োকপগী মরমদা খুড়াগা ঐগা য়ারী শারমলিবা।

সরোজিনী—করিনো অর্থ লৈবা য়াতা ঙাংলদনা।

বসন্ত— অর্থ লৈ হায়বদি খঙবরা ?

সরোজিনী—হুপীমক ওইরবস্তু চাক চখোম অমা চারিবনিনা করিগী খঙদনি। ঐনা ইচা মাংহল্লে— অসি নত্রা হায়রিবত্বু ?

বসন্ত—মদু নশানবু খঙজরবদি ফৈ-ফৈ। ৱা মথা তাত্রবসু য়ারে—। চৎলো খুড়', রূপবান অচ ঐনা লাও হায়হুনা অমুক্ত হায়রম্মু।

বিধু— ফনি। (থোকখিবা)

সরোজিনী—ঐনা ইচা মাংহল্লি হায়বকাদি হায়বিগনু মপা ওইবা ইবুঙোনা ৱারক চেৎপিদবদগী ইচানা শোইরিবা নত্রা ?

বসন্ত—করি,— করিএ নংনা হৌজিক হায়বত্বু ? মপা ওইবা ঐনা ৱারক চেত্তবদগী থোকইবনি হায়বা !

সরোজিনী—নত্রনে সিবু ?

বসন্ত—(করেম্নহুনা) য়াম্না চুমথ্রেদা—। মপানা মচ'বু ৱারকপগী মায়োকতা নমা নংনা মতম পুম্বদা লেপখিবা নত্রা ?

সরোজিনী—করিনো, ঐবু অরানবতা শিগদবগী হোৎনবিরিবসিবু ?

বসন্ত—অয়ানবা শিবা নত্তে— নংনা লানখিবত্থু নিংশিংবীবনি। নিংশিংঙু কাউরবরা ? সত্যবাননা পিক্লিঙৈদা মহৈ তমদে থোক্তে হায়হুনা ঐনা ফু-চৈহুনা খজিক্তুং ৱারকলুবদা নচানা কপ্পা লাউবা থাংবা ভমখিত্রবনি হায়হুনা হোৎ-চিল্লক্তুনা ঐঙোন্দগী নচাবু মুল্লংনা নংনা নতস্বাক্তা হেক পম্লহুনা নওক হাইরু-হাইরহুনা নচাগী মকোক নাল্ল-

নাল্লহন্না ইচা হয়েং মরাইনা তৌজনি ঙসিদি তোকচরসন্থ হায়ত্থনা হেক হেক কনখৎখিবা অঙাং নরাংনবগী মতেং পীখিবা— অহুম অহুম্না উচিন-নাচিননা ক্লাস সেভেন পায়রক্লে— অহুদদি ইচানা হায়রবনি হায়হনা ইকুবুঙোনা থনম্বা সম্পত্তি থুগাইহনা কার লৈহনা ঙক্তনবগী মচাক নংনা হাপচিন্দুনা ঙসি নচানা মাংলিবা নত্রা ?

সরোজিনী—হরাকার লৈখিবহুদি ইচানা হায়বদগী লৈবা নত্তে শিগদবা থরাইনি হায়হনা ঐনা তোংনিংহনা লৈজবনি।

বসন্ত—ফরে নংনা চুম্নবদো ওনখৎচরো। অহুগা নংনা কার তোংনিংবদগী হয়েং মতম অমদা নচানা লম্বীগী চাকনিবা ওইহনা লৈবহু হয়েং নং-ঐনা শিরগা স্বর্গদগী মিৎ পেন্না য়েংশি।

সরোজিনী—অহুগুম্বা রাবু হায়বা হোনবরা ? করিগী ইচাবু লম্বীগী চাকনিবা ওইজরুগদগে ?

বসন্ত—ঐদি চুম্নগী ওইরক্কদবা রাফম অহু হায়বত্তনি, অহুগা রাফম অহু মূর্ত্তি ওইনা চোংথোরক্লবা নংনা শেম-শাগৎলি,— মহুদি হোনবরা ? (সরোজিনী থুমদে) করি তৌরে রা ঙাংত্রবদি ? হৌজিকসু মতম লৈরিনে, নং-ঐ চংহনা নচা অসি মী-ওইনবা শেমসিনে সরো। ঐনা হায়রগা নচা কনখৎপসি তোকলোনে নংবু।

সরোজিনী—মহে হৈবত্তনা মী ওইবরা ! ইচাসু লল্লোন-ইভিক তৌহন্দুনা কারবার চাউনা তৌহনগনি। হৌজিকী

মতমদদি কারবার তৌবা মীতনা শেল পাইবনে মুণ্ডাই য়াইফবনে— ।

বসন্ত—উম, নংগী নচা অসিদা শেল থুম শিন্নহনা কারবার তৌহল্লবদি য়াম্না তোংলনি— তোংবদি লাইরদনা শেল্লেপ ফাওবা লোইনা চৎখিগদবনি— অত্থদগী নং-ঐনা চেং থূয়া অমগীদমক্তা মীগী থোংজিন্দা লেপলুগদবা মুমিৎ অহ ফাওবা পীবিগে ।

(চৎকে তৌবা)

সরোজিনী—কদাইদনো চৎলিবহুবু ?

বসন্ত—কোক অসি খনবদা ঙাওরে— মপাল থোক্তনা ঙহাক হকচিক লাংলুরগা ঙাওরিবা কোক অসি ফবরা য়েংলুগে ।

সরোজিনী—রা অমত্তা তাবিখো ।

বসন্ত—করি রানো ?

সরোজিনী—রূপবান কৌথিবহুবু করিগীনো— মহাক্কী মহৈ-মশিন মথা তমথবগী রা ঙাংনগদৌরিবরা ?

বসন্ত—শেম্বদা থোকদবা মীদি শেম্বীবগী শেম্বীবা চপচানা শেম্বীবা তারেদনা— শেম্বদা থোক্লরোইদৌবা কামত্রবা মথিবোং নামা শিবা মচাগী দমক্তদি নয়া পয়সা অমা ফাওবা খরচ তৌবদা ঐঙোন্দা রানা থোকদৌরি ।

সরোজিনী—করিনো হায়রিবহুবু ওকতে শিংদে হায়হনবু ইপুক্তগী তাবা ইচাবু করিমত্তা য়েংবীররোইদরা ? হেক্ত কম-

থে'ক্লগদরা— ? মমা-মপা ওইবগী মচাগীদমক্তা য়েংবী-রম্বা হোৎনবীরম্বা য়াবমথৈ য়েংবীরমগনি হোৎনবীরম-খিনিদনা ।

বসন্ত—অহুবু ঐবু করিমক্তা হোৎনদ্রবরা— য়েংদ্রবরাও ? মাগী দমক্তা কুরোল হুরক্লেদনা ।

সরোজিনী—অহুবু হোৎনবীবা য়াবগী মতমদি ককতেদনা— ।

(মতম অসিদা রজনি চংলকই ; রজনি চংলকপত্থু বসন্তগা সরোগনা উদে)

রূপবানগী দমক্তনি করি অমুক থন্নিংঙাই লৈন্নিবগে ? মহাক হৌজিক বি,এ পাশ তৌরে মী অমদি ওইরেদমা ঈশিংদা থাদগ্রবস্থ লুপলরোই— মৈদা হুজিল্লবস্থ চাক্ল-রোইদনা— । রূপবানবু মহে মথা তনথহনবদা চংখিগদবা লুপা লিশিং অহুম মরিছুনা মথোং চাদ্রিবা মী অমা ওইদ্রিবা সত্যবানবু লল্লোন-ইতিকী লম্বীদা পুশিনবীদুনা জান তাহন্দুনা মহাকপু মী ওইনবা শেম্বীবনা ফং-লোইদরা ?

বসন্ত—কাম্নদে সরো, ফনা শেমদুনস্থ মী ওইররোইদবা নচাবি । অহুগী শরুকপুদি ময়াম্বা রূপবানবু মী ওইরিবসিদগী অমুকা মীথোই মীহেনবা অমা ওইননবা চপ-চানা শেম্বীরম্লগা সত্যবানদি মপুব্বি চুপ্পা ময়াম্বা রূপবানগী মরুমদা থুপ্পুনা লেন্নজবনা ফরগনি ।

সরোজিনী—মহু ইবুঙোগী য়াম্না লানথ্রবা রাখলনি । পোকমিন্নদবা

মচিন-মনাওবু কয়া কুইনা তিন্নবা য়াগনি। অদুগী সু মথক্তা ইচাবু মপুন্সি চুপ্পা চাকলেম চাবা মী ওইহন্দুনা মীগী খদাং মখা থাদুনা লৈহল্লগেরা ?

বসন্ত—মদু নং-ঐনা থোবহংব নত্তে মশানা থোরনবা থৌরাংজবনি।

সরোজিনী—খঙ্দে খঙ্দে ঐগীদি হায়জরিবসিনি— ওকে ওকউ ওকওই তোকসনু ইপুত্তগী তাবা ইচাগী দমক্তদি খনদনা মীগী মচাগী দমক্তা পুন্সিচুপ্পা হোৎনফম থোকতে। হয়েং মতম অমদা লমহাংদা শেল হৈদোকপা তাদুনা তোক্লনি।

বসন্ত—মদো নংতনা খনজবনি, ঐডোন্দদি লৈতে।

রজনি—ইবুঙো—।

বসন্ত—এ— ইতৈমা—।

রজনি—নচা রূপবানগী দমক্তা নং কোক অমুক শারুরগনু। ইনাও সরোনা হায়রিবসিদা করিমত্তা অকাইবা লৈতে; মচা অমগী দমক্তা মমা অমা ওইবগী খনফম থোকপা রাখলনি, হায়ফম থোকপা রানি। মথোং চাত্রিবা, মী অমা ওই-ত্রিবা ইচা সত্যবানগী দমক্তদি নং অমদি সরোদা নত্তনা ঐথোয় খ্বাই পুম্বনা খনফম থোকই। মহাকপু ওক্ল-শিংননবা ঐথোয় খ্বাই পুম্বনা য়ারিবমথৈ হোৎনগদবনি। নচা রূপবানদি ফরবসু ফংত্রবসু নংগী নপালদগী বি, এ পাশ তোজরেদো, মহাক্তি মী অমা হায়বদু ওইজরগনি।

বসন্ত—ইতৈমা, ইচা রূপবানদি মী অমা ওইবতনা পেনগদবা নত্তে— লাই ওইনবা শেমগদবনি।

রজনি—অদুগা ইনাও সরোনা হায়রিবসিসু নংনা খনফম থোকত্রা ? মচাগী দমক্তা ফননবা খনবদি মমা মপাগী পুক্নিংদা লোইবা নাইদে।

বসন্ত—য়াম্না চুমথ্রবা রানি। অদুবু মী খ্বাইগী মচাগুম্বা ওইরম্লবদি মচা পোকচবগী মহৈ ফংননবা হোৎনরমগদবনি ; অদুবু হোৎনদুনা শেন্বা থোক্রনি হায়বসি ঐনা উত্রে ইতৈমা। শেন্বদা থোকদবা রূপবানবু … ।

রজনি—নত্তে-নত্তে— ইবুঙো নহাক নচা রূপগী দমক্তা খঙ্ম্লু-রম্ু। মহাক্না ঐঙোন্দা হায়ববু মহাক্তি মোইরাংলোমদা স্কুল অমগী ওঝা ওইগে হায়বনা দরখাস্তসু থাদ্রে হায়।

বসন্ত—করি, রূপবু স্কুলগী ওঝা ওইগে হায়দুনা দরখাস্ত থাদ্রে হায়বা! ঐঙোন্দসু করিমত্তা হায়রমদনা।

সরোজিনী—ইবুঙোবু কনানি হায়দুনা হায়রমগদৌরিবনো— তাকলমগদৌরিবনো ? মপাঙ্গল চাউরক্লবদি মানা মানা পান্বদা থোকপা থোকপা তৌথিবা হায়বসে নশানা তাবা নৎত্রা ? উবিরেদনা, মহাকপু মহৈ-মশিন হৈহন্দুনা ইবুঙোনা মী ওইনবা শেম্মক্লগা ইবুঙোগী রাস্তু করিমত্তা তাদনা মহাক্না পাপ্পা লম্বীদা চৎথ্রিবসে— মসিদবু তুংগী আশা করি তৌফম থোকপগে ?

রজনি—নত্তে-নত্তে ইনাওগী রাখল অদুদি য়াম্না লানবগী অয়োবা থাকতা চৎখরে। ঈ-পাও অমা হেক ফংবদুদা মহাক্তি ইচ চম্না থাখিবা দরখাস্ত ওইরমাল্লে—।

বসন্ত—অহুবু মহাক্না শেল থোকপা থবক পান্নবহু ইম্ফাল খাইদা থবক ইথাং জুগোৎ চাবা অফবা অমা য়েংবিগনিদনা। মহাক্না মোইরাংদা ওঝা ওইরবদি য়ুম অসি থাদোক্কনা মহাক অ.দা লৈবা তারবনি— মহু মহাক্না পামলুরিব্ব করিগীনো ?

সরোজিনী—মপ.ঙল চাউরে, মহৈ-মশিন হৈরে— ওইজ-ওইথক ফংলক্লগনি— অহুনা য়ুমসিদা পুন্না লৈমীন্ননিংঙক্কহুনা ঐখোয় খ্বাই পুন্নমকপু কনথোক্লমগা চৎলগে, অসিনিদনা। ঐনা হায়জদরাও,— কান্নদে, কৈ মচা চাউননবা য়োক্লগা মপু চায় হায়বহু শোয়দনা তারক্কনি হায়হুনা।

বসন্ত—সরো— ।

সরোজিনী—মীগী অফবা মচাবু ইচা ওইনা থনবীরুগহু ঐখোয়গী ওক্তবা ইচাদো ঐখোয়গী লেংদবনি হায়জদরাও ?

বসন্ত—ভুম্মীন লৈয়ুনে সরো— । নত্তে, নংগী অসিগুম্বা ঐগী-মীগী নাইবা রাথল অসিবু পোকপদগী লোয়নরক্লবরা— ?

সরোজিনী—অচুম্বা রা হায়রুরবসু ঐবু ইকাইবা পীবীবনে, ঐবুতা অরানবা তাহনবনে— । ফরে, ঐগী মীগী নাইদবা ইবুঙোদি ইশাগী ওইজবা কান্নবা পুন্নমক থাদোক্কনা য়ুমগী মুপী-অঙাংগী রাথলকা করিমত্তা থনবীরুরহু। ঐবুতা ইশাগী ওইজবা তানবি, ঐগী মীগী নাইবী তাহনবীরো।

(মতম অসিদা রূপবান চংলকই)

রজনি—নত্তে, সরো, রা মথা তাররগহু। রাহৈ অমা অনি ঙাংব-

য়গা তেনশিনবা য়াবা করিস্নু লৈতবা য়াফম অসিবু আ—মরা তানা চথহনথিবা ফত্তে। (বসন্তদা) ইবুঙো, ইতৈমগীদি নংনা হায়রগা লোইরে— নচা য়াপনা ওঝা ওইবসি পামদ্রগদি তোকহনগে কৈদৌবগে ? সরকারগী থবক ইথাং অমা তৌববুদি ওঝা ওইবনা মহৈ তমথবদা মপাং চাগদরা খন্দুনঃ..... ।

সরোজিনী—হোই, ফজবা য়াহৈনা থবক পাংথোক্লবা হোৎনবা হায়বসি অশিংবা মীগী হৌনশানি : হৌজিক্তি ইচা নিপাস্নু মহৈ মতিক চানা হৈরবনিনা য়ুম অসিদগী তোপনা লৈননবা থৌরাংলবস্নু করিস্নু কাইদে। তোপনা লৈরগা সুঙাইগনি, নিংবা থুংগনি হায়রবস্নু মতুনা থোইদোক্লা অকায়বা য়া থোক্তে ; হৌজিক্তি ফিরেপ চানয়বনিনা ঐগী ঐগী থঙনা, নাখৈ শেংনা, য়াই শংনা লৈনবনবু কর·পোৎনি ।

য়াপবান—ইন্দোমচানা তাকপীরিবা য়াফম অসিদি ঐঙোন্দদি নৌনা থোক্তে— । ইন্দোমচাগী পুক্নিংদা ঐথোয়বু তোপনা লৈহননিংবা, তোথাইনা তাহননিংবগী য়াথল অতুদি ঐদি উজবা খঙজবা কুইরপোৎনি, অদুবু মপোক থীবা পুক্নি ওইবনা ঙসি ফাওবদা ইন্দোমচাগী নিংবা থুংহনবা ঙমদহনা কাকাগী মপাল তাংহনা লেল্লিবসিনি । অদুবু..... ।

রজনি—য়াপ— ।

য়াপবান—হৌজিক্তি কাকাগী পুক্নিং অমা খঙলগদি ইন্দোমচাগী

নিংবা থুংহন্নবা হোৎনবদা থোইদোক্লা অন্নাবদি ওইররোই হায়না নিংজরে।

সরোজিনী—হোয় হোয়, ইচাখোয়দি বি,এ নিনা রাহৈ-রাতাদি ফজখরে। অদুবু রাহৈ-রাতা ফজবনদি চৎনদে। নংগী কাকাগী পুক্নীং অমুক খঙ্‌ঙ্‌দ্রবসু ঙম্মনি থল্লবদি হুপা থৌদাং হেক পাংথোকউ।

বসন্ত—সরো— ।

সরোজিনী—মরোই খঙ্‌না বার্তন ভৌবগী মওংদা নংগী কাকাগী পুক্নীং হংলুবনদি থবক পাংবা করিমত্তা য়ারোই। চাক-লেম চাবা পুন্সি ওইদুনা মীনা পুন্সিচুপ্পা থাকপা পামজ্রবদি কাকাগী পুক্নীং অমুক হংলুজ্রবসু হুপা থোক্লা হেকমক চোংথোকখোনা— ।

বসন্ত—সরো-- ।

(মতম অসিদা সত্যবাননা "ইমা" "ইমা" কৌদুনা চংলকপা)

সত্যবান—ইমা–ইমা,— পাবুংদি ? (বসন্তবু হেক উবদা) ও !

বসন্ত—করিনো ?

সত্যবান—ইমা, লুপা ২০ দা পীয়ু।

সরোজিনী—কৈদোনবা লুপানো ?

সত্যবান—পীদ-পীয়ুবা, মরম লৈনে ?

বসন্ত— মরম চাই-চাদে খঙ্‌দনা শেলবু পংপী পীবা য়াবরা ?

সত্যবান—ময়াম চাক চানগদৌরি।

বসন্ত—চাক চানরগা জুরার ফমগদোরিবরা নত্রগা জুরার শাননবগী-
দমক্তা চাক চানগদোরিবরা ?

সরোজিনী—লৈতে পীরোই হায়ত্নবা হায়গে হায়রগা হায়বিয়ু—
অদুগুম্বা রা-বু ··· !

বসন্ত—হায়বা হৌনদে হায়বা ঐস্নু থঙ্‌ঙিনে— অদুবু মরমচৎনা
হায়হনবা নত্রা ?

সত্যবান—ইমা, নংগী লৈত্রবরা নঙোন্দগী পীয়ুবা ।

সরোজিনী—ঐদি কদায়দগী শেলনো ? লুপা অমত্তং পাইজবা
ফাওবা নংনা মন-মন্দুনা পুত্রগা । লুপাগী রাকা হায়রকনু ।
নহাক পোকচবদগী মাই অসি পাক্লেনে। লমজাও শোরোক্তা
মাই অসি উত্তুনা চৎপা মদবদি লায়রদনা ইমুং অসিদা
ফাওবা মাই অসিদ থম্ফম লৈত্রে, খুবগী মথক্তা থুহল্লে ।

সত্যবান—ঐনা করি তৌরবগে ?

বসন্ত—নংনদি অফবা থবক্তা তৌবনিনা নমা-নপা ওইবা ঐখোয়না
মায় পাকলিবনিদনা।

সত্যবান—(রূপবানদা) দাদা, দাদাগীদি লৈ লাকপরা ?

রূপবান—ইমা, নহানগী লুপাত্থু লৈরিনিনা ?

রজনি—লৈ, করিমত্তা কায়দ্রি ।

রূপবান—অত্থুদি সত্যবানদা লুপা ২০ দা পীখো ।

রজনি—লাও-লাও। রূপ, নংশু লাকও ।

(রজনি, সত্যবান, রূপবান হেক চৎকে তৌবদা)

বসন্ত—ইতৈমা, সত্যবানদা লুপা পীবিরুগনু। পীবা তারবসু ঐনা
পীগনি ।

সরোজিনী—অহু ওইরগা পীবিগ্রোদনা ।

বসন্ত—ঙাইখো-ঙাইখো, ঐ রা অমা ইকাও-কাওই রূপ, নংগী খূদাংদা ঘড়ী উদবদি কদাইদা চৎগ্রে ?

(রূপবান সত্যবান য়েংনবা)

ঙসি নিনি হুমনি শুরে নখোন্দা হংগে-হংগে মীংলগা কাও-থোকলিবসে ।

(সত্যবাননা রূপবানদা খুজিন্না শিকপা)

কদায়দা চৎগ্রবগে ?

রজনি—করিনো হায়রিবসিবু ! ঐসু নহানমখৈ খঙ্দেনা, ঘড়ীদি কদাইদা চৎগ্রে রূপ ?

রূপবান—মাংখরে ।

বসন্ত—কদাইদা করম তৌনা মাংখ্রিবা ? খুদাংদা শিবা ঘড়ীবু··· ।

(রূপ খুমদবা) করম তৌনা মাংখ্রিবনো ?

রূপবান—মরী তত্তুনা··· ।

বসন্ত—চুম্না হায়য়ু রূপ— নংগী পাউথুম অসি লৈয়েংমী মরুমদা অরোনবা অথুপ্পা অমা লৈবগুম উই ।

(মতম অসিদা বিধু চংলকই)

বিধু— ইবুঙো, মী অমা লাকই ।

বসন্ত—কনানো মশক খঙ্বরা ?

বিধু— মশক মমিংদি খঙ্জদে অদুবু য়েংবদা মতিক-মগুণ লৈ ।

বসন্ত—চংহল্লকউ । (বিধু থোকখিবা) রূপ, খুদাংদগী ঘড়ী মরী

তত্তুনা তাহৌই হায়বসি ওইবদি য়াই, অদুবু অতাবা কনাগুম্বনা নোক্লোইদরা ?

(মণিহার চংলকই)

মণিহার বাবু ওইরে।

মণিহার—বসন্তবাবু। (মণিহার উবদা সত্যবান পাখৎপা)

বসন্ত—চেয়ার শোমদা লেংশিনবীয়ু। (মণিহার ফম্বা)

করি খবক্কীনো ?

(সত্যবান চংকে তৌবদা)

ঙাইখো সত্যবান নংগী লুপা হায়বদু লোখো।

সরোজিনী—ঙাইখোদনা। (সত্যবান হৈনীংদনা লেপ্তুনা লৈবা)

মণিহার—য়া অসি হেক্তা হায়জরগে ; অসুম তৌবনি—নোংমা ঐগী ছুকান্দা হুপা অমনা সন্নার প্রাইমা ঘড়ী অমা বন্ধান থম্মম্মী অদুদগী নোংম:-নিনি লৈরগা হৈচানিপা সত্যবাননা রোমার ঘড়ী অমা পুরক্তুনা সন্নার অদু মহাক্কীনি রোমার অসি থমজরমগে হায়দুনা সন্নার অদু নচা ইবুঙোনা পুখরে। মমল মতিক চাবা-চাদবা রোমার অসি থমজিন-বীয়ু য়াম্না থুনা শেল পীরগনি হায়রম্লগা নচা ইবুঙোসু লাকখিদ্রে। অদুদা রোমার অসিগী মমলদগীদি ঐঙোন্দগী লৌখিবা শেল অদুনা খর হেনজিনখরে, অদুনা বসন্ত বাবুদা য়া অমত্তুংদি হংকম থোকমাল্লে হায়দুনা… ।

বসন্ত—হোয়, হুইনা ঙাওরগা হুইবু থিবা হায়বসি হৌনশানি, ভাকপিরিবদু য়াম্না চুম্মী সত্যবান, হায়রিবসি চুম্বরা ? (সত্যবান থুমদে) উম্,— মণিহার বাবু, রোমার ঘড়ী

অহ্ অমুক্ত পীবিয়ু— (মণিহারনা ফুরিংথাউদগী ঘড়ী লোথোক্লগা বসন্তদা পীবা)
ঘড়ী অসি নংগী নত্রা ?

রূপবান—মানি।

বসন্ত—হঃ হঃ হঃ ঐনা হায়বহ্নি খুদ্দাংদা শিবা খড়ীবু মরী তত্তুনা তাহৌই হায়বসি মীনা তাবদা নোকনিংগনি হায়না...।

সরো রূপ, নংদি করিগী সত্যবানদা ঘড়ী পীরুরিবা ?

রূপ—মহাক্না অমুক্তা শিরুগে হায়।

সরো—মহ ক্না হায়রুনস্ত ন'না পীবিরমত্রবদি কদাইদগী অসুম তৌরমগদগেদো ?

বসন্ত—নচাগী চক্ শরৈদবু কন'না পীদবা ঙমগদৌরিবনো ?

সরো—ওকত্রে ফত্রে খঙলবমক্তদা ঘড়ী পীহ্না করিগী ঙক্তবগী মচাক হুনবীরিবনো অসিনি, ঐনা হায়রিবনা।

বসন্ত—নচানা ফত্রগা মীঙোন্দা দোষ অমুক তৌরুরিবসিবু ! তুম্মীন লৈয়ু, মীনা তারগা নোক্কনি। নচা কনথৎনবা হোৎনবদা শল অশিবগী মনাক্তা লেপ্লগা প্রায়শ্চিত ফংঙি হায়বন্ত নঙোন্দা থোক্কদৌরিবনি। মণিহার বাবু।

মণিহার—বসন্ত বাবু।

বসন্ত—রোমার অসি থনম্লগা সন্নার পুথি হায়বা নত্রা ?

মণিহার—হোয়।

বসন্ত—সন্নার অহুদি সত্যবাননা শিরিবা অসি নত্রা ?

মণিহার—হোয়।

বসন্ত— রূপ, শে নংগী ঘড়ী অসি ।

(রূপদা ঘড়ী পীবা) মতুং মনাওদি ননাওনি হায়দুনসু মানা হায়বদা পী-লাক্কনুকো ।

(সত্যবানগী মনাক্তা চংশিল্লগা)

কদাই নংগী সরার ঘড়ী অদু !

(সত্যবান ত্তিঙক-ত্তিঙক য়েংদুনা লৈবা)

কদায়দনো ঘড়ী অদু লৌথোরকও, লৌথোবও !

(সত্যবাননা মখুত্তগী ঘড়ী লৌথোকপা)

কদাই— (সত্যবানদগী ঘড়ী লৌরগা) মণিহার বাবু, অসি লৌবীয়ু ।

মণিহার—বসন্ত বাবু ।

বসন্ত—লৌবীয়ু হায়রিবসিনি । শেল অদু ঐনা পীবা ঙম্মী অদুবু ঘড়ী অসি য়োনথোকপীখো, মরম লৈদুনা হায়জরিবনি । শে— লৌবীয়ু । (ঘড়ীঅ মণিহারদা পীবা) লেংঙো ।

মণিহার—অদুদি চৎচরে ।

বসন্ত—লেংঙো । (মণিহার থোকখিবা)

(বসন্তনা শাওনা সত্যবানদা য়েংলকপা, সত্যবান মমাই লুকথবা)

মাইদা কালি তৈহনবা মচা ! (থোকখিবা)

—লাইট—

———————

তশুবা থৌংপা

কুমারগী য়ুম

(ড্রোইং রুমনি ; ফজ-ফজবা টেবল চেয়ার থাম্লনা লৈরি, লাইব্রিক হাপ্পা উপু মচানচিংবা লৈ ; কুমার ইন্সপেক্টর চেয়ারদা ফম্লদুনা চা-থক্লুনা লৈরম্মী ; আনন্দিনা মোজা লোন্দুনা লৈরম্মী ; তুং ওইরপ্পা কালা (Cons.) না কুমারগী বেল্টনচিংবা নানথোক-থোৎত্তোক্লুনা লৈরম্মী— দ্ৰ‌ুতলাগী মথক্তা কানবা সিডিগী শরুক উরি ।)

কুমার—(চা থক্লা-থক্লা, নোক্লুনা) আনন্দি, নখোয় হুপীগী হৌনবা রাখল থেনবা অহু থাদোকউনে— নখোয় হুপী মশেল হুংশিনৈ চান্নৈ হায়দুনা নচাহুপীবু নুংগাই মরক্তা লংশেক্কে নিংগম্লুনে । হা— কালা ?

কালা—হোয়, Sir

আনন্দি—নপু ননাই মাম্নরগা হেক্ত য়ারগদরাও ? ঐনা হায়রিবা রাসিদা ইচাহুপীবু করিগী নুংগাই মরক্তা লংশেকপা তারগদগে ? সত্যবানগী করি ব্রাৎপগে অহল-লমন শুরি মরলনা চীংমুক ব্রাংনা পৈরি । নুংগাইকা হায়রিএ, মণিনে হায়ও ।

কুমার—চুম্মী চুম্মী, মণিনি । অহুবু করম্বা মণিনো হায়বদা মগুল লৈতবা মগাল থোক্তবা নুং-মচেং । খঙ্লবরা ?

আনন্দি—হায়রিবসিবু সত্যবান অসি মহৈ হৈতে অসিনিনে। মহৈ হৈবতনা মী ওইবরা, মমা-মপানা অমত্তা পোকচবা মচানিপানি ; মহৈ হৈত্রবসু মহাক্কী অহল-লমম্না থনম্বা লন-থুমনা লল্লোন-ইতিক তৌবনি খুঙদে, অমা ভৌবনি খঙদে মরাইনা হুঙাইজগনি ; মপানা পোকপা মচানি ; কৈনা তোকপা পোকপা হৌনদে ।

(মতম অসিদা শ্যামা মথক্কী কাদগী সিড়িদা কুমথরকপা, চপ-লেপ্তুনা ভাংনরিবহু তাবা)

কুমার—চুম্মীনে ; মাবু পোকপা অহল-লমন বসন্ত বাবুখোয়, সরোজিনীখোয়বুদি ফেনে। অদুবু মচা সত্যবানদি কয়া জুগোৎ চানা তাদেনে ।

আনন্দি—হায়রিবসিবু করি তাবগে ?

কুমার—হায়ঠুনা কান্নদে,— জুগোৎচানা তাদে হায়রিবসিনি ; মখোয়গী অহল-লমম্না চীংমুক রাংনা সম্পত্তি থনম্নবসু তানশিনবদি লৈতে হোন্দোকপদা থংগদৌরিবনিনা নোংমা চৎখিবা হুমিত্তা লোইনা চৎখিগদৌরিবনি। অদুনা সত্য-বানদা ইচা থাজবা হায়বসে য়াম্না মুম্না রাখল তৌহো-বনা কৈ ।

আনন্দি—মপুন্সিচুপ্পা চাকলেম চাদুনা লেল্লরুবা, মমা লুখ্রাবীনা য়োকপা পু-পাং শুদবা মচা রূপবানদা ইবুঙোনা ইচা থাজনীংঙি হায়বসু খঙজরে। মদুদি ঐদি য়াজনীংদে। মাগীনি হায়বা সম্পত্তি মচেৎ অমা কাওবা লৈত্রবা, মপা

মতোননি হায়ত্নস্থ মপুন্সি চুপ্পা মীগী শায়জিন শায়াদা তাংত্না লৈগদবা মীশক অহ্বুদি ঐখোয়দি ইয়াকা ওইজনিংদে ।

কুমার—মদো নংগী অরানবা রাখলনি। লনথুম সম্পত্তি হায়ব-ত্নদি তাল্লগা ফংবনি। মশা ফরগা লোইরেনে আনন্দি, ফর-ফত্রবস্থ বি,এ পাশ তৌরবনি।

আনন্দি—বি,এ— । হুম, হৌজিক্কী মতমদদি বি,এ তাওথোকএ : নালাদা তা-তাত্না বি,এ য়াম্না লৈরে।

কুমার—ইচাত্নগী পীরবদি নচাগী য়েংত্না রূপবানবু আ-য়োনবা শেম্বীবা য়াইদনা। অহ্নগীস্থ মথক্তা ঐখোয়গী হায়ববু শামানা লোইরে, ইচানিপা অমস্থ লৈজ্রদে, রূপবানবু ইচা-শক্লা ঐখোয়গী সিদা থম্বস্থ য়াইদনা। মহাকপু ঐখোয়না মীথোই-মীহেনবা অমা ওইননবা শেম্বীবা য়াই।

কালা—Sir গী রা অসিদি ঐস্থ য়াজনীংঙি ইতৈবেম্মা।

(আনন্দিনা কালাদা শাউনা য়েংবা)

আনন্দি—ইচাগী করি রাংত্না মীগী মচা করিগী শেমজক্লগদগে। শেল তিংত্না ইচাগী নিপা খিজরোই।

কুমার—অহ্নগীস্থ মথক্তা আনন্দি, হৌজিক্কী মতম অসি য়াম্না লুরবনি। মমা-মপানি হায়হ্না ঐখোয়না নীংবত্তা পাং-থোকপা য়াত্রবনি। ইচাগী মপুক্লিংস্থ য়েংদবা য়াদে।

আনন্দি—অদ্রাং মাগী করিগী নপুক্লিং অমুক য়েংকম থোকপগে? ঐখোয়না কৈ হায়বত্তদা মহাক্লা ইনগদবনি।

কুমার—শ্যামা হৌজিক অঙাং নত্রে মহাক হৌজিক চহি তরা-মঙা শুরবী মপুং ফারবী লৈশাবীনি ; মহাকীস্ন অফ-ফত্ত খন্নবগী পাঙ্গল লৈরবনি।

আনন্দি—ঐখোয়না লাঙলিবসি মাগী ফননবগীদমক্তনি ।

কুমার—চুম্মীনে ; মমা মপা ওইবনা মগাগীদমক্তা ফননবা খনবা হায়বসি অচুম্বনি। অদুবু হৌজিকী মতম অসিদদি মমা মপানা মগাগী অধিকারস্মু খর ৎক্ষম থোকই ।

আনন্দি—খঙ্জরে নচানুপীনস্ন রূপবানবু য়ানীংঙি, মপানস্ন থাজ-নীংঙি অদুনা মপা চানখরে। হায়রিবমখৈ চুম্মনিএ। ফনা হায়দুনস্ন ঐনা পোকচবা ইচানি, ঐনা পাম্বা নিপাদা থাজগনি।

কুমার—নং নতোমতনা পোকপরা ঐদি য়াওপ্রবরা ?

কালা—কন্যাদি অমত্তা, বর অনি শুগদোরি কমদোবা তারিবা ?

কুমার—অদুনি কালা, ইচা নিঙোল অমত্তং পোকচবসি য়ুম কাইনবা পোকপা তারিমাল্লে।

কালা—Sir, য়ুম কাইদনবা দ্রৌপদী স্বয়ংবরগুম্না স্বয়ম্বর মচা অমা লিংখৎপা তারেদনা।

আনন্দি—মদুস্ন য়াদে, ঐনা পীনীংবা নিপাদি ইচানা পামদবনিনা স্বয়ম্বর য়ারোই। ঐনা মমানি ঐনা পাম্বদা ইচা পীগনি।

কুমার—ঐদি মপা নত্রবরা ?

শ্যামা—তোকও তোকও, ঐ তজনীংদবনা লোইরে।

(থাক্তগী কুমথরকপা) হকচাং অসি অনিথোক্না শেগায়-বীরো, অদু ওইরবদি পাবুং অমস্নং ইমাগী নীংবা থুংলেদনা।

কালা—খন্নিঙাই লৈতবা অচুম্বা য়াদি মেম্মতনা হেক হায়দা।
আনন্দি—অঙাওবীগী য়াসিবু।
শ্যামা—সিবু করিগী অঙাওবীগী য়ানো ? পাবুংগা ইমাগা মত তিন্নদরে। ঐদি পাবুংগা ইমাগা অনিমক্কী য়াথংদি ইন্দবা য়াদবনিনা মসি নত্তনা ঐগী করি গতি লৈরিবগে ?
আনন্দি—মহুবু চংনবা য়াবা য়ানি হায়দুনা ঙাংলিবরাও ?
শ্যামা—ফরেনে চংনদ্রগা মনা-মনিন নাইদনবা ইমুং মহি লাংদনবা ঐতা য়ুম কৌবতা পানজররোই।
কালা—আ-আ-মহুনা পুংফ হেক ফরে।
আনন্দি—উম, মহুমা ঐ য়াই।
কুমার—নংদি য়ানি।

(মতম অসিদা রূপবান চংলকই)

রূপ, লাও ফম্মুলাও।
রূপবান—খুড়াইবুঙো।

(আনন্দি রূপবু উবদা মচুপ্‌ পৈথোকই ; শ্যামাদি হরাওই। রূপবান চংশিন্দুনা চেয়ারদা ফম্মী।)

কুমার—কালা, কদাই ? (কালানা বেল্টনচিংবা লানশিনবা ; কুমারনা বেল্ট ফাবা)

রূপবান—শ্যামা নথোয়গী স্কুলগীদি ক্লাস হৌত্রিবরা ?
শ্যামা—হৌত্রি ; ঙসি নিনি হুমনি লৈরগা হৌরগনি।
কুমার—হন্দক্তি ইচানা টিউশন তৌবিবদগী শ্যামা অসি সেকেণ্ড পোজিশন্দা লেপলে ; খুড়া য়াম্না নুঙাইরে।

রূপবান—কদাইদগীনো খুড়াইবুঙো, শ্যামানা হোৎনজবা লাইরিক পাবা কনবদগী পোজিসন করকপনি, ঐনা করিবু খঙ্ঙ-গবনো ?

শ্যামা—মসিদনে ঈশিং পুন অথনবনা মখোল হোদে হায়বদো হেক্ত মশানা তাকপনে।

রূপবান—ঐবুরা হায়রিবদো ?

শ্যামা—নত্তবদি।

কুমার—শ্যামা।

শ্যামা—পাবুং।

কুমার—নংবু নীংথিনা তম্বী-খোৎশীহনা পোজিসন কহল্লকপগী নংগী তামো রূপগী Special presentation, I mean করি খুদোলপোৎ পীরে।

শ্যামা—চুম্মী পাবুং, হীরম অহুদা ঐদি ত্তোবীমল খঙদবা অমা তাঞ্জেদনা।

কুমার—নথল্লাইনা তাবা পীনীংবা অমা পীয়ুদনা।

আনন্দি—লাইরিক তম্বীবগী থাগী পীকম খোকপা পীরি, অহুবু অহুম তৌনবরনে ?

কুমার—নং তুম্মীন লৈয়ু।

আনন্দি—খঙদবগী হংজবনিদা।

কুমার—খঙ্ক্রবদি, তুম্মীন্না লৈবা কৈ। শ্যামা, নংনা পীনীংবা অমা পীখো।

রূপবান—খুড়াইবুঙো…… ।

কুমার—লৌগদবনি— । কালা ।

কালা—Sir ।

কুমার—চৎলশি । রূপ, ফমহৌখো ।

রূপবান—ফনি ।

কুমার—শ্যামা ইবেম্মা, নংগী তামোগী চা-কা তৌরুনে । কালা !
(চৎখিবা)

কালা—Sir (ইন্নতুনা থোকখিবা)

রূপবান—শ্যামা, ক্লাস হৌত্রবস্থ তমগদবা লাইরিক খঙলবনিনা Subject থুদিংমক্কী পারা থর থর Advance ওইহৌবনা কৈ ।

শ্যামা—হায়রিবদো চুম্মি তাম্মো, অদুবু নোংমা নিনি অসি হুঙাইথোকখিগেদা । কমনসেন্স লৈননবা অতৈ অতোপ্পা রারী রাতাই শাতুনা লেনশিদা ।

আনন্দি—লাইরিরুম তম্মু রাচোই ঙাংতুনা মতম মাঙহনগদু নশা মাঙজনি ।

শ্যামা—ইমানা খঙবা নত্তে তুম্মীন লৈয়ু ।

আনন্দি—কল্পিগী খঙদনি, ঐখোয়সু লৈশারক্রিবনি— । হায়রিবসিনি, নহৈত্নম তম্মু রাচোই ঙাংনগদু ।
(চংখিবা)

শ্যামা—ইমা ! ক্যাটন্দিদা ঈশিং খজিক্তা থাঙৎপীরম্মু ।

রূপবান—শ্যামা, নখোয়গী ইমাগী রাঙাং-শাঙাং অসি অর্থ লৈনা ঙাংথরে । মী ইকায়নি-ইকায়রোই হায়বসি করিমত্তা খঙদমাল্লে ।

শ্যামা—ইমাগী রাদ করিমত্তা হুণ্ডাইতবা তৌরুগনু। ঐখোয়গী ইমাগী মেনরদি অসি ঙাক্তুনি। মানা হায়নীংবা রাদো চেনা পন্দনা হেক্ত হায়বা ঙাংনি।

রূপবান—অদুবু ঐনা হায়বদি----- ।

শ্যামা—কৈদৌবা ?

রূপবান—ঐখোয় অনিগী মরক্তা লৈনরিবা ঈচেল অসি নখোয়গী ইম না---- ।

শ্যামা—ইমাদ নত্তে, পাবুংমু খঙলবনে।

রূপবান—হা! পাবুংমু... ?

শ্যামা—করি তৌই হায়বগে ?

রূপবান—ইস্। (লরাইদা মখুৎ হাপ্পা)

শ্যামা—ঐখোয়নদি লোল্লবনি-থুপ্লবনি নীংঙরিবা অদুবু লৈপাক পুংজাও থিল্লে।

রূপবান—হা।

শ্যামা—অচুম্বনে।

রূপবান—লৈপাকনা খঙ্বমু নাচুংদে, নখোয়গী পাবুংনা খঙ্ঙি হায়বসিদি···।

শ্যামা—ইস্, অদুরা ? পাবুং খঙবদা বক্ত তাবগুম হারবদনদি, অদুক কিবগনদি ঐদি থাজরকত্রেবো!

রূপবান—থাজরক্তবা হায়বদি

শ্যামা—অদুক কিগনবহনদি নহাক ঙসিবু ঐগী ওইজবা ফংগনি হায়বসি ..।

শ্যর্মা—মহুরা? কিবগী রা নত্তেনে ইকায়বগী রানি ; শ্যামা নহাক অসি ঐগী ইকমদা থরাইদগী হেন্না লুল্লিবনি।

(মতম অসিদা আনন্দি থোরকই)

শ্যামা—ইকায়বগী রা ওইরবদি, ইকায়রুরহু,— পাবুংনা নংবু য়াইএ।

আনন্দি—ইচাদি থরাই য়াওনা জ্ঞান পুন্নমক হেক শুনা ভম্মীদা।

(রূপবান, শ্যামা ইকায়বা)

চংলো— ঈশিং শারমলগনি চা হায়বত্ত লোল্লুরো।

শ্যামা—ঐ চা শেম্মুখিগে, ফম্মম্মু।

(চংখিবা)

আনন্দি—ইবুঙো রূপবান।

রূপবান—ইন্দোলবেম্মা।

আনন্দি—ঐখোয়গী শ্যামাসিবু কমদোবগে?

রূপবান—(ভাব তাদব', ওকপা) করি…।

আনন্দি—ইন্দোলনা হায়বদি অসিনি— শ্যামা অসি আ-য়োনা মহৈ তমহনগে নীংলি, মবুদ্ধিবু কমদোবগে হায়বনি?

রূপবান—মবুদ্ধি য়াম্না ফৈ।

আনন্দি—থওদেনে, ঐখোয়নদি মতোমতা পোকচবনিনা নিপা মুপী শক্লা থমজবনিনা বি, এ—এম, এ ফাওবা ভজরুগা মপুন্সি চুপ্পা ঐখোয়গী নাক্তা থমহনা মাগী মপাল চাশিরা থল্লিবনি। অহবু মরক্তা য়ৈথাইবা খিনগাইবা লাকদরা হায়হনা ইন্দোলদি মুংশা থীবনা লোইরে।

রূপবান—(মুংদি মুঙাইরগা নোকশিন্নহনা)

হে, ইন্দোলবেম্মাখোয়গী আশা করিগী পুংদগবনো ?

আনন্দি—খঙদেনে, মহাক্কদি ঈ-খেগৎলকপা নহানিনা ওম্বে রূ রাঞ্জে অহনা মানা কাতুক-কারলকা তৌবা উবা থোক্লবদি খর চৈ-থাংবিয়ু। হেক পোকমিন্নবা নচলগুম্না থন্দুনা মাবু য়ারকনীয়ু।

(মতম অসিদা মপালদা ক্যারগী হোয়ন অবা, রূপবানগা আনন্দিগনা মপাল্লোমদা য়েংবা)

রূপবান—ঐখোয়গী সত্যবাননিন্না…।

আনন্দি—ঐনা কৌখিবনি ; হয়া কারসু পুরকউ হায়খিবনি।

(সত্যবান য়াম্না কেনা চংলকই ; আনন্দিনা তরাম তরাম ওকই)

সত্যবান, ইবুঙো চংঙকউ লাও।

সত্যবান—ইন্দোলবেম্মা ।

আনন্দি—ফম্মু। (সত্যবান চেয়ারদা ফম্মী)

সত্যবান—(খুদাংগী ঘড়ী য়েংলগা)

ইন্দোলবেম্মা, পুং ৩॥ তাখরে।

আনন্দি—হোয় হোয়, ইবুঙো ।

রূপবান—কদাইদা চৎকদৌরিবনো সত্যবান ।

সত্যবান—দাদা, শ্যামাগী চহি পরীক্ষা লোইবগী ইন্দোলবেম্মনা সিনেমা য়েংহনগনি কায় পুহনা লাকউ হায়হনা লাক্লিবনি।

রূপবান—ও ! সিনেমা য়েংবা চৎকদৌরিবা !

আনন্দি—শ্যামা।

শ্যামা—(মঙুংদগী) ইমা!

আনন্দি—নংগী তামোগী চাদো কপ অনি শুরকউ।

শ্যামা—(মঙুংদগী) ইমাসু থকখিগে হায়রা।

আনন্দি—অছুদি ইবুঙো, ইন্দোন ফি অমত্তা হোংদোকলুখিগে।

সত্যবান—তপ্পা হোৎনবীবু। কারনা চৎপবু মিনিট ৩ দা য়োগনি।

আনন্দি—হোয়নে হোয়নে। (চংখিবা)

রূপবান—(ঘড়ী য়েংলগা) ইহে, ঐদি পুং ৩ দা মিটিং অমা লৈনা।

সত্যবান—পুং ৩॥ তাথরে।

রূপবান—অছুনি। (হোগৎলগা) সত্যবান, নং কমহোৎো ঐ চৎলম্লগে; ঐবু হংলগা মিটিং অমা লৈহনা চৎখ্রে হায়রু।

(চৎকে তোবা)

সত্যবান—দাদা, চা থকখিসিদনা।

রূপবান—হুম, ঐ থক্লরোই য়াম্না লুবা মিটিংনি; ঐ চৎলে।

(থোকখিবা)

(সত্যবান কম্মন্বদগী হোগত্তুনা হুই থোংছনা কোইৎ চত্তুনা লৈ, অছুদগী মেগাজিন লৌছনা চিদাই ৰন্দা লেপ্তুনা য়েংছনা লৈ।)

আনন্দি—(মঙুংদগী) শ্যামা, নং তামোথোয়গী চানবা য়রবু লোই-ত্রিবয়নে?

শ্যামা—(মঙুংদগী) লোইরে লোইরে ইমা।

(সত্যবান রাহুদা হয়াওবা ; শ্যামানা মখুৎ নাম-নামদা চা কপ অমমম পায়তুনা থোরকপা ; মায় লুকথনা থোরকপনা সত্যবানবু রূপবাননি নীংহনা)

চা অসি তহা-তহা লোনবনা কয়া মথোং চারম্মরোই হাউত্রবনু হাউই হায়য়ুকো।

(চা টেবৌলদা থমলগা) ইমাদি?

সত্যবান—ইমুংদা চংথ্রি।

(শ্যামানা থংয়েং হেক য়েংঙ্ববদা সত্যবান ওইরম্বদা মায়থোং লাংশিনবা ; তঙ্গা অসিমক্তদা আনন্দি থোরকই, সত্যবান চা থকই ।)

শ্যামা—তামো ওইরে— ঐদি---- ।

সত্যবান—দাদা রূপদি মিটিং অমা লৈ হায়হনা চৎখ্রে ।

আনন্দি—শ্যামা, চৎলু নফি অফবা হোংদোকলুরো, নংগী তামোনা কার পুরক্লি সিনেমা য়েংঙ্শি।

শ্যামা—ঐবু কনানা চৎকনি হায়বগে,— ঐ কোক য়াম্মা চিকথরে, চৎনীংদে। (চংখিবা)

আনন্দি—হি-ইস্, মরৌ তৌরেদা অঙাংসিদি।

সত্যবান—(চা কপ থমলগা) ইন্দোলবেম্মা, শ্যামাগীসি থোইবী লাইনা মাল্লিদা।

আনন্দি—চ... বা মা তোকসনু— ইন্দোন চৎকনি। হাই, শ্যামা নংগী ...াবুংনা হংঙরবদি ইমাদি তামো সত্যবানগা সিনেমা য়েংবা চংখি হায়য়ু। চৎসি ইবুঙো।

সত্যবান—(তন্না) লেংঙসি । (আনন্দি থোকখিবা, সত্যবান ইমুংলোমদা তুং হন্না হন্না য়েংহুনা চংখিবা ।

—লাইট—

———

৪ শুবা উৎপা

বসন্তগী য়ুম

।াদ

(মপালগী মী-পোং লাক্লগা কয়নবা কানি ; টেম্মী ইমানা অরু-অহেন পোৎ-চৈনচিংবা কয়া লৈ ; টেবীল ...বা ...য়রোই । নচিংবা পোৎ-চৈশু লৈ ; রজনিনা গ্লাসনচিং ...য়রোই । ...নংগী লৈফম ভাক্তুনা লৈরম্মী ; রূপবান চংলকই ; মমানা হুংঙাইতনা য়েংঙি ।)

...। লৈফম-চাকম ...ংদদি শোয়দনা

রূপবান—ইমা ।

রজনি—ইবুঙো ।

রূপবান—করি তৌরিবগে ?

রজনি—নংগী ইপু বিধুসু থবক অমা চৎখি... অতুদা নংগী কাকাগী মী-পোং লাক্লগা ...বদা লৈরু-থোৎপা থর য়েংশিনবীরম্বনি ; কৈদে... নবকা...বা মফম

রূপবান—করিসু তৌদে । ইমা, ঐনা ...

ওয়াদিদমাক দরমারক থাখিবক ঐকু লাকপেন হায়ক্লা কো লারে । কমুদোসি হায়বগে ?

রজনি—অহুদা নংগী কাকাগী ।

রূপবান—মহ ঐস্ খল্লিবনি— অহুদা ঐদি… ।

রজনি—কৈদোবা ?

রূপবান—য়ুম অসি থাদোকনীংলে ।

রজনি—করিগীনো ?

বান—মখোয়গী মরম থুগাহুনা পুন্সি অসি লেল্লকই হায়হুনা মাংচানা ঐবু হুয়রা মিংয়েংনা, য়েংবা— ঐ থাঙবা সত্যবান্‌গা নচা পাখং ঐ লৈরগা ইমাবু ইন্দোমচানা

শ্যামা—তামো শনগুম্না লোয়নবা, অথীবা খোম্না পীজিন্নবা

সত্যবান—দাদা থাঙহুনা লৈবা ঙম্মক্তরে ।

আনন্দি—শ্যামা (লোক্লগা) মহুগীদা ?

কার শপাল তাংখি হায়হুনস্ ইমানা য়ুম অসিগী

শ্যামা—ঐবু থাকীম্ মথক্কী অহলনি, মহুগী ব্যবহার অহু চৎনীংদে

আনন্দি—হি-ইকদোবগে ; নন্দোমচান্না রাহে খুম্মম চাউনা

সত্যবান—(চংনা নং ঐদা পাৎপরনে ।

লাইনা থাঙবা ঙমলমগনি অহুবু ঐদি থাঙবা ঙমদ্রে ;

আনন্দি—চা মহু শোনবা উচেক-রায়াবু তুহংপগুম মহান্না নংগী য়েংলাকথহুনা ঙাংবা-চৈবহুবু উনা-উনা তানা য়েংবা চংরম্না থাঙহুনা লৈয় হায়বগে ?

রজনি—অতুবু ইবুঙো, নংগী কাকাগীদমক্তা ··· ।

রূপবান—কাকাবু য়েংহনা ঐগা ইমাগনা থাঙলক্লিবনি । চুম্মী, কাক'না ঐখোয়বু য়োকপীরক্লিবনি থাকপীরক্লিবনি, ঐবু মী অনা ওইনবা শেম্বীরক্লিবনি মচ খহদবা নত্তে ; কাকাবু থাদোক্লিংবা কায়ননিংবগী বা নত্তে ; কাকানা ঐখোয়বু লূনা চান্না মুংশিনা তোই হায়চনস্থু ঐখোয়বু তোপ্না লৈহন্নিংবা ইন্দোমচাগী পুক্লিং অসি উনা-উনা ঐখোয়বু অস্থুম্মক লৈরসি হায়বরা ? ঐখোয়গী মরমগীদমক কাকাগা ইন্দোমচাগা কায়নবস্থু ওইখোক্তে । য়েংঙোই ইমা, ঐগীদি তশেংনা হায়রিবসিনি— ঐ অমা লৈনা লৈনা ইমানা য়ুমসিদা মীখা থানা তোন্না লৈবসি ঐদি য়েংবা ঙম্মরোই । ইমানা লৈহৌগে হায়রগা লৈহৌরো ঐদি ঙম্মরোই ।

রজনি—ফরেনে নংনা মোইরাংদা ওঝা ওইবা চৎলগা নংগী লৈফম চাফমদি মথোয় স্কুলগী মীনা পীগনি হায়ব

রূপবান—মহুগীদি ইমা, ঐখোয়না হেক চৎখিবগা লৈফম-চাফম থোরাং তোবা ঙমদ্রবস্থু তরানি মঙানিগী মপুংদদি শোয়দনা থোরাং তৌবীগনি ।

রজনি—(রাখল তোবা) উম্ ।

রূপবান—মহুগীদি করিস্থু লৈতে ।

রজনি—ও ! চৎলবদি লৈফম চাফমগী রারুরম্ভু । যা থবদা লৈরুবদা য়াম্না মুঙাইরুগদবা ইয়ুমগুম্না লৈনবকাঙবা মফম অমা লৈরে ।

রূপবান—কদাইরাইদনো ইমা ?

রজনি—নংনা পিশক পিকলিঙ, ঐখোয়গী লৌ-শিং লৈরিঙৈদা নংগী পাবুংগী লৌ উরম্বা চন্দ্রহাস হায়বা নিপা অমা মোইরাং কৈথেল মনাকমক্তদা লৈ। মাগীদা লৈরুরবদি ইমা-ইচাবু য়াম্না নুনা তৌবীগনি।

রূপবান—চন্দ্রহাস হায়বত্তনা ঐবুদি শক খঙলমগদ্রা ইমা ?

রজনি—অঙাওবা! নংবুদি পিশক-পিকনা উখিবনি, কদাইদগী নীংশিংলমগনি। নংবু খঙদ্রবস্থু ইমাবুদি মহাক শোয়দনা খঙগনি। মাগী মমুমদা ইমাদি য়াম্না তোয়না চংলুই।

রূপবান—অদুদি ফরে।

সরোজিনী—(মপান্দগী) লেংশিল্লকউ ইবেম্মা।

(সরোজিনীগা আনন্দিগা চঙলকই) চেয়ার অসিদা লেংশিল্লু।

আনন্দি—মা ইচেবেম্মা। (আনন্দি ফম্মী)

রজনি—ইমা, লেংঙকইবন্না ?

আনন্দি—হোয়। (রজনি চৎকে তৌবা)

সরোজিনী—ইচেবেম্মা।

রজনি—করি হায়বগে ?

সরোজিনী—চাড়া বিধু লৈত্রা ?

রজনি—লৈনা, থবক অমা চৎখিমাল্লে।

সরোজিনী—চৎলগী মথাদা মুকলৈ লৈতবা অহল অসিবু...। (নংগী চৎকে তৌবা) আ— ইচেবেম্মা, ঐ ইনাও য়েংবা চৎ

আনন্দিগা য়াম্না লুবা রারী অমত্তা শাগে, অতুনা শংলবদি ইচেবেম্মা চা থকশিনা—। ঙসাই ঐনা ক্যাটলিদা ঈশিং শাহন্দুনা থনম্বনি; (রাতু তাবদা রূপবান থরাই হুডাইতনা থোকখিবা)।

রজনি—থকশি ইবেম্মা লোল্লক্কে।

আনন্দি—ইচেবেম্মনা চা লোল্লগা ঐখোয়না থক্লগদরনে ?

রজনি—ইনাওসিদি করিস্নু খল্লুনু. থক্কদবনি।

(চৎখিবা)

সরোজিনী—হায়নরিবা রাফমসিদা ইনাওনা পামলিববু করিনো ? হেক্তা লৌথুপ-লোকোই লৈতনা তাকপিয়ু।

আনন্দি—ইচেবেম্মা, ইচা-নচা লোন-লৈনহনশি হায়দুনা ইচেবেম্মগা ঐগা ঙাংনতুনা লৈবসিদা অকাইবা থিনগাইবা অমা লাক্কদোরেনে ?

সরোজিনী—করি অকাইবা, করি থিনগাইবা ?

আনন্দি—ইচেবেম্মা, হন্দক্কী রাসি থুরক্কী ঈনা লাই শাই হায়বতুনিদা :

সরোজিনী—অদুবু হায়ও করি তৌরবগে ?

আনন্দি—ঐখোয়দি মচিন মৌপুরাগুম্না খন্নগত্রা হায়তুনা শ্যামাবু রূপবানদা মহৈ তমহল্লুবসিদি য়াম্না লানবা অমা ঙইরম্রে। মহৈ তম্বীবদা, নত্তনা কনাগী হুংশিনবকাম্নু লোইনা তম্বীরম্লে।

সরোজিনী—অতুম্বরনে ইনাওনা হায়রিরসিবু ?

আনন্দি—ইসে, ওন্থোকপনিদকো ইচেবেম্মসে।

সরোজিনী—নত্তে, অঙাং মশেল ওইবগী মুমিৎ খুদিংগী উনবহৃদা ঙহাক মিৎকা মিৎকা·····।

আনন্দি—মতুগী পারাকা হেনগ্রপোৎনি— আ—লম য়োংখ্রবা জাৎনি।

সরোজিনী—লম য়োনরে হায়বা ?

আনন্দি—লম য়েনবদা নত্তে আ—খোইদো তানরবা, তানরবা।

সরোজিনী—মা অসিদি ঐদি পুমঙকপু ঙকলেনা সিদি·····।

আনন্দি--চুম্নগী মুংশিনবা নত্তেনে, মহি চেক্লবনি·····।

সরোজিনী—অহুবু ইনাওনা মখোয় অনিগী ইচেল অহু খদংনবা হোৎনবা য়াত্রবরাও ?

আনন্দি—গতি মচিল তেকলে।

সরোজিনী—ইনাওখোয়গী ইবুঙো কুমারদি খঙদবরনে ?

আনন্দি—করিগী খঙদদগে।

সরোজিনী—খঙলবদি···।

আনন্দি—খঙহুনা কৈদোগদগে ! মখোয়গী পাবুংনা রূপবানবু য়াইনে। অহুনবু লম অসি য়োগ্রিবনি ; নত্রবদি ঐগী চিহাই অসিদবু ·· হে হে মখোয়গী মতিক কয়্ লৈহুনা···। মখোয়গী পাবুংনা য়াবসিদা ঐগী গতি লৈত্রবনি।

সরোজিনী—অহুদি ইনাও কমদোসি হায়বগে ?

আনন্দি—কমদোবা হায়ববু হৌজিক্কী মতমগী মখোয় নহারোল মুংশিনবা অসিদি তরানি-মঙানি থা অমত্তং মপক উনহন্দবদা মরাইনা কাউনজখিগনি।

সরোজিনী—উনদনবা শিনগদবসিনেনে লুরিংবু ; রূপবাননা শ্যামা লাইরিক তগীরিদো অতুগীসু মথক্তা ইবুঙো কুমারনসু রূপবানবু য়াই হায়রিদো। মসিদা লুপ্রে তৌগদবসি।

আনন্দি—করিগী লুগদগে? রূপবানহুবু মোইরাংদা ওঝা ওইবা চংলগনি হায়না তাইদা।

সরোজিনী—অহুদা সত্যবানখোয়গী পাবুংনা য়াব্রবনিনে।

আনন্দি—অহুবু য়াব্রিবা, থিংলিবা করিগীনো? ঙাওরে হায়বরাও? অসুক চাউথ্রবা সম্পত্তি অসিদা রূপবানখোয়গীনি হায়বা শিংহুম অমগী মান্ য়াওব্রবা নব্রা? অসিদা অসুম লৈ-হল্লবদি ময়ুম-মকৈ পাল্লব্রবদি মখোয়গী শরুক থুংদবা য়ারক্লোই, মহুদা ইচেবেম্মখোয়গী কয়াদা মাঙজগ্রবনো। অহুনা ইচেবেম্মা কান্নদে, লৈহুম অমনা উচেক অনি পালহনসি হায়রবদি রূপবান অসি য়ুম অসিদগী চংথিনবা খুজিল কন্না তৌবীয়ু। মাবু চংব্রবদি ইচেবেম্মখোয়গী সম্পত্তিসু মাঙব্লে, সত্যবানগা শ্যামাগা লুহোংবসু কায়-ররোই।

সরোজিনী—ফৈ ইনাও; য়েংগে ঐগী (মতাং অসিদা রজনিনা চা কপ অনি পুথোরকই) চক্রী-শলাইদা মখোয়না কয়া কুইনা থাঙহুনা লৈবা ঙম্বগে হায়বহু।

রজনি—চা লৈরে ইবেম্মা। (টেবীলদা চা থম্বা)

আনন্দি—(চা য়েংলগা) চা অসিদি শঙোম রাংনা উইদা, শঙোম নমব্রবদি ঐদি চা অসি কয়া হৈনদেনে।

রজনি—ইচেম শঙ্গোম লৌরুখিগে । (চংখিবা)

সরোজিনী—থবক তৌবদা মচু তাদবনিনে ।

আনন্দি—(চা থক্লগা) করি চানো সিদি— চিনিস্থ করিমত্তা নমত্রেনে । (সরোজিনী ইকাইবগা লোয়ননা চা ৎক্লুনা য়েংবা) হুম, কপনা মোৎলিবা ।

সরোজিনী—(ইকাইদুনা শাউনা) অস্থুম্মা মী-পোং লাক্লগা চা পীথক্কদবগী শরুকপুদি লোননিংদে হায়রগা লোননিংদে হায়য়ু, ইথুৎ পাল্লি ইন্নাইনা লোনজগনি— চা-বু অস্থুম্মা থকপা হৌনবরা ?

(চা কপ অদু তাপ পায়দুনা লংখিবা ; রজনিগী মরাইবক্তা পান্দুনা রজনিনা— "ইস্" হায়না খোঞ্জেল কায়না হায়রকপা ; সরো, আনন্দি ফম্মম্বদগী হৌগত্তুনা য়েংবা)

রূপবান—(মঙুংদা) করি তৌরে ইমা ?

রজনি—(মঙুংদা) করিস্থ তৌদে ইবুঙো !

রূপবান—(মঙুংদা) লাইবক্তা ঈ-থোক্লগা করিস্থ তৌদে হায়রিবা ? লাও, কাকাগী কাদা মোলোম লৈহৌবনি তৈশিনবীগে ।

(রূপবাননা মাং থাদুনা রজনিগা চংলকই ; রজনিনা ঈ-তৈবা মথুৎনা মরাইবক পাই ; আনন্দি সরোজিনী য়েংনৈ)

রূপবান—কৈদোবদা শোক্লিবনো ইমা ?

রজনি—থোঙজিল্দা থেংজিনবনি ।

(রূপবাননা উপু হাংদোক্তুনা হিদাক লোথোক-লোথোকনা)

রূপবান—খোঙজিন্দা থেংজিনবনা অসুক খিনা শোকপা হৌনদে।
(সরোদা শাওনা য়েংলগা) ইমগী মাংদা কপ অমা কাইহনা তাহৌবহনা শোকপা নত্রনে ?
(লাইবক্কী ঈ অহু তৈথোক্লগা মোলোম তৈশিল্লগা বেন্দেজ তৌবীবা)
হুম, অচুম্বা রা হায়বা ফাওবা ঙমজত্রকরা ? ওহ্‌োক্লা শোম্না লৈরেদা।
(মতম অসিদা বসন্ত চঙলকই)
সরোজিনী—মানি, অহুবু কপ লংথোকখিদদা শোকখিবনিদনা।
বসন্ত—ইতৈমগী লাইবক অহু করি তৌরে।
রূপবান—ইন্দোমচানা····।
রজনি—আ, মন্দোমচা সরোজিনীগা ইনাও আনন্দিগা থক্লবা চা পুথোরকপদা খোঙজিন্দা থেংজিল্লিবা ! করিনু তৌরোই ইবুঙো।
বসন্ত—হুম, ইতৈমনা কয়াম রাংলদনা, অহুগা খোঙনা কয়াম নেম্মদনা— । খঙঙে ; নত্তে, ইবেম্মা আনন্দি করি থবক্কী ?
সরোজিনী—আ,— ইবেম্মনা লাক্লিবসি ঐনা নহান হায়জবা ঐখোয়গী সত্যবানগা ইবেম্মগী ইচানুপী শ্যামাগা নুহোং-নবগী মরমদা রা তাম্নবা লাক্লিবনি।
বসন্ত—ও ! (রূপবান মথরাই হুঙাইতনা খোকখিবা)
সরোজিনী—অহু কমদোসি হায়বা ?
রজনি—ইবুঙো, হায়রিবসিদি য়াম্না কৈনা।

বসন্ত—ইতৈমখোয় খ্বাইনা ফৈ হায়রবদি ফৈ কৈদোবগে।

আনন্দি—অত্থদি ইতৈবুঙো, অঙাং অনি অসি পক্লবা-পক্লদবগী মরম অমত্তুং থঙদোকপসিবু----- ।

সরোজিনী—মত্থগীদি নোংমা নুমিৎ অকবা অমদা অঙাং অনিগী কুঠি পুরগা পাঞ্জিদা চৎলগা লোইরে ।

আনন্দি—ফরে, ইচেবেম্মা অত্থদি ঐ য়ৌজরগে । (হৌগৎপা)

সরোজিনী—(হৌগৎপা) ফরেনে ।

আনন্দি—চৎচরগে ইতৈবুঙো ।

বসন্ত—ইবেম্মা ।

সরোজিনী—অস্বাই ফাওবা থিন্দোক্কে ।

(সরো, আনন্দি থোকখিবা)

রজনি—ইবুঙো ।

বসন্ত—করি হায়গে ইতৈমা ।

রজনি—ইতৈমা, রা অমত্তা হায়গে হায়ববু নং রারোগজ্ঞা ?

বসন্ত—করি রানোনে ইতৈমা ?

রজনি—মতম থরদং ইতৈমথোয়বু··· ।

বসন্ত—কৈদোবা ?

রজনি—নহাক্কা কায়নবা তারিবরা ?

বসন্ত—কায়নবা ?

রজনি—হোয় ।

বসন্ত—(মুঙাইতবা মীনোক নোক্লগা)

করি রানো ইতৈমা, রাকম অত্থদি ঐঙোন্দদি মঙগনা

থোকলে। (মতম অসিদা রূপবান চঙলকই) অম্বক কুইশ্রবা মতম, ঙসি ফাঙবদা ননাওনিপা ঐনা ইতৈমা খোয়গী সেবা তৌজরকপদা করি ননিং থুংদবা য়াওরবগে ?

রূপবান—নীংবা থুংদবা করিমত্তা লৈত্রে কাকা। কাকানা ঐখোয়বু মুংশিবীবা চানবীবগীদমক্তদি পুন্সিগী লমন তোল্লগদবনি। অদুবু কাকা, ইকাইবা মায়থীবা অসি মায়োক্লত্তনা পুন্সি অসি কয়া কুইনা থাত্তহনা লৈগনি।

বসন্ত—ইকাইবা! মায়থীবা!— রূপ, না অদুদি কাকাদি ভাব তাবা ঙমদরে। কনানা ইতৈমা অমম্বুং নংবু ইকাইবা, মায়থীবা পীরবগে ?

রূপবান—কাকা. কাকাবু মুংশিজবদগী অমদি কিবদগী থম্মোয়-মুংগী মুংঙাইতবা, শাউনীংবা পূম্নমক কোক্নদোকচদনা অম্বুক কুইবসি লোত্তুনা থমজরকপনি : অদুবু অমুক লোত্তুনা লৈবা ঙম্মক্তরে। ঙসিদি রাদো কাকাদা লোইনা তেংনা হায়জরগে। ইন্দোমচানা থনবা রাখল ঐ লোইনা উজরে, ঐখোয়বু তোপ্পা লৈহন্নীংবগী রাখলনা মতম পূম্বদা ইন্দোমচাগী পোথাফম লৈত্রে। মদু থঙনা-থঙনা ঐখোয়না অসিদা লৈবসি চুমত্রে হায়না থল্লে ; অদুনা ইন্দোমচাগী নীংবা থুংজরসম্ব।

বসন্ত—ঐ লৈরিবসিদি·····।

রূপবান—অদু ওইরবসু কাকা···।

বসন্ত—রূপ।

রূপবান—ঐদি ইন্দোমচাগী ফজদবা য়াঙাং, মুংশিদবা মিৎয়েং, পুন্নমক অদো ইমানি নীংহ্নবা খাঙবা ঙম্মী, অহূবু কাকা, তশেংনা হায়রবদা ইন্দোমচানা ইমাবু মীনাই-মীশনগুম্না লোয়নবা, অহল অমা ওইবগী ব্যবহার থস্বীদবসে ঐ য়েংহ্নবা লৈবা ঙম্মক্তরে।

বসন্ত—মহূগীদমক্তা ওইরবদি রূপ, ঐনা নন্দোমচাদা হায়গনি। পুন্নমক ফনবা শীনগনি। ঐবু থাদোক্তুনা চৎখিগন্নু। রূপ, য়ুম থাদোক্তুনা চৎখিবদি করিস্নু লৈত্তে, নথোয়না ঐবু থাদোক্তুনা চৎখিবদো ঐনা লৈহৌবা ঙমলোই।

রূপবান—নত্তে নত্তে কাকা, ঐখোয়গী য়াসি ইন্দোমচাদা অমুক হায়বীরুগন্নু। নীংখায়রক্লবা পলবু য়োৎপাক পায়থনা অমুক তৌথোকপা তাগনি; ইমুং মহী লাঙবগী মথক্তা অমুক্তা হেন্না লাঙলগনি।

রজনি—ইবুঙো, নচানা হায়বসিদা অচুম্বা অমা লৈ; খা-রাংগী মাংদা ইমুং মহী লাঙনা পানগদবগী শরুকপুদি----।

বসন্ত—মহী লাঙগে-লাঙসন্নু ইমুং কায়গে কায়সন্নু; ইতৈমগা রূপবানগা চৎখিবা য়ারোই। ইতৈমা, ঐগী কনা লৈরি, ঐগী হায়রবু ইতৈমনা ইমা-ইপা শক্তুনা লৈরিবনি।

রজনি—অহূননি, ইতৈমনা অহল অমা ওইনা য়ুম কায়দনবা শীল্লিবনি। ইতৈমনা য়াম্না মুন্না খঙলে, ঐখোয়না অসুম নংগা পুন্না লৈরবদি নোংমা নত্রগা নোংমদি ঐখোয়গী-দমক্তা নং নকোক য়াম্না চাউরকপা তারে। অহূনা ইতৈমনা

মরম ওইহনা নংগী সংসার কায়বদো য়ুমগী অহল অমা ওইবগী লিচৎ নত্তে ।

বসন্ত—নত্তে ইতৈমগী রাখল অহু য়াম্না লানখ্রে। সরোজিনী অমদি ঐনা হেক পোকচবা সত্যবাবু মাখোয়বু কায়নবদা ঐঙোন্দা রানা থোকতে ; ইতৈমগা রূপগা কায়নবা তারবদি ঐঙোন্দদি সনজিং কীহ্নরক্তুনা ননবগা পাম্বক ওইখ্রে। মরমদি লৈপাক্না হায়নগনি, মীনা ঙাংনগনি— ময়াম্বা লৈতহনা মতৈমগা মচা রূপগা মঙ্গমদগী তানথোকপীরে হায়না ; মহুগী মীনোক মৈশাহু ইতৈমনা য়েংহনা তাহনা লৈবা ঙমগদরা ?

রজনি—বসন্ত !

বসন্ত—খুম্বীয়ু ইতৈমা ।

রূপবান—কাকা, মহুগীদমক্তদি করিমত্তা থনবীরুগনু। কাকানা ঐখোয়বু চহি কুনমুক য়েংবীরক্রে— কাকাগী মপান্দগী ঐ মী ওইজরে, মসিদা লৈপাক্না করি হায়গদৌরিবনো ? অহুগীসু মথক্তা ঐনা ইস্কাল অম্বাইদা মীগী শাইজিন শায়াদা তাংহনা লৈগদবসু নত্তে—ঐগী ইথৌগী মতুং ইন্না মোইরাংদা ওঝা ওইবা চৎপনি। মসিদা কাকাবু কনানা ফজদনা ঙাংনগদগে !

বসন্ত—উম ! (নুংশা স্বর মপী শাংনা হোন্দোক্লগা, নুঙাইতবা মীনোক নোক্লগা)

হু…হু…হু মহুরা রূপ, ঐনা অসি য়েনা নখোয়দা হায়জবদা

করিমত্তা লৌত্রগদি ... ... করে, ঐ মখা তাররোই—নংগী কাকাবু খাদোক্তুনা চৎপনা নংগী হুগুাইগদবা লৈরবদি চৎলো। (শীগী ঈরা হৌহুনা) রূপ, নংদি খঙলিরোই, লৈখিব্রবা ঐগী ইয়াম্বা, নংগী পাবুং অহু কায়নবগী মৈচাক অহু নংগী নশক য়েংলে হায়রগা ইপানা খাঙবা ঙমলিবনি, অহুবু নংনা ময়াত্রবনিনা চৎলো। (রজনিদা) ই তৈমা, ইতৈমগা রূপগনা চৎপ্রবদি ঐগী হকচাং কয়াৎ অনি ভেকখিবগা মাম্নরগনি। নখোয় অনিনা চৎপ্রবদা নখোয় অনিগী হাঙলবা মকম অসে কনা লাক্তুনা মেনবীরগনি ইতৈমা ? রূপবান, নংগা ননাওগবু কাকাগী মিৎ অনিগী পান্দমগুম থমজবনি অহুবু নংনা চৎপ্রবদি কাকাদি ঙসিদগী মিৎ নাম তাঙহৌবা তারেদো, অহুগা লৈহৌরিবা মিৎ অসিমদি কাম্নত্রবা মিৎনি।

রূপবান—কাকা!

বসন্ত—রূপবান, নংনা মতম পুম্বদা কাড়রোইদবা নীংশিংগদবদি মপালখোংগী হকচাং হকচাং শেৎনবা য়াই, কায়নবা য়াই, অদুগা থম্মোইগী হুংশিনবগী লৈপুনদি পুন্সিনা লৈরিবমখৈদি কায়নরোইদবনি, থম্মোইদি অমত্তা ওইদুনা লৈগদবনি রূপবান। মহু ওইরবদি নংগী কাকাগী লমন পুন্সিদা তোন্দবা ওইয়ু— নত্রবদি রূপ,----।

রূপবান—কাকা।

বসন্ত—(চঙশিন্নক্তুনা রূপবানগী মকোক নানবীহুনা) রূপ, নংগী

কাকানা নখোয়বু কাউদবগুম নংনা ঐবুন্নু কাউগন্নুকো।

রূপবান—কাকা, নহাক্না ঐগী পূন্নমকনি।

(বসন্তপ্পী মখোঙ পান্নহুনা খুরুপ্পা)

—লাইট—

---

৫ শুবা শৈংপা

(কুমারগী থোঙ্গাল ময়াদা লৈবা লৈকোল মুক্কী শরুক খরন্ন উরি ; কালা Con. না লৈ ঈশিং চাইহনা লৈরম্মী ; বিধু হো-হো চেন্নকই।)

বিধু—ইবুঙো ! ইবুঙো কালা নত্রা ?

কালা—মানি ইপু ; করি তৌরে হুংশা স্বর থবেং থবেং হোনবা মথৈ চেন্নকলিবসিবু।

বিধু—ন্না অমগীনি ইপুনা হো-হো চেন্নক্লিবসি।

কালা—অহুবু করি তৌরবগে ?

বিধু—ঐখোয়গী ইবুঙো ইন্সপেক্টরবু লৈবরা ?

কালা—লৈতে, চখোকখি। কনা করি তৌরবগেনে ইপু ?

বিধু—অহুদি ইশু ইপু ন্না অমা তামবা তারে। অশ— নখোয়গী থানাগী সিফাই থর লৌনি হায়রব ন্নারন্নোইকো ?

কালা—ইপুবু ?

বিধু—হোয়নে ।

কালা—(ঙক্লা) এঃ ইপুগী চহি মতাং অচুনা !

বিধু—ইহে-ইহে, ইপু নত্তে ; ইগুনি ।

কালা—হোয়নে ।

বিধু—ভহা-ভহা চেল্লকপদা ইপু ইপা পাখৎখিছুনা রা শোয়খয়ে। অসুম তৌবনি—আ - লরাইদা ঐগী ইগুশিং থোকপা অমা লৈ ; হয়েং নখোয়গী থানাগী সিফাই লৌবগী আ-ইনফিউ হায়বছু য়াওগদৌরি হায় ।

কালা—(নোক্তুনা) করি ইপু, হৌজিকীচু করি হায়বা ? হা…হা—হা… ।

বিধু—ঐনা অসুক থরাই য়াওনা হায়রগা মানা নোক্লিবসিবু… ।

কালা—(নোক্তুনা) নত্তে, হৌজিকীচুবু করি হায়বা ?

বিধু—(শাউনা) য়োং অসিদি । তানীংরগা তান্নীংদে হায়র : করি কাম্নবা করেম্নরিবনো ? (চৎকে ভোবা)

কালা—ইহে, ইহে ঙাইখোনে ইপু— (বিধুবু ফাবা)

বিধু—(শাউনা)শে, থাদোকউশে। নমাম্নদোনা হনুবা ঐঙোন্দবু ক্রুরেম্নবা শারিএ ।

তোঁবা নত্তেনে ইপু ; ইপুগী রাদা নোক্লিংবা রাহৈ অমা

রূপবান—কা । হয়েং থানাগী সিফাই কৈদোবা ?

বসন্ত—(চঙশি ভোগনি হায়বা ।

কালা—(মচিন খুমহ্না নোকপা) ইপু, ইনফিউ হায়বা নত্তে
ইণ্টরভিউ হায়বনে ইপু, ইণ্টরভিউ।

বিধু—মহ্নদি কনানা খঙজগে।

কালা—ইণ্টরভিউ য়াওগনি- -অহু কৈদৌবা ?

বিধু—অহু ঐগী ইশু অহু ওইহনবীনবা হোৎনবা শুমগদয়া ?

কালা—অহুগীরা ইপুনা অহুক রারিবু, পেনামুক লায়বা খবক
অহুবু।

বিধু—শোয়দনা শুমগদরা কালা ?

কালা—ইশে, ঐগী খুত্তা লৈনে, ঐগী খুত্তা।

বিধু—নত্তে, শোয়গদবা লৈরগা ইবুঙো ইন্সপেক্টর উনহোগে।

কালা—করিগী শোয়রুগদগে ইপু ? ইপু, ঐখোয় অসি দারুগামক
ওইরবসু অসিগুম্বা থবক হাপত্তোক, হাপচিনবী মরুপদদি
ঐখোয় অসি থানাসিদদি হায়ফেৎ লিংঙিবা জাৎনিদা।

বিধু—ইপুদি খঙদহ্না হংজবনিকো।

কালা—অসিগুম্বা রাফম অসিদা কনা খঙন-চায়ে হায়হ্নসু ইপু
মক্না ঐখোয়গী বাবুদা হায়বা ফজদে— ঐখোয়গুম্বা অমনা
মরক্তা লৈগদবনিনে।

বিধু—চুম্মীনে চুম্মীনে। মতমগী জুংশিৎ রৈদহ্না ইপুখোয়দি
পুংপঙ পঙগ্রেনে। অহু কমদৌশি হায়বা ?

কালা—হৌনবীবু কয়াম পুরকপগে ?

বিধু—হৌনবী হায়বদি ?

কালা—ইশে, হৌনবী ! হৌনবী !

বিধু—হৌনবী হায়বম্ব করম্বা উহে-ম্বাহৈনো করম্বা ভা-চাক্নো ?

কালা—ওম্বোকপা অহনম্মিদা। হৌনবী হায়রদি তেং-তেংগী মানিনে। কয়াম পুরকপগে হায়বনি। তেং-তেং য়াওরবদি হৌজিক্কী মতম অসি শক-মাইনক্কা চৎমত্রে।

বিধু—তেং-তেং হায়বম্ব করিনো ?

কালা—ইশে, মস্তে, ইপু নংগীসি থিনীংদহনা পঙগে হায়দুনা পঙশিন্নরিবরা ? হা ইপু ?

বিধু—(শাউনা) করিনো নহাসিবু খঙদবগী হংবনি।

কালা—এঃ মানা হেম্না শাউগৎথারনে।

বিধু—শাউদবদি ; খঙদ-হৈদবা মীয়ু খঙনবা তাকপীবসিবু অখঙ-অহৈ মীগী মথৌ মত্রা ?

কালা—তেং-তেং হায়বসি শেংসবু হায়বনি।

বিধু—ঙসাইনা অতম হেক হায়দুনা।

কালা—য়াওরকপরাও ?

বিধু—অদুবুদি য়াওরকইনে।

কালা—কয়া য়াওরকই ইপু ?

বিধু—কয়াম চংনবগে হায়বত্রদি ইপুদি খঙদে, মীও অদুনা লুপা ২০০ (চনি) পনম্বীনে।

কালা—কদাই পীরো।

বিধু—নঙোন্দা পীত্র হায়রিবরা ?

কালা—ঐঙোন্দা পীত্রবদি কনাদা পীরুগে-হায়রিবনো ?

বিধু—ঐনা হায়বদি বাবুদা---।

কালা—(শাওশিন্নহনা) ফরে ফরে পীরুরো। ঐনা ঙসাইনা ইপুদা হায়গ্রেদন— অসিগুম্বা শেন পীজবা খোংচবগী থবক অসিদি ফনা থঙ:ন চানৈ হায়হুনসু হাকথেংনবা য়াদে মরক্তা ঐখোয়গুম্বা অমা লৈগদবনি হায়না।

বিধু—হোয়নে হোয়নে। অহু কালা, শেল অসিবু হয়েং…।

কালা—হয়েংগী থবকপু হয়েং হায়রিবসিবু … কদায় হৌজিক পীরোনে।

(বিধু শেল লৌথোকুনা মশীং থীবা)

শুরেনে শুরেনে— কদায় কদায়।

বিধু—(লুপা ২০০ হু কালাদা পীরগা) শোয়হনবদি য়াদেকো।

কালা—চংলো ইপু, শরেং থোংবা চাহুনা মং হুঙাইনা মংবীরুরো, লৈপাক্তা থুহুমনা শুবনি। লেংঙো লেংঙো।

বিধু—(চংকে ভৌরুরগা) অহু ইশু অহুগী মমিং মথাদি…।

কালা—এ-এ চুম্মী চুম্মী, মরু ওইবদি ইকাওবু কাওরুরে,— করি মমিং কৌবগে?

(কুমার চঙলকই)

বিধু— ভাংবম মধু।

কালা—থঙতে চংলো।

কুমার—করি য়ানো খুড়া?

বিধু— এঃ ইবুঙো বাবু…।

কালা—Sir, ইপুগা য়ারী অমা শাজরম্বনি।

কুমার—করি য়ানোনে?

বিধু— হয়েং ইবুঙো বাবুখোয়গী সিফাই থর জৌগদি হায়না তাজে মতুদা ননাই খুড়াগী ইথংশিং অমা—
(কালানা হায়ুহন্নীংদবা)
মখোয়গী ইণ্টরভ্যু হায়রগ য়াওনি হায়, অতুগী ইবুঙো বাবু অমুক্তা ইনজগে হায়দুনা লাকপনি মদুদা কালানা ইবুঙো বাবুদা হায়বিগনি অমসুং খোয়দনা থবক ফংহনগনি হায়হুনা পুন্নমক মেন তান্নজরে।
কালা—ইপু লেংঙো। (বিধু চংক্লে তোবা)
কুমার—ঙাইখো খুড়া। কালা করি করি হায়নরবা—করি করি কুরুম তৌনরবা?
(কালানা বিধুদা হায়দোক্কনু হায়রগা ইন্সীত তোবা)
হায়ও খুড়া করি কুরুম তৌনরবা?
বিধু— ইবুঙো বাবুদা হায়বিহুনা ইও অসি থবক শোয়দনা ফংহনগনি হায়হুনা ননাই কালানা লুপা ২০০ সু লৌরে।
(কালা খাই লাওব ; কুমারনা কুলোদা শু ঊনা য়েংবা)
ইবুঙো বাবুনা ফুংশিবীহুনা।
কুমার—য়েংঙোই খুড়া, হয়েং সিফাই লৌবগী পরীক্ষা অমিদা ঐ য়াওগদবা নত্তে— ঐনা খুড়াদা নংগী নতু অহ শোয়দনা হাপ্পীগনি হায়ব। ঙম্বা নত্তে ; থনবদা য়াওগদৌরিবা ঐখোয়গী S. P. সাহেবখোয়দা অতুক ঐনা য়াক্লে অমা করিমা হায়জরদি য়াই, মতুনা শোয়দনা ঙাইগদি হায়বা অরেপ্পা লৈতে, অতুগীনু মথক্তা শেনজা থুমজা ফাত্রি ঐনা

পায়রকপরে অৌজিকী মতমদি Board হায়বানুমা ঐক
বনিনা করিমত্তা কাম্নরোই। খুড়াগী শেল অহ পুন্নবীখো।

বিধু— ইবুঙোবাবু।

কুমার—য়্মা মথা তাবীগনু। শেল অহ পায়রব্রথা। ঐ খুড়াগী
নঙ অহুগী মরমদা S.P. সাহেবত্তা হায়জগে। হাই—
কালা। শেল অহু খুড়াদা পীখোকখো। (কালানা
বিধুদা শেল পীবা) কালা, ঐন্না নঙোন্দা অসিগুম্বা থবক
অসি তৌগনু হায়হনা কুমারক হৈমা হায়রে। হেক্তা
তৌরম্লিবসিবু করিগীনো? অহুগীশু মথক্তা নংনা নরম্মাই
ঐ শকত্তথা তৌজাদি তৌজবনি— ঐ পকুসী থবক
তৌরম্লিবা করিগীনো? ঐনা উথনি উম্মোইশু খণ্ডনা
নংনা শেল থম্পাকশী সমক্তা ঐবু য়োকঙ্গিকা করিগীনো?
হা? নং নরম অহ তোকক্ষরবরা?

কালা—Sir হলকমুক্তি ঐবু তাকপাদু মনাই ঐ মতুংদ অমুক
তৌজরগোই।

কুমার—খুড়া, খুড়াগী শেল অসি অমহাংদা হক্কেঙ্গা তারিমগনিদা।

বিধু— ইবুঙোবাবু ঐনীশেল চুপ্পা হিত্তে অহ ম্যাংখ্রকনু। (কালাদা
মিং থামো নেংলগা) শেলপাবা মীদি মথ্বাং তৌকদবনি।

কুমার—লেংঙো লেংঙো।

বিধু— থম লাগী প্রোম যাই হায়বসি মৈত্তে মচা অসি খুড়দমাম্লে
খুড়া চংচরে। (চংখিবা)

কুমার—কালা নং, হায়বিরিবসিনি। (চংখিবা)

কালা—ঙসিদি ঙা অহাওবা চারে হায়না মুঙাইরম্বসিদি মালংগী কুড়া তাপ্রেদনা।

কুমার—(মহুৎদগী) কালা—।

কালা—লাকচরে Sir (ফিংনা চেনখিবা)

(শ্যামা মথুৎতা চিঠি অমা পায়রহুনা রাখল. তৌহুনা থোরকই। (অদুদগী চিঠি অহু ফাক্তে:কুনা পাই ; চিঠিগী মরোল অহু মহুৎদগী মাইকতা ফোংদোকলকই) শ্যামা, ঐগী মতিক চাত্রবা রাহৈ খর অসিনা নহাকী অপেনবা ওইগনি হায়না আশা তৌই ; ঐনা ঙসি খঙহনগ্রিবসি করিসু নত্তে— ঐগী লাইবক খিবা পুম্বিগী নিঙমদবা খরদং খঙহনবতনি ; অচাওরম পাম্বা সমাজ অমদি শেলগী সংসার অসিদা ঐগুম্বা লাইরবা মচা অমনা প্রেমগী উরুম লাংলুবগী অধিকার লৈরমদরে হায়রবসি হৌজিক-তদা খঙলরে। মচা নংগীদমক্তা ফননবা খনবনা মখোয়গী মথৌ ওইরবা নখোয়গী ইমানা নংগী দমক্তা মতিকচাবা অমা লেপলে হায়বসি ঐনা তশেংনা খঙলে ; ঐ ইশাগী ওইজবা য়েংহুনা, লাইগুরুগী মশক ওইরবা নাকল অনি-মকী অহল লমনগী নীংবসু কায়হন্নীংদে— অচগা নহাকপুসু অহল লমম্না হায়বা ইন্দবা মচা তাহন্নীংদে অহুনা নংনা ঐগী রাখল কাউথোক্লবা হোৎনবনা নহাকী অফবা ওইরোইদরা ? ঐনা মতিক চাদবা অমা ওইবনা অন্নান-বদি ঐগীনি। নহাক্না নপুক্লিংদা ঐবু করিগুম্বা অমা

থরগা য়াই অহবু থল্লুগন্নু, চিঠী রা হৈ থরনা ঐগী ইহুৎ শিন-থিবদি ঐগী লাইবক থিবা মাই অসি পুন্না নংগী ননাক্তা লাকপগী থৌনা লৈত্রবননি। অহবু কনানা থংগনি শ্যামা—মীনা নিংবনা অমা—লাইনা ভম্বনা অমা। ইতি— নচাকী

রূপ

[চিঠী অহ থুপচিল্লগা থরাই হুংঙাইতনা রাখল তৌহনা লৈ; মতম অসিদা আনন্দি চংলকই]

আনন্দি— শ্যামা, কনাগী চিঠিনো? [শ্যামা থুমদে]
করি তৌরে থুমত্রবদি? করি তৌরগে নংন নথরাই অহুক হুংঙাইতনা উরিববু?

শ্যামা— থংলবমক্তদা করিগী হংলিবনো ইমা? ইমাখোয়না ঐবু থাজ য়োঙ্গনবগী থৌরাংলিবদো ঐনা য়ানিংদবা মকম থোকই। অহুনা ঐবু মীগী মমাংদা হায়বা ইশবী মচা তাহনবীগন্নু।

আনন্দি—নহাক্না য়ানিংবা য়ানিংদবা ঐখোয়না উরকম থোক্তে। ঐনা থৌরাংলিবসি নংগী ফননবগীদমক্তনি।

শ্যামা – ফননবা হোৎনরিবদো নচাদদি বৎহবা অমা ওইররে। অহুনা ইমাখোয়বু মীগী মমাংদা চোপহননিংদহুনা হাক্না নিংশিংজহৌরিবসিনি।

আনন্দি – এঃ ঔশিং হংগৎনা চেল্লেনা। হাত্রি ওইরবনি, মতমগী ইরাং থংলবনি হায়হনা থক্ খা ওন্নবগী রডাং ডাংগন্নু। লাইরিক তম্লবন্নু নখোয় লাইগু থংত্রিবা অঙাংনি।

শ্যামা—ইমা, ঐগীদি ভশেংনা হায়জরিবসিনি য়ামজবদা বি, এ, পাশ তৌত্রিবা কাওবদি মুম পানবগী ঐগী আশাদৈতে। ঐগী রা করিবতা তাবিদনা ইমাখোয়না নিংবহু পাংখোকে হায়না নিংলবদি নচাবু ফংতে হায়গনু।

আনন্দি—করি, বি, এ, পাশ তৌত্রিবা কাওবা হায়বা? মতম মৈয়েখোকুনা, নংগী মমুম ইংখোল লিংদবা, পু-পাং ভুদবা মচা লুরাওবা বি, এ, হু ভাইপে অসিনিনে।

শ্যামা—ইমা, হায়দে হায়নি— ঐগী রা অসে পাবুংদসু ঐনা হায়রবনি। ঐগী মুম পানবা— হৌজিক হোরেনগী রা নত্তে।

আনন্দি—নংগী পাবুংনা য়াই হায়বা। নংগী হাকথক্তা নংগী পাবুংগা ঐগা কায়নবা তারবসু কাইনবা তারে। নমা ঐসু ঐনা নিংবদি পাংখোক্লবা হোৎনবা তারে। য়েংভোই, কুঠী পুহনা চৎলিবসিনি তাকতে হায়নি, তাকলিবসিনি, খংহন্দবা নত্তে, খংহল্লিবসিনি। হি, ইশ: হৌজিকী মতমগী ছাত্রিশিং অসিদি মমা-মপা য়ারকদৌরিনে। [শাওনা চৎখিবা; শ্যাম মথরায় ভুংভারভনা লৈহৌবা]

লাইট

———

৬ শুবা উৎপা

চন্দ্রাহাসকী য়ুম — মাঙল

[মোহিনী কক্ অমদা কয়্রহনা লায়রিক লাইগু য়েংহনা লৈরম্বী—মতম অসিদা চহি ৪৫ | ৪৬ শুরবা চন্দ্রাহাস লৌকুমলুবা হন্নকপগী মওংদা মথুংতা থাংগোল অমা পায়রহনা মথুং মামদা কংক্রু ঙাংক অমা পায়রহনা চংলকই, চন্দ্রাহাস মাঙোল মচিদা কয়্রহনা কুরিংথাওদগী মৈখেং লৌখোক্লুনা কংক্রু অত মৈ চুহনা থকই]

চন্দ্রহাস — ইবেম্মা ! [মোহিনী লাইরিক য়েংবদা তাদে] ইবেম্মা মোহিনী !

মোহিনী—তাদ।

চন্দ্রহাস—ননম্মা কদায়দা চৎখি ?

মোহিনী—পাংতা ঙা থন্না য়েংলুগনি হায়রহনা চৎখি। করি হায়বগে ?

চন্দ্রহাস—করিসু হায়দে। ইবেম্মা মোহিনী, নংনা নম্বিং মোহিনী ওনখোক্লুনা কে-কু লোৎপিগুম লোংলুনা ঐখোসিদা লৈরকলিবসি চহি কুনমুক কাররেদো, মসিদগী কয়াম কুইনা অমুক লোৎখিগে থম্নিবা— কোংদোকপগী মতম ওইংজিবরা ?

মোহিনী — মতম লাকখিগনি, হৌজিকমক্তি ঐখোই হায়রবা ওইবী থৌনা লৈত্রি।

চন্দ্রহাস—কৈ, কৈ ইবেম্মা, ইবুংদি করিসু হায়দে পুন্সি চুপ্পা

লৈগে হায়রবসু লৈহ্রু নংনা হুংঙাইগদবা অহুম য়েংহনা তো। অহ ইবেম্মা, নবুংনা তাববু নখোয়গী স্কুল অহবু হন্দক্কী চহিদগী ক্লাস এইথ কাওবা লৈরগনি হায় অদুবু নংদি মেত্রিকসু পাশ তৌদে. অদুম ওবা ওইবা য়াগদৌরিবরা ?

মোহিনী—য়ানি করিসু কাইদে. ঐনা তম্বীবা ভবা মথাগী ক্লাস তম্বীরগা লোইরে।

চন্দ্রহাস—ক্লাস এইথ কাওবা লৈরবদি B. A. পাশতৌবা মী অমা ওবা মকোক ওইগনি হায়বদুদি শ্বায়ত্তা [illegible] ওইদৌরিব্রা ?

মোহিনী—মহুদি তাদ স্কুলগী সেক্রেটরীনা থংলমগনি; তৌবদি ইস্কালদগীর শ্বাইদগীসু ঙনা য়াম্না দরথাস থারকমায়ে।

চন্দ্রহাস—ঊম। (হৌগৎলকপা) নহাক্তি স্কুল চৎপা মতম ওইত্রিবরা ?

মোহিনী—পরীক্ষা লোইখিবগী লাইরিক তমসু হৌদ্রি। ওসিদি লাইরিক লাইশু থজিক্তা য়েংগে হায়দুনা চে অমা পিরে—চৎলরোই।

চন্দ্রহাস—ও! (চৎখিবা; মোহিনী লাইরিক য়েংহুনা লৈবা। মতম অসিদা রঞ্জনিনা মাং থাদুনা রূপবান চংলকই; রঞ্জনিনা সুইকেশ অচৌবা অমা পায়—রূপবান মথুং নাম নামনা বেদিং অনি পায়রকই; মখোয়না পায়রকপা পোৎচৈশিং অহু লৈবাক্তা থম্মী]

রঞ্জনি—ইবেম্মা, ঈবুংঙো চন্দ্রহাসপু লৈবরা ? (মোহিনী লাইরিক

য়েংহুনা লৈবা] ইবেম্মা ! তাদ্রিবরা ?

মোহিনী—(হন্না য়েংখৎলকুনা) করি ওইরবনো ?

রজনি—ইবুংঙো চন্দ্রহাসপু লৈবরা ?

(লাইরিক য়েংন য়েংন হন্না য়েংখৎলকুনা)[লৈ, বরিগী ওইরবনো ?

রজনি—অমুক্ত উনজগে ।

মোহিনী—তাদ ! (মমাই হেক য়েংখৎলকপদা রজনিবু উবা, রজনিস্নু মোহিনীবু মুন্না য়েংবা,ওহাক কৌনবা হমদবা)

রজনি—নত্তে, নহাকপু ইবেম্মা ...... ।

মোহিনী—(মমিৎতা পিগী ইরা হৌত্নুনা কপনিং কপনিং তৌদুনা) মানি ইনম্মা, ঐ মোহিনীনি ।

রজনি—মোহিনী ! (অনিমক চংশিন্নহনা কোন্নবা, রূপবান পুমওক ওক্পা) মোহিনী, সিদা লেপলিবসি নন্না রূপবাননে ।

মোহিনী—অসিবু ! রূপ ! ইনেগী ইবুংঙো !

(চেনশিন্দুনা রূপবানবু কোনবা)ইনেবু খংজরবরা ? ইনেবু কাউরবরা ? ঐ নংগী ননে মোহিনীনে ।

রজনি—মোহিনী, ওসি নংবু উনবসিদি ইনম্মদি পুমওক ওকখরে মংলা তাইবংলা খংদ্রে ।

মোহিনী—চুম্মী ওকফম থোকই ইনম্মা; ইনম্মদা নত্তে ঐবু খংবা কনানা ওকলোইদবা স্নাওবগে ? ঐ অসিবু সংসার অসিদা লৈত্রে হায়না মী পুন্নমক্পা লৌনশ্ববনি । চহি কুন-

মুকসি ঐ হিংচনা লৈরি হায়বসি কনামতা থংখিজরবনি।

রজনি—চুম্মী নহাক শিগ্রে হায়বসি মী পুন্নমক অপুকী মতিক থাজখি,. মচুদি নংগী অশিবা নশাবু তুরেন্দা তাউথরকই হায়নঞ্জবনি।

রূপবান—মচুদি ইমা. police কী investigation শোয়বনা খিজিনবা রাংপনা থোকখ্রিবনি। মতম অচুদা কনাগুম্বী তুপী অমগী অশিবঃ মশা তাওথরকপদা লাম্ন লৌথিবননি। অশিগুবা ওম্ন তৈনবাসি য়াম্না থোকল্লি।

মোহিনী—চুম্মী, ইয়ানা হায়বা।

রজনি—অমুক কুইবা মতম অসি নহাক্কি মতৌ করম্না অসিদা ?

মোহিনী—ইমিং রোহিনী হায়না ওঙোঙ্গুনা তাদ চন্দ্রকাসকী মপান্দগী লম অসিগী স্কুল অমগী ওধা ওইচুনা পুন্সি অসি লেম্লকপনি। ইনম্মা, ঐনা য়ুম থাদোঙ্গুন. লাকপা মতুং মুমিং ৩। ৪ নি লৈরগা তামো লৈখিদবগী ই-পাও ঐ লোয়না তাই, অচুবু মতম অচুদা তামোগী কর্ম্মন-চিংবা য়াওরবগী ঐগী পাঙ্গল লৈখিদ্রে।

রজনি—মতম অচুদা নংগী তামোম্ন কম্না ওমদচুনা লৈবনিনা নংগী অশিবা মশা তুরেলদা তাওথরক্লে হায়বা পাও অচু ফংবদগী নংগী তামোদো পাথংচুনা অচুম ......।

মোহিনী—তোকলো ইনম্মা মথা তারগচু ; ঐনা তামোবু সং-সার থাদোকহনখিবা তাথরে। রা অচু তাবদা ঐগী থম্মোই অসি পুবা য়ারকতরে। [কপ্পা]

রূপবান—ইনে, হৌঙ্রবগীদমক্ত হৌজিকপু অমুক কপন্থনা য়াক-
ছুনা করি কান্নগদগে ?

মোহিনী—ইনম্মা! রূপগদি অসিদা লাকপদি করি মরমনো ?

(মতম অসিদা চন্দ্রহাস থোরকই)

চন্দ্রহাস—ইতৈবেম্মা ।

রজনি—চন্দ্রহাস, ইবুংঙো !

চন্দ্রহাস—করি থবকনো ?

রজনি—নত্তে চন্দ্রহাস, নংগীদা মোহিনী লৈ হায়বা নংনা ঐখোয়দা
থংহল্লক্কবা করিগীনো ?

চন্দ্রহাস—চুম্মী ইতৈবেম্মা মদো ঐগী য়াম্না চাউত্রবা ইরাজ অমনি ।
অদুবু মোহিনীনা হায়বা মতুং ইন্না মহাক্কী মতৌ য়েংবা
ওমদহনা চহি ২০ মুকসি ঐনা মাবু থুপত্নুনা থম্মকপনি ।
অদুবু ওসিদি উগরেদনা। নত্তে, ইবুংঙোসিদা কনানো ?

রজনি—ঐগী ইচানি ।

চন্দ্রহাস—অসিবু ! থপ শাক্তনা চেনহৌবহুব ?

রজনি—মতগীদি নং ঐ হক্তুরবসিদি ।

চন্দ্রহাস—হোয়নে চুম্মীনে। নত্তে, ইতৈবেম্মাখোয়না ঐগীদা
লেংওকপবু … ?

রজনি—নচা অসি নখোয় খাইগী [illegible] অমগী ওকা ওইগদৌরি ।

মোহিনী—ওঝা! ।

রজনি—মখোয়গী স্কুল অদুগী সেক্রেটরীনা মহাক্কী লৈকম চাকম
থৌরাং তৌজিগৈঙদা নহাক্কীসিদা তয়ানি মতানিদং লৈগে
হায়হনা . . . . ।

চন্দ্রহাস—মহ্ ওইরবদি তরানি মঙানিদা নত্তে, লৈবীনিংবা মথৈ লৈবীয়্ কৈদৌবগে। ঐনা ঙমজবা সেবা তৌজগনি।

মোহিনী—রূপ, করি স্কুলগী ওঝা ওইগদৌরিবনো ?

রূপবান—ইনে; জামিনী জুনিয়র গার্লস হায়স্কুল হায়মাল্লে।

মোহিনী—অদুদি ঐনা ওঝা ওইরিবা স্কুল অদুনি; নত্তে রূপ নহাক B. A. পাশ তৌরবরা ?

রূপবান—হন্দক্কী চহিদা তৌবনি ইনে।

মোহিনী—মথা তমথবা রাত্রা ? নংগী কাকা ঐথোয়গী তামোচানা নংবু মথা তমথহন্দ্রবরা ?

রজনি—মাগী কাকানদি মথা তমথখো হায়বনি। অদুদা ইনম্মনা নংগী তামোচাদা অসুম ওং নৈদুনা লৈবদু ইমুংদুদা নয়া অমসুং ঐগী মাই অসি থক্ষ্ম লৈরকতরে অদুনা—।

মোহিনী—খংলে ইনম্মানা খজিকতং তাকপিবদা ঐনা লোইনা ভাব তারে। ইনম্মা সরোজিনীগী ব্যবাহার খাংবা ঙম-দহুনা লাকপনি হায়বা। হৌজিক্তি মনে ঐ উনরবনিনা ইয়াবু করিগী বি, এ, ফাওবা তম্লগা তৌরদগে। করিগী স্কুল ওঝা ওইদুনা পুন্সি লেনগনি। মহাক্না তমনিংবা M. A. খংদে/ B. L. খংদে তমনিংবা অদু ঐনা তমহনগনি।

রজনি—অদুবু কদাইদগী শেলনো।

মোহিনী—শেলগীদমক করিমত্তা খনবিরুগদু ঐনা চহি কুনমুক ওঝা ওইদুনা তাল্লকপা শেল অসিবু করিদা শিজিন্নগদগে ?

ইয়াগী মহৈ তম্বদা লোইনা শিজিন্নগনি। ঐনা ইয়াগী মহৈ তম্বদা ঐগী লৈজবা পুন্নমক লানুংথোক্নুনা লৈথিত্র বা তামোগী লমন শিংবা শকচগে। লৈজবা ঐগী ইরলনা ওকত্রবসু ইশা মীনাই ওইহুনা ইয়াগী মতেং পাংগনি।

চন্দ্রহাস--অহুগী মথক্তা ঐ লৈরিব সিদি। ইচাগীদমক্তদি ঐসু ওম- জবা মতেং পাংবা য়াইনা।

মূজনি – চন্দ্রহাস!

মোহিনী – রূপ, ইনেনা হায়রিবসিনি নং ওবা ওইবা য়াদে, নং নহৈ মথা তমথখিগদবনি। য়ামত্রবদা নং M. A. L. L. B. ওইগদবনি।

রূপবান—অহুবু ইনে মহু কাওবা তম্বগী----।

মোহিনী – মহুগী ভার ননে ঐ লৈরি।

রূপবান –(হন্নাওনা) ইনে।

(মোহিনীগী মখোং পায়হুনা থুরুবা

বিশ্রাম

অনিশুবা শরুক

১ বাউৎপা

ব্রজমনি ডাক্তরনা লৈরম্বা যুম।

(যুমগী মাঙল অমসুং দারিগী শরুক উহিং মী লৈনদবগী হৌনবা শুমাংনচিংবা ইংখোলগী অকোয়বদ ইশুক্ শুকই; শ্যামা না মাং থাদুনা সত্যবান অমসুং নিপা অমগা চংশুকই; সত্যসান অমসুং নিপাদ নেশানা খর খর হায়রে।)

শ্যামা – যুম অসিবু কনানা লৈরম্বনো?

সত্যবান—ইমাপোকপা ইধৌ ব্রজমনি ডাক্তর হায়বদুনা লৈরম্বনি হৌজিক্তি ঐগী ওইরে। অদুগা নংগীনিসু হায়বা য়ারে।

শ্যামা – করিনো নংনা হায়রিবদো?

সত্যবান—অচুম্বা হায়বনি শ্যামা দেবী।

(নেশাগী মৈচাক থাংবা ওম্মকতবা খোনখোক কাইরকপা মশা খর খর হাউরকপা)

শ্যামা—যু থরুবরা?

সত্যবান—ঐ যু থকই হায়বসি ওসিদা খংজিবরা? হা... হা...হা....হা, ঐদি যু হায়বসে চাক্না তোংতুনা চারিবনি। (শ্যামা কিদুনা চেনগে তৌবা; সত্যবানগা নিপাদুগনা চুরি উৎতুনা তুং মাং থৎপা) হা ..হা ... হা, ঐখোয়গী খুংগগী নানখোরুপদি রাগনি।

নিপা – অদুগা লাও-খোংগে নিংলবদি পাম্মুরবা পূজি অদু পাম্মু পাম্মু লোইগনি।

সত্যবান—[illegible] হিংচাবা নত্তে কিবনু তৌগনু। রাণী বা নিংথিনা

ঙাংনসি। থরাইগী থরাই ওইরিবী নহাক্পু ঙং নৈবদি লাইদনা হুংশিংনা ফাওবা নংবু কন্না য়ৈহন্নিংদে।

নিপা—করি কানগদগে য়াকোই শুরুহুনা হায়গদবা মদো দোং দোং হেক্কা হায়দোকউবা।

সত্যবান—হায়গনি ভাই, য়েংঙোই শ্যামা, নংগা ঐগা লুহোংবগী য়াকম অসি নংনা নোংমগী নোংমগী অসুম অসুম য়ৈথোরকপনা চহি তরুক হোৎখ্রেদো অহুগা ঐ অসিবু নংনা হুংশিদে হায়বসি ঐনা তশেংনা থংলে। অহুনা নং ঐ লুহোংবসি ওইররোই হায়বা থংলংনা ঙসি নংবু ঐনা···

শ্যামা—অহুগীদমক্তরা। কায় য়েড়া তৌরে হায়শিন্নহুনা ঐবু মী নৈনদবা য়ুম অসিদা পুশিল্লক্লিবা সে! চোপনিংঙ্গবদি থাদোকউ ঐ শিবা কিবা মী নত্তে।

সত্যবান—ঐসু মহু থংনা থংনা ঐগী অনিংবা অসি পাংথোক্লগে হায়হুনা থবক পাইথৎলবনি। শ্যামা; ঐসু নংগীদমক চোক্লা কিবা মী নত্তে। ঙসিদগী হৌনা নং অসি ঐগী ওইবগে হায়না লেপখ্রে।

শ্যামা—মহুরা তাও, থরাই য়াওদবা হকচাংদি নংগী ওইখিরা য়াই অদুগা থরাই য়াওবা হকচাংদি নংগী ওইবদি হন্দকী মপোক্তদি ওইথোকরোই।

সত্যবান—মহুনা নংগী অরেপ্পা ওইরগরা?

শ্যামা—হুপীমক ওইরবসু ঐদি মা চপং, চপং ঙাংবা মী নত্তে।

সত্যবান—তৌমুদা শ্যামা, নথোয়গী ইমাগা ঐথোয়গী ইমাগসু

য়াম্নরিবনি। বেড়া শেক্তা ভৌদনা ইঞ্চঞ্চ-জনা ঐনা হায়রবা। নহাক্না ইনবা কৈ।

শ্যামা—ঐখোয়গী ইমানা ঐবু কৈ· কৈশুম্না মহাক্না পিনিংবা মফমদা পিবা ওমদে হায়বসি নখোইগী ইমানা খংদমাল্লে !

সত্যবান—হ–হ–হ—,অচুক য়াম্না নাপল তৌবা। কৈ অত্ত ওইরদি, নং অসিবু ঐগী ওইগে হায়না লেপল্লবসিদা ঐগী অনিংবনা কায়বা তারবস্থ নংগা ঐগী থবাইগা শিম্ন রমগনি, মহু ফাওবদা নিংহম্নরোইদবা ঐনি। (নিপাদ্‌া) ভ ই, চৎলু, গাড়ী start তৌনবা তৌরম্মো—পুম্সিসিমগী কনা থঙোই উইরোইদবা মফমদা ঐনা ষাবু পুহনা চৎকনি। চৎলু ভাই।

নিপা—করে ভাঈ। (থোকখিবা)

শ্যামা—তৌহু, মহু কি শেতবা চাওখৎতবগী থবকনি। মহুনা নঙোম্না ওইজবা কাম্নবা ফংলোই।

সত্যবান—কায়বা কায়দবগী য়াদি থোংলগা থংগনি। চংশিল্লুরবনিনা হল্লোকপদি য়াক্রে। ইরেননা ঐগী মাং থাদুনা চৎলু।

শ্যামা—ঐ চৎলোই।

সত্যবান—চৎলোইদরা ?

শ্যামা—নংনা হায়রগা ঐনা হেক্তা চৎকদরা ?

সত্যবান—(ছুরি উৎতুনা চংশিল্লকপা) লাও থোংগে লিংগহু, নং অসিবু ওসি ঈখুৎতগী নানথোকখিবা তারবদি নংবু সংসার আসিদদি থনমূলরোইদবনি। লাও চৎশি লাও।

(চংশিন্দুনা শ্যামাগী খুজেং পাইগে ভৌবা, শ্যামানা হন্দোকপা—; মতম অসিদা বিধু হো হো চেনশিল-লকপা)

বিধু—সত্যবান—! (চেনশিল্লকুনা সত্যবানগা শ্যামাগগী মরক্তা লেপ্পা) করিনো ইবুঙো মাংলে মাংলে!

সত্যাবান-ইপু, ঐগী লম্বীদা অপনবা ওইগনু; চংলো মকম অসিদগী থুনা চংথো।

বিধু—নত্তে, ইবুংঙো ইপুনা হায়বা ইমু নহাক নেশগী মরাইনা থুমচংখিদুনা অক-ফত্তগী ব্রাখল কাওথ্রমান্নে; নহাকনা ভসি ভৌরিবসি চুমদে. ফুপীমচা শ্যামা অসে অত্তৈ অভোপ্পা নত্তে ইমুং মনুংগুম্বনি।

সত্যবান—ইপু, ইমুং-মচুং ওইরমুরদি হসি ওইরিবা খিতম ভসি ওইরমলোইদবনি। মহাক্না ইমুং-মনুং ওইশি য়াদবনা ভসি ঐনা শাগী লিচৎ চংলমলিবনি। নত্তে, ইপুনা অসিদা লাক্লিবসিবু কনানা হায়দুনা ভাহনা লাক্লিবনে ?

বিধু—কনানসু হাযদে ইপুনা অসুম থবক অমা চংলুবদগী থোং-গাল মরাদা কার থাব উবহুদা চংঙকপনি অদুগা নেশাদা তউরবা নিপা অমনসু নংগী থোরাং অসি ঐঙোন্দা লোয়না হায়রম্বদগী লম্বী চৎপা মী অমদসু পাবুংগী নাকোং য়োনবা পাও চেনথ্রবনি।

সত্যবান—(শাওনা) করি হায়বা ইপু, পাবুংগী নাকোং য়োনবা পাউ চেনখরে হায়বা! হমুবা নংগী করি নখো নৈহুনা

পাবুংদা তাকল্লিবনো ? ঐগী মাংদগী হন্দোকউ ঐঙোন্দা অপনবা ওইগনু, হন্দোকউ ।

বিধু—নত্তে, নত্তে সত্যবান, নংনা ঙসি পাংথোক্কে নিংলিবা থৌদোক অসে পাবুং অমম্মুং ইমাগী মাই য়াম্না থুরগনি ! শ্যাম অসে অতৈ অচম্বা মচা নত্তে, নংগী খুড়াইবুঙো কুমার পোলিশ ইন্সপেক্টরনা পোকপনি ।

সত্যবান—পোলিশ পল্লগা নাচুংগদবোই নিংবরা ? মতু থংনা থংনা শ্যামবু ঐনা ঐগী ওইপে তাল্লম্লিবনি । হন্দোকউনে ইপু ।

বিধু—অতুবু অহল লমনগী মাই থুবা থবক শা-ঙাগী লিংচৎ অসি চৎত্রবসু ইমাগা শ্যামাগী ইমাগা হায়না শিংনত্না লৈরিবসিদি ।

সত্যবান—হায়ন শিংনবা ! হা…হা…হা, হায়নৈ শিংনৈ হায়ত্না শিরগা লাই প্রসাদ থুনবগী ফিভম তাররবদা কনাগী থক্ষোয়না পেনগদৌরিবনে ? চহি কয়া হৌখ্রে থৌরাংবা অসি কনানা থাংত্না লৈবা ঙমগনি । কায়দে ইপু, ঐবু মতম মাংহনগনু, শে হন্দোকউ শে । (বিধুনা খুদাং পায়ত্না চিংথোকপা বিধু তুবা) ইপুসু অরাবা কংনিংত্রবদি মকম অসিদগী থুনা চৎপ্রো ।

বিধু—সত্যবান, নংগী অসিগুম্বা ফিভম অসিদা মীগী মচা লৈশাবী অমবু থনমনে হায়রগা ইপুনা চৎপদি ইপুগী থরাই লৈরিবমথেদি ওইথোক্কে ।

সত্যবান—করি ইপু।

শ্যামা—ইপু, নঙুবু থাদোক্লুনা চৎপিখিন্‌হু।

সত্যবান—হা—হা—হা—, অমুকচাবা ইনশাংনা ফুংদাংদা কাঙ-
রবা মখাং কোল্লবা হন্নবা অসিনা ঐগী ইথুৎতগী নংবু
কনবা ঙমগদরা? ইপু, থুৎ খোক্লম্ভিদ্রবদা ইরেননা
চৎখো ঐগী পল ওইগে নিংগনু কাওশিং তাত্নুনা তোকনি।
লাও শ্যামা চৎশি লাও (শ্যামাগী খুজেং পাইবা
বিধুনা হোৎচিল্লক্লুনা সত্যবানগী মথুং পায়রগা)

বিধু—নত্তে, নত্তে সত্যবান, ইপুনা হায়রবসি অমুক্তা ইল্লুনে।
নং অসে ইপুগী ইনমদা চাউরকপা নৎত্রা? ফুংদা
খোকলকদোবা অরাবা খুদোংথিবা পুন্নমক অত্থু উত্থনা
নংনা নিংঙকপদা পল ওইরবনি। নং ইপুনা হায়রবসি
অমুক্তদি ইল্লুবা সত্যবান।

সত্যবান—কাম্নদবদা ঐবু মতম য়াম্না মাংহনখ্রেদা, মীনা চৎখ্রো
হায়রবমক্তদা (খোংপাক্না বিধুবু কাওবা)

বিধু—ফরে, অত্থুদি নপু ঐসু ফুগীমচা অমগী ইজৎ ইকাই খুম্নবা
ঙাক্লনবগীদমক থরাইনা লৈরিবনখৈদি নংগী নখুত্তা শ্যামাবু
থনমহনা চৎপদি চৎলরোই। শ্যামা, ইপুনা হিংলিঙৈদা
নংগী ফুগী ওইবগী ইজৎ মাংহল্লোই।

সত্যবান—খে-রা, নংনা ঙম্মগা ঐবু অত্থক থিংঙু।
(শ্যামাদা) চৎলু। (থুদাং পাল্লহনা চিংবা)

শ্যামা—ইপু! ইপু!

বিধু—সত্যবান [illegible] থাদোকউ। (চংখিনবা)

সত্যবান—চংঙকনু, চংচকনু হায়ব্রিবসিনি। মসে নথৌ লৈতে অতাতাইনি।

বিধু—ঐনা থাদোকই হায়ব্রিবসিনি।

(বিধুনা শ্যামাবু কন্নবা হোৎনব। বিধুগা সত্যবানগা থুং পাইনহুনা শ্যামাবু মুন্নবা শ্যামা নানথোক্লুনা মচি অমদা লেপ্পা)

সত্যবান—নথৌ নংতনা নথৌ শারবা অহল নং ঙসি (ছুরিনা শিনা হৌরগা বিধুগা সত্যবানগা ছুরি মুন্নবদা বিধুগী থক্তিনদা ছুরিনা থিনখিহুনা বিধু লোংনা তাবা মৈচাক থাংবা) কমদৌই হনুবা, কান্নদবদা অরাবা নংলেদো।

শ্যামা—ইপু (চংশিন্দুনা বিধুবু কোনখৎপা) ইপু, ঐগী মরমগী দমক্তা ইপু নংনা .... (কপ্পা)

বিধু—শ্যা— মা—পাপি অসিগী চুমদবা শাক্তং অসিগীদমক্তা মরাইনা ইশ্বরনা মাগী মতিক চাবা দণ্ড পি—জ-গ-নি (শিবা)

শ্যামা—ইপু (কপ্পা)

সত্যবান—[শ্যামাগী থুক্তেং পারহুনা চিংথৎলগা) চৎতুম চৎলু।

শ্যামা—ঐবু থাদোকউ। ঐবু থরাই য়াওনা পুবদি ওইথোকলোই।

বসন্ত—(মপান্দগী) সত্যবান! সত্যবান্

সত্যবান—পাবুং নংত্রা ? (শ্যামাবু থাদোক্লগা) কৈ ঙসিদি নং নানথোকহৌরো মতুং থুদোং চাবা লাকখিনিদনা।

সরোজিনী—(মপাল্লগী) সত্যবান ! সত্যবান !

সত্যবান—ইমা নংত্রা ? করেমদা চৎকনি।

(কোয়েং য়েংলগা নাকল অমরোমদা চেনখিবা, নাকল অমরোমদগী বসন্ত সরোজিনী চংঙকপা।)

শ্যামা—(বসন্তদা হোৎচিন্দুন) কাকা।

বসন্ত—সত্যবান, কদোমদা চৎখরে ?

শ্যামা—সোমদা চেনখ্রে।

সরোজিনী—শ্যামা, ইবেম্ম, মওং মতৌ করম্না সত্যবাননা নংবু মকম অসিদা ...।

শ্যামা—ইন্দে লবেম্ম, ঐনা কোলেজদগী কুম্‌কুম্‌দা নোং জুংলিং কন্না তৌরকপত্বদ সত্যবাননা ঐবু য়ুম ফাওবা লিনবিরমগে হায়। ঐনু ইচম চম্ন য়ারুরে অদুবু কৈ কিহুনা চেল্লগা শওম ওকনৈ হায়বদু থোকখরে। অদুবু কাকা ঐগী মরমগীদমক ইপু বিধু—।

বসন্ত—বিধু করি তৌরবা ?

শ্যামা—অসিদা ঈনা পুমঙাং ঙাংহুন তুরিবা অসিনি।

বসন্ত—করি হায়বা ? (বিধুগী মনাক্তা চংশিন্দুনা য়েংবা সরোজিনী চংশিন্দুনা য়েংবা) সরো, থুড়া বিধু সংসারসিদা লৈত্রে।

সরোজিনী—(থুংশা খিনা কপনিং কপনিং তৌহুনা) থুডাবু লৈত্রে হায়বা।

বসন্ত — শ্যামা খুড় বিধুদি মতৌ করম শিরিংনো ?

শ্যামা — সত্যবাননা হাংপনি ।

সরোজিনী — সত্যবাম্না !

বসন্ত — সত্যবাননা ! (শুংঙাইতবা মীনোক নোক্রগা) হা — হা হা, হে ঈশ্বর, অসরা ইচানিপা পোকচবগী শুংঙাইবা হায়রবদো !

সরোজিনী — ইবুংঙো, সত্যবাননদি করম তৌনি ?

বসন্ত — মী অমা হাৎলুব্রবদি করি ওইরম থোকই হায়বদু নংসু খংলিবনি । পুলিসনা মাবু ফাগনি, বিচার তৌগনি, দণ্ড পিগনি ।

সরোজিনী — করি দণ্ড ?

বসন্ত — ফাঁসি !

সরোজিনী — নত্তে, নত্তে মন্ত ওইবা য়ারোই ! (মপান্দা "করি তৌনরবগে" হায়দুনা মীনিন তারকপা)

শ্যামা, ইবেম্মা, (শ্যামাগী মথোং পায়দুনা) ইন্দোলনা নথোং পায়দুনা হায়জরিবা র' অসে নং কনাদসু হায়দোক কনু ।

শ্যামা — (সরোবু কোনখৎলগা) নত্তে নত্তে ইন্দোলবেম্মা…

সরোজিনী — শ্যামা, নংনা রাসে হায়দোক্রবদি নহাকীসু বদনাম ওইগনি ।

শ্যামা — বদনাম ! অদুবু ইন্দালবেম্মা ঐনা হায়দোকত্রবস্থ মীনা কিতৌ কৌরগদবা হোক্তা ডাইরে ।

সরোজিনী—নহাক্ত হায়দোকন্সু নংগীসু বদমান লৈতনবা চৎলে। নং মকম অসিদগী থুনা চৎত্রো।

শামা—কাকা ঐ চৎলে (ফিংনা চৎথিবা মপালদা কনা করি তৌরবগে হায়বা মীনিন নকৃশিল্লকপা)

সরোজিনী—ইবুংঙো করি উপাই লৈরিবগে, মীনা ফিভো ফৌরবা তারে। সত্যবানবু মীহাৎপা তাদনবা রাখল অমতদি তৌবিয়ু।

বসন্ত—সত্যবানবু মীহাৎপা তদনবা!

সরোজিনী—মানি ইবুংঙো।

বসন্ত—সরো, নচানিপা কায়নবা পাম্বরা নপুরোইবা ঐ কায়নবা পাম্বরা অনিগী মরক্তা অপাম্বা অমা থল্লু।

সরোজিনী—করি হায়বা! ইচা কায়নবা নংত্রপা ইপুরোইবা কায়নবা। (মপান্দগী "মী অমা শিরে" হায়না লাউনরকপা)

বসন্ত—মানি।

সরোজিনী—মতুগী পাউথুম অতুদি ননাই সুপী ওইবী ঐনা কয়ম্না পীবা ওমগনি। মহুদি ঐঙোন্দদি নুং অনিগী মরক্তা হা ওইবগুম থোকলেনা। ঐনা পামজবদি লিনসু শিদনবা চৈশুম্নু তেকতনবা।

বসন্ত—মতুদি য়াররোই। নহাক অনিগীমরক্তা অমদি কায়বা তারে।

সরোজিনী—অহুদি ইবুংঙো, কনাবু ঐনা কায়নবা পামগনি, কনাবু ঐনা কায়নবা পামগনি। নত্তে কনামতা ঐ —

ঐমক্তু মীহাৎপগী দগুি অসি লৌজরগে। ঐনা হাৎপনি হায়গনি ইবুঙোস্নু চৎপিয়ো। মচাগীদমক্তা মমানা মহুৎ শিনবদা করি রানিংঙাই লৈগনি।

বসন্ত—নত্তে নত্তে সরো, মহু অঙাওবীগী .চাইরোলনি; ঐদি অহল মতমস্নু ওইরবনি, মপা ঐনা মাগী মহুৎ শিনগনি।

সরোজিনী—ইবুংঙো!

বসন্ত—নগা কায়নববুদি নপুরোইবা কায়নবনা নঙোন্দা অরাবগী চাং থর তাগনি। মমা ওইবগী মথাদা নচবু ঈশ্বরনা মুনথিবদি মুনথিবনি মহু নৎতনদি মমানা মচা কায়নবা ঙমলোই।

সরোজিনী—ইবুঙো।

বসন্ত—সরো, নচা কায়নবগী অরাবা মৈচাক পুতুনা নংনা লৈবহু ঐনা য়েংহনা লৈবা ঙমলোই।

(সরো হিক্ক হিক্ক কপ্পা)

কপকনু, মসে সন্ধ্যারানগী মরাল নত্তে মমা মপা ওইরিবা ইবানিগী ইরাল নি। নচাবু রকপা ঙমদবা নচাবু হুং-শিবনা হেনথিবা মমা মপা ওইবগী ফংফম থোকপা দগুনি।

(মতম অসিদা "বাবু সোমদনি" হায়না লাউনরকপা কুমার I. P; cons. অমস্নুং মী অমা অনি চংলকপা)

কুমার—বসন্তবাবু!

বসন্ত—কুমারবাবু! ঙকপিগনু। ঐনা হাৎপনি, মী হাৎপদো ঐনি।

সরোজিনী – ইবুঙো !

বসন্ত – সরো !

(কুমারগী ইংগীত মতুংইন্না সিফাইনা বসন্তবু গার্ড তৌবা কুমারনা বিধুগী অশিবা মশা অত্তু য়েংবা লাইরিক লাইশু ইবা)

কুমার—বসন্তবাবু, কব্রি মরমগী ?

বসন্ত – কুমার মরম অত্তু Police Station যৌরগা হায়জগে ।

অসিমত্তা থংবিয়ু ঐ মী হাৎপনি মী হাৎপবু ফাহনা পুবীয়ু ।

কুমার – অত্তুদি বারৌবা যাদ duty গী মথৌ পোনবনি ।

(কুমারগী ইংগীতনা সিফাইনা বসন্তবু হাটকোরা চনবা)

সরোজিনী – ইবুঙো (কপ্পা) ।

লাইট

---

২ স্থুবা উৎপা

চন্দ্রহাসকী য়ুম; মাঙোল ।

[মোহিনী কক্ অমদা ফব্লহনা লাইরিক ইহনা লৈরম্মা রজনিনা ইনশাং নাপি[illegible]দুনা লৈরম্মী]

রজনি—মোহিনী ।

মোহিনী—ইনমা ।

রজনি—হায়রিবা রা অসিবু অচুম্বা ওইরিগত্রা ?

মোহিনী—অচুম্বা হায়ববু লৈবাক্লা বা রা লাওনরেদনা । ইনম্মা

ঐগী রাখলদদি তামোমক্না মতুগুম্বা থবক তৌরমগনি হায়বসি থাজবা রাংলি

রজনি—অদুনি ইনম্মনা থল্লিবস্থ; নংগী তামোচামক্না মতুগুম্ব শা ভাগী শাজং চংলমগনি হায়বসি থাজবা রাংলি।

মোহিনী—অদুবু ইনম্মা, ঐঃখোয়না থ জাদ হায়দুনস্থ মীকাংপনি হায়দুনা তামোচাবু ফাগ্রবনিনা বা অমদি লৈরমগনি।

রজনি—অদুবু অমুক্তং চংদুনা হংবনা ফরিবরা?

মোহিনী - হোই ইনম্ম'; চংলুবনদি থগনি নংত্রবদি মীগী মমাংদা ফজদবা অমা লাকনি।

রজনি—নংদি?

মোহিনী—নত্তে, ইনম্মা ঐদি চংলোই; ইনম্মনস্থ ঐগী রা অসে কনাদম্ব কোংদোকপিরুগন্থ।

রজনি—মদুনা করি নংগী অনিংবনে?

মোহিনী—ঐগী করিস্থ অম্নিংবা লৈতে। ঐ অসি সংসার অসিদা হিংদুনা লৈরি হায়বসি কনাগুম্বা মী অমত্তা থংহনবা পামজ্রে। ইনম্মা, সংসার অসিদা ঐগী অপাম্বস্থ লৈত্রে পেন্দযম্ব লৈত্রে ঐগী কত্রবা পুন্সি অম্রিম্বা ইয়া রূপবু মহৈ মথা থরদং তমহনবা ঙমলিবা অসিনা অফবা থর-দংদি তৌরমলে হায়বা অসিদা মুত্তাইবা ঙমলি।

রজনি—নয়া রূপনা লো পাশ ভৌজরিবসি নংগী নপালননি মতু-গীদম্ক ইনম্মানা নংগী নকমদা পুন্সিগী লমন তোল্লবনি।

মোহিনী—মচুগীদমক্তা/করিগী লমননো ইনম্মা করিমত্তা থনবিরুগন্নু ।

(রূপবান উকিলগী ফিজেৎতা চংলকই)

রজনি—ইবুঙো ।

রূপবান—ইমা ।

রজনি—নংগী কাকাগী করি পাউ তারকই ? নঙোনচাখোয় উনরকপরা

রূপবান—ইমা, থবক চিনমনখ্রুনা ঐ চংঙকপা ঙম্মকতরে । হয়েং শোইদনা চংঙরগে ।

রজনি—ওম্মোকপনিদা, নং অসি ওম্মোক্না পাংথোক্চামখ্রেদা ।

রূপবান—পাংথোকচাবগী রা নাত্তনে ইমা থবকনা ওহাক হায়দোক লুবা ঙমদহনা তৌরনি । কাকাগী বিচারস্সু মরৌ তারিমাল্লে ।

রজনি—ওসি মঙানি রায়লিবা ?

রূপবান—হোই । ইমা, হন্দকী থবক অসি কাকানা তৌরমগনি হায়বসি ঐদি ওম্মোক্না থাজখিদ্রেদা । (হুংশাসর মপি শাংনা হোন্দোক্লা) ঐঙোনদদি মংঙবনা থোকই ।

রজনি—নখোয় ঐখোয়দদি মংগুম্না থোক্রবস্সু মী পুম্নমকী মকমদদি তাইবংদা থোকখ্রেনে ইবুঙো । নংগী কাকাগীদমক্তনি নং ঐগীদি করিস্থ থম্নকম লৈতে; ঙমখিত্রবদি ঙমখিদ্রে

ওয়্নবদি নখয়াই থুবাক্তা হাপত্তুনা নংগী কাকাবু কয়্নবা হোৎনগদবনি ।

রূপবান—ইমা হন্দকী মফম অসিদা কাকাগী লমন শিংবা ওয়্নবা ঈশ্বরদা কয়া খুরম্মু ।

রজনি—মতুত্তনি ইমাগী লাইনিংসু ।

রূপবান—হয়েং অসি ইন্দোমচাখোম উনরগা ঈ'প'ও পুয়্মক তয়্রগে ।

মোহিনী—ইনম্মাসু চৎকনি হায়বনি ।

রূপবান—ইমাখোয়না চৎপগী কন্নিসু কানদে; ইমাখোয় ইনেখোয়দি কাকাগী মঙ্গল ওইনবা ঈশ্বর কয়া নিংবিয়ু, পুয়্মক মাগী মথুত্তনি ।

লাইট

———

৩ শুবা উৎপা

বসন্তগী যুম

[মী-পোং লাক্লগা কয়্নবা কা অহনি; সত্যবান মকোক মরু ইগাউ-চাউনা; চুরুপ থক্তুনা রাখল ত্তোরগা লৈরম্মী; অহদগী ফুক হৌগৎতুনা মথুৎতগী চুরুপ লংশেক্তুনা হংগৎহনদা চৎতুনা রাখল ত্তোহ্নুনা লৈরমই ;

সরোজিনী—সত্যবা ।

সত্যবান—ঐনা হাৎপনি হায়রেদনা থাং মুয়্নবদগী থিম্দুনা শিজবনি

হায়রেদনা। ঐগী রা তাদনা করিগী পাবুংনা মী হাৎপনি হায়তুনা চোংথোকলুরিবনো ? ঐন হাৎলগা ---।

সরোজিনী—তুম্মীন লৈয়ু খা রাংগী মী তানিনে। নংনা হায়রিবা রাতুদি হৌজিক খন্নবগী কান্নবা লৈত্রে হৌথরে হৌজিক খন্নগদবদি নংগী পাবুংবু কন্নবা হোৎনগদবনি। কনা উকিল তান্নরুশি হায়বগে কনাদা চংজশি হায়বগে ?

সত্যবান—ঐ খংদ্রে ঐ করিমত্তা খংদ্রে।

সরোজিনী—খংদবা য় বরনে নহাক্না কোয়চেন চেন্দুনা হোৎনবা নৎতনা নপাগীদমক্ত কনা লাক্তুনা চেনবীরগনি।

সত্যবান—ঐবু কদাইদা চৎলু হায়বগে, কনাগীদা চেল্লু হায়বগে, কনাগীদা চেল্লু হায়বগে; চৎলুরগে হায়গদবা হাইরো।

সরোজিনী—অদুবু তান্নসি হায়বনি।

সত্যবান—ঐগা তান্নবনদি ঐঙোন্দগী রাখল করিমত্তা থোক্লরোই কোক্ অসি মৈগুম্না শারে।

(মপাল রামদগী কুমার চংলকপা উহুনা) ইমা, খুরাই-বুঙো কুমারগা সিফাই অমা অনিগা লাক্লে)

সরোজিনী—হা।

সত্যবান—ঐ হংঙবা থোক্লবদি লৈতে হায়রু। (চংখিবা)

(কুমার অমসুং কালা Police কী ফিজেৎ শেৎতুনা চং-লকই)

সরোজিনী—করি থবক্তী ?

কুমার—করিগী ওইগদগে ? থোকজিবা থটনা অসিগী মরমদা

করি তান্নশিংগে হায়রুনা লাকচরিবনি।

সরোজিনী — ও! (সুংশাশ্বর মপি শাংনা হোন্দোক্লগা) চৌক্রি সোমদা লেংশিনবীয়ু।

কুমার — ফনি। (চেয়ার অমদা ফম্বা)

সরোজিনী — (কালাদা) ইবুঙো, ফম্মো।

কালা — য়াম্না নুংঙাইজরে।

কুমার — কলা কম্মুনে, কম্মুনে।

কালা — sir (য়াম্না ব্যবহার তৌনা চেয়ার অমা থর চিংথোক্লগা ফম্বা)

কুমার — বসন্তবাবুগী বিচারদি ওসি মরিনিদা ঙাইরে; কনাগা করি তানরিবা?

সরোজিনী — হুপী ঐনা করি খংগনি; অদোম খোইগা তান্নজবা নৎতনা কনাগা তান্নকগদগে।

কুমার — উকিল কনানা ……।

সরোজিনী — মহুগী খোরাংগা অমত্তা তৌজন্রি। সত্যবান! সত্যবান!

সত্যবান — (মহুংদগী) করি হায়বগে?

সরোজিনী — নংগী খুড়াইবুঙোখোই লেংঙক্লি। চা দো কপ অনি অহমদা থুনা শেম্মকউ।

কুমার — তৌবিরুম্মু, তৌবিরুম্মু ঐ হৌজিক্তা থক্চরকপদা ঙাইরি।

সরোজিনী — অহু ওইরবসু কানসি কৈদৌবগে। তাবিবরা সত্যবান ইমানা ক্যটলিদা ঈশিং থাংগৎতুনা থনম্বনি। থুনা

শেমকউ।

কুমার—করি করম তৌবদগী থংনচৈনহুনা থোকখিবা।

সরোজিনী—(খুক্ষম থংদবা) করি হায়বা ?

কুমার—করি য়াহৌদগী থোকখিবা ঘটনানো হায়জরিবা ?

সরোজিনী—করি য়াহৌদগীনো য়ায়বহুদি ঐদি অহুক মুন্নদি থংজহৌত্রে।

কুমার—অহুদি কেশ অসি ওয়নবদি উকিলগা করম হায়না তানগনি।

সরোজিনী—মহুদনিনে ঐনা কোক্ শাবিবসে করি উপাই লৈরিবগে ?

কুমার—করে, অহুদি ঐ য়া অমা হায়জগে মান তাবা নিপা নহা অমত্তুং জেলদা চৎলগা য়াম্না থুনা ওসিন্না হয়েংন্না বসন্তবাবুগা অমুক্তুং উনহন্দুনা য়ারি য়াত্তাই তৌহনবিরো।

সরোজিনী—হেক্তো উনবা য়াগত্রা ?

কুমার—উনত্রিৰৈগী মমাংদা জেলগী সুপারিনটেন্দেন্টকী হুকুম অমা হান্না লৌগদবনি।

সরোজিনী—য়াম্না ফনি মহু শোইদনা হোৎনজরগে।

কুমার—অহুবু উকিল অমবা অমদি তান্নবা দরকার ওইরে।

সরোজিনী—হৌজিকপু কনা উকিলনা ফরিবগে ?

কুমার—হৌজিকী মতমদদি উরিপোকতা লৈবা ব্রজেন হান্নবহুনা খ্বাইদগী কৈ হায়নৈ।

সরোজিনী—করে, মহাক অহুমক উনজরুরগে। (মতম অসিদা

সত্যবাননা চা কপ অনি পাইদুনা থোরকই; চা কপ অমা কুমারদা পিবা,) অমত্তুনা নংগী তাদ অসিদা পিয়ু (কালাদা চা কপ তমা পিবা)
তারিবরা সত্যবান !

সত্যবান—করি হায়বগে ?

সরোজিনী—নংগী খুড়াইবুঙোনা তাকপিরিবদি হৌজিকী মতমদা উকিলদি উরিপোকতা লৈবা ব্রজেন হায়বত্তুনা খ্বাইদগী কৈ হায়রি ।

সত্যবান—খুড়াইবুংঙোনা হায়বদি চুম্নমগনি । (চৎখিবা)

সরোজিনী—অদুদি হয়েং অসি অমুক্ত কোয়থোকপিরকথোনে ।

কুমার—লাকচগে । অদুগা ঐনা অসিদা লাকপসি কনাগুম্বদদি য়ারীগা তৌবিরগনু ।

সরোজিনী—থংজয়ে ! (মতম অসিদা রূপবান চংলকই] রূপ, নং লাকইবরা, লাউ লাউ কম্মু ।

রূপবান—ইন্দোমচা ! খুড়াইবুঙোস্নু লেংখিরক্লম্মী ।

কুমার—লাক্লম্মী ।

সরোজিনী—ময়াম চংত্তুনা কনবা অমুক্ত হোৎনবীয়ু । উকিল লেপ্লদা শেন চংবমথৈ চংজসনু । য়ুম ইংথোল লোইনা য়োনথোকনি ।

রূপবান—ইন্দোমচা করিগী য়ুম ইংথোল য়োম্বোকদগে ? কাকাশীদমক ঐ লৈরি । কেশ ঐনা লেপকনি ।

কুমার—হোয়নে; ইচাসু উকিলনিনা । অদুদি করিগী য়াকম লৈরি ।

রূপবান—অতুগী তামজগে হায়তনা লাকচরিবনি।

সরোজিনী—রূপ, ইমাগী ইবুংঙে' নংনা নংগী কাকাবু অমুক্ত কনু।

রূপবান—পুমমক ঈশ্বরগী মথুৎতদি লৈ হায়ববু, ইপোমচা করিমতা রাবিরুগনু। কাকাখোয় ইপোমচাখোয়না ঐবু মী ওইনবা শেম্বীরকপগী হৃদক্তী কেশ অসিদা ঐনা মায় পাকচবা ভুমবদি কাকাগী লমন শিংবা ওইজগে ঈশ্বর কম্না নিংবিয়ু [সরোদা থুরবা]

সরোজিনী—[হরাওনা] রূপ! [ময়ামমু হরাওবা]

লাইট

---

৪ শুবা উৎপা

ব্রজনীনা লৈরবা কা

[টেবিল মচা অমগীমথক্ত য়ু লিকলি অহাংবা অমসু লৈ; সত্যবান মকোক মরু ইকা কানা য়ু হৈ হৈহনা থক্লুনা লৈরম্মী]

সত্যবান—[য়ু খোবুম থম্না চিংহনা থক্লগা গ্লাস অদু টেবিলদা কোক্লাউনা থম্লগা অতাওবগী মীনোক নোকই] হা—হা হা—হা পাপনা অমনা ভোরগা মতুগী মহৈনা অমনা কংবা! হা—হা—হা—হা, [মতুদগী শক্কম হজিল্লগা

কপনিং কপনিং তৌদুনা] ঈ মতুমদগী চাউৎবা য়োকপিরক্লবা মচা ঐনা ওক্তবা থবক তৌরগা মচাশিংদা থনবদা চিনবান থক খা কাংদুনা লৈরক্লবা চিন্তাদনা মাগী ফিজেৎ ওইরক্লবা, ঐগী ইপানা ঙসি ঐগী ইহুৎতা জেলদা ইকায় ফিরুক থুমদুনা অন্না চৈথেং থাংদুনা লৈরী।

[মতম অসিদা সরোজিনী চংলকই] অদুগা ঐনা ----

অদুগা ঐনা অসিদা [অঙাওবগী মীনোক] হঃ—হা—হা

সরোজিনী—সত্যবান ! ইমাগী ইবুঙো !

সত্যবান—কনানো ? ইমা ! [হেংৎচিন্দুনা সরোজিনী মখাংদা কোল্লগা মশা হিকথদুনা কপতুনা]

ইমা, ঐনা ইপু বিধুবু হাংপনি ইপাপকীদমক্তা ইশানা প্রায়শ্চিৎ তৌগনি।

সরোজিনী—নত্তে নত্তে তুষ্মীন লৈয়ু সত্যবান। [সত্যবানগী মচিল অহু থুংনা (মেল্লগা) য়া অচ অনিরক হন্না পনগন্নু। য়া অহু কনাগুম্বনা তাগ্রবদি পুন্নমক ইনৌ নৌনা মথক মথা ওনখিবা তারে।

সত্যবান—মথক মথা ওনবা হায়বদি ঐনা পাবুংগী মচুৎ শিল্লুবা তারে অসি নৎত্রা ? মদুদা করি চিংনক্ষম লৈবগে ? মচাশিংদমক্তনি মপানা থরাইবু শাম্নপোৎকুম থম্দুনা অরাবা মায়রোং য়াব চল্লগা মপাবু কয়নবগীদমক মচানদি করিগীশিবা কিক্ষম পোকপগে ? অদুগীন্নু মথক্তা পাপনা ঐনা তৌরগা মধুপী মহৈনা ইপাবু কংহনবদি ঈশ্বরনা

কৈদৌঙৈদম্ব ঐবু ঙাকপিরোইনে ইমা, নোংমা নংত্রগা নোংমদি শোয়দনা কংলগদবা ঈশ্বরগী দণ্ড অদো নচা ঐনা ঙাইহনা লৈবা তারবনি ।

সরোজিনী—সত্যবান, ভুম্মীন লৈদ্রনে ইমাগী হৈবুংঙা; হোৎনরুবা পূন্নমক অয়েন্সদা উৎতা যী কৈবগুম থোকপা তারে । ইমাগী রাসি অমুক্তা ঙাথো । নহাক করিস্ন রারুরগম্ন নংগী পাবুং অদো ফাঁসিগী দণ্ডিদগী নানথোকলে । শুপ্নগী চহি মঙাদনি নংগী পাবুংনা জেলদা লৈগদবা ! নহাক রা অমত্তা ঙাংগম্ন ভুম্মীন লৈয়ু !

সত্যবান—ক ি হায়বা ইমা, পাবু[illegible]ফাঁসিগী দণ্ডিদগী নানথোক্লে হায়বা ?

সরোজিনী—নানথোকলে ।

সত্যবান—চহি মঙা জেলদা লৈবা ?

সরোজিনী—উম্, চহি মঙাতনি; করিস্ন থংহৌরোই ।

সত্যবান—যাং শাংপ্ররা ভুং তেল্লবা, লেমহৌবা পুন্সি থরম্ন ঈশ্বরগী নাম শোন্নুনা লেল্লগদবা অহল ওইরবা ইপানা ঐগী মরমগীদমক্তা চহি মঙা জেলদা লৈবা !

সরোজিনী—মহুগীদমক্তা নহাক করিমত্তা খন্নুরগম্ন ! মতম হায়বসি করিমত্তা থংহৌরোই উনা উনা অম্নুম হৌখিগদবনি । রা অসি নংগী নচিন্দগী অমুক কাংথোক্লগম্ন ।

সত্যবান—ইমা, নংনদি ঐগীদমক থন্নুনা হায়রিবা । অতুবু ইমা নচা ঐদি থন্নু থন্নুরগা থম্মোই অসি পুবা রায়কতয়ে

হৌজিক্তা নিংঙমদবা মৈনা চাক্লক্লেনে। মচা ঐনা খজিক্তং খেংনা হনজিল্লকপদা মচাগীদমক্তা য়াখিবনা তুম্বা হিপ্পা য়াদহনা অহিং মিশেন খাংহনা লৈরম্বা ইপানি ঐনা ওক্তবা থবক অমত্তং তৌরুবদা লবাই শাংত্নুনা কোক-লু ইচাউ চাউনা অঙাওবগী পান্দমগুম কোইচেন চেল্লরু বা ইপানা ঐগী ইয়ালগী দগি লোতুনা জেলদা চহি মঙা খাংবা অহুবু ঐনা করম্না য়েংহনা খাংহনা লৈগনি। নত্তে, ঐ ঙমলোই ঐগী ইয়ালগী দগি অদো ঐ ইশানা লোগনি।

সরোজিনী—স[illegible]! ইবুঙো, ইমানা হায়বা ইন্নুনে মচাগী অক [illegible]দমক্তুদি মমা মপা ওইবগী পুক্নিদা অল্লা অনা খিদবনি মচাগীদমক্তুদি থল্লাই কাওবা খাদোকপিবনি পাবুংনা নংগী নহুৎ শিন্দুনা জেলদা লৈখিবগীদমক নং কল্লিমত্তা খল্লু-গনু।

রূপবান—(মপান্দগী) খুড়াইবুঙো লেংশিনবিরকউ।

কুমার—(মপান্দগী) কনামত্তা উদববু …।

রূপবান—(মপান্দগী) লৈরমগনি, লেংশিনবিরকউ।

সরোজিনী—ভুম্মিন লৈবুকো সত্যবান; কনা কনানো লাক্লে।

(সরোনা মু লিকলিনচিংবা লোইশিনবা, কুমার, কালা, রূপবাননা মাং খাহনা চংঙকপা।)

রূপবান—চংঙক চংঙকুনা[illegible] দোলবেম্মাগা শ্যামাগা কদাইদা লৈহোরে।

কুমার—তুংদা লাকহৌরি ময়াইনা চংজরক্লগনি ।

সরোজিনী—লেংশিনবীয়ু ।

কুমার—ফনি; (চেয়ারদা ফম্বা)

রূপবান—(কালাদা) ফম্বীয়ু তাদ ।

কালা—য়ম্না ফনি: (চেয়ার অমা খর চিংথোক্লুনা ফম্বা)

সরোজিনী—ময়ামগী মতেংদগী অরাবা খরদং কোকপা অসি করিনা লমন শিংগনি ;

কুমার—ঐখোয়গী করি ইভেং য়াওগদগে ইচা রূপবানগী মপান্দগী ফিভম অসি তারক্লিবনি ।

সরোজিনী—রূপ, ইন্দোমচানা নংগী লমন পুস্নিগী তোল্লগদবনি ।

রূপবান—ইন্দোমচ: নচাদা অদুগুম্বা য়াহৈ তাকপিগম্মু; ঐনা করি ওমগদ.গ । পূম্নমক ঈশ্বরগী থৌজালনি । [সত্যবানদা] সত্যবান !

সত্যবান—দাদা ।

রূপবান—সত্যবান, ঈশ্বরগী থৌজাল খরদং য়াংথিবনা ইয়াম্বনা কাকাবু মপুংফানা অরাবদগী কনবা ওমখিব্রে; চহি ৫দি জেলদা লৈবা ঙাথরে । মহৃগীদমক্তা নং য়ুংঙাইতবা তৌরুরগম্ব ।

সত্যবান—চহি মঙা জেলদা ।

রূপবান—মানি চহি মঙাদনি ।

সত্যবান—দাদানা পাবুংবু কাঁসিগী দণ্ডিদগী কল্লে অদুগা পাবুংনা চহি মঙা জেলদা তাম্বিবা অরাকমদগী ননাও ঐনা কনগনি ।

সরোজিনী—(নুংশাখিনা) সত্যবান ! চৎলো নং ইমুংদা চংল্রো ।

[সরোজিনীগী মতৌ অত্থু উবদা কুমারনা বাখল ভোই]

নংগী অঙাওবগী চোইরোন অদো মফম অসিদা লোল্লগনু

সত্যবান—অঙাওবগী চোইরোন ! হা—হা·· হা··· ইমা অঙাওবদি অচুম্বতা ঙাংবনি অতুনা ঐদি অচুম্বতা হায়গনি।

সরোজিনী—সত্যবান !

সত্যবান—ঐনা পাবুংবু জেলদগী লোথোকনি ।

সরোজিনী—নং চৎখ্রে। হায়রিবসিনি— চৎলে: মফম অসিদগী ।

রূপবান—ইন্দোমচা,করিগীদমক সত্যবানবু ·ৎল্রো হায়হনা তান্নিবনো ? মহাক্ন পাবুংবু জেলদগী লোথোকনি হায়রিবসি ঙমত্রবা কাওবদা রা অত তাবদা ইন্দোমচাদি হুংঙাইফম থোকলিবনি। অতুগা ইন্দোমচাদি হুঙাইবগী মহুত্তা মী-পাইরি ।

কুমার—রূপ, ঐনা অস্তুম থনবদা উদ-থংদবগী মরুমদা মরম অমদি লোৎচুনা লৈয়ে হায়বসি খুড়ানা তশেংনা থংলে।

সরোজিনী—মরম সুকলৈ লৈতে। করিমত্তা থনবীরুগনু অঙাওবগী চোইরোলনি ।

কুমার—অতুবু অঙাওবগী মরাম্ন মতাশি ।

সরোজিনী—কোক শানবনি করিমত্তা তাবিরুগনু (সত্যবামদা) সত্যবান, নং চৎল্রো চৎলো ।

সত্যবান—ইমা, ঙসিদি নচাবু থাম্বা হাররোই। য়াম্না মুম্না থল্লবা

ফুংদা ঐগী চৌকম খোকপা ইথৌনি হায়দুনা লেপথ্রবা ঐগী লাইনিংনি—ঐনা পাবুংবু জেলদগী লোখোকনি।

সরোজিনী – সত্যবান !

সত্যবান – ইমা ! নংহুম মকম অসিদগী চৎথ্রো খোকলকদৌরিবা খৌদোক অসে নংনা য়েংবা ঙমলোই – চৎখ্রো ইমা।

(সরোজিনী সুংশাখিবনা হুমাংনা মশা পুমচোৎ চোৎলক্লে)

কুমার – সত্যবান, নংগী দাদা রূপবান ফাওবনা কনবা ঙমজবা নংগী পাবুংবু নংনা করম্না কনগদৌরিবনো হায়রু তাশি।

সত্যবান—মিহাৎপদো ঐনি হায়না ইশানা য়ারবদি

সরোজিনী—সত্যবান।

কুমার—হা…হা…হা… হা মহুবু য়ারবদি য়াম্না লাইথ্রেনা মহুদি অঙাওবগী য়ানি সত্যবান !

সরোজিনী—যানি, অঙাওবগী য়ানি।

সত্যবান—ঐনা বিখুবু হাৎপনি। থাজবিয়ু ঐ মীহাৎপনি। পাবুংগী মহুত্তা ঐবু ফাদুনা পুবিয়ু।

সরোজিনী – নত্তে নত্তে—থাজবিরুগনু। মহাক ঙাওরবনি ;

সত্যবান – ঐবু ঙাওরবা ! হা…হা…হা।

সরোজিনী – রাখাল চোইদনা ঙাওদনবু মী হাৎপনি হায়দুনা চোং-খোককম খোকপরা ? মহাকী পাবুংগীদমক্তা থনবদা রাবা অমদি সুংঙাইত্তবনা মহাক ঙাওরবদি মহাকী মন্না লৌবিরুগনু।

সত্যবান—হায়রিবা মহাক অসে মচা করনবা হোৎনবদা ঙাওরবীনি

মচাবু হুংশিবগী মৈনা মপুরোইবা কায়নবগী অরাবা পকত্রবীনি। ঐবু থাজবীয়ু ঐনা হাংপনি—(মথুং তিং-থোক্তুনা) ঐবু ফাহনা পুবীয়ু।

কুমার—করি মরমগীদমক্তা নংনা হাংজিবা ?

সত্যবান—মরম হায়ববু ঐনা শ্যামাবু।

(মতম অসিদা শ্যামা অমসুং আনন্দি চংলকপা)

ভু, শ্যামা লাক্লে। ঐনা বিধুবু হাংপনি হায়বগী সাক্ষিদি শ্যামানি। ঐনা হায়বা থাজবিরসু শ্যামাদ হংবিয়ু।

(আনন্দী, কুমার, রূপবান, কালা পুমঙক ওকপা) হংবিয়ু শ্যামাদা পুন্নমক ভাব তাবিগনি।

কুমার—শ্যামা, হায়রিবসি অচুম্বরা! (শ্যামা থুমদবা)

(সরোগা শ্যামাগা য়েংনবা)

থুম্মু ইপাদা; নংনা অথংবা অউবমথৈ ঐতোন্দা লোইনা হাইয়ু। (শ্যামা থুমদবা)

সত্যবান—থুম্মু শ্যামা করিগী চিংনরিবনো ?

কুমার—থুম্মুনে। থুমত্রবদি ইচাৰি হায়রনা করিমত্তা য়েংলোই নংবু হৌজিকমক থানাদা পুহনা চৎকনি।

আনন্দী—থুম্মুদনা ইবেম্মা নংনা থংবা পুন্নমক।

শ্যামা—অচুম্বনি, ইপু বিধুবু তামো সত্যবাননা হাংপনি ঐহাক ইন্নিংমক্তা উহোই।

কুমার—নমিংমক্তা উহোবা? উম্।

সত্যবান—অহুদি নং নহাননা করিগী হায়দে।

শ্যামা—মহু হায়দোকলুরগা ঐগী বদনাম অমা ওইগদবা নৈ।

কুমার—নংগী বদনাম্‌গীদমক অস্তুক চাওবা য়াকমবু লোৎতুনা থম্বা হোনবরা? হায়রু কারি বদনামনো?

শ্যামা—তামো সত্যবাননা ঐগী মুপী ওইবীগী ইজ্জৎ অমদি ইকাই-থুম্নবা মাংহনগে হায়রগনা ঐবু ফাহুনা য়ুম অহুদা পুশিল্লি অহুদগী ইপু বিধু লাকই—। (কুমারনা অইরিক ইবা) ইপুনা ঐবু কম্নবা হোৎনবদা থরাই মাংখিবনি। অহুদগী কাকা বসন্তগা ইস্লোলবেম্মা সরোগা লাকই মহু থংহুনা তামো সত্যবান চেনখি।

কুমার----অহুদগী — -- —.

শ্যামা—অহুদগী ইস্লোলবেম্ম সরোনা ঐবু রা হায়দোকহু হায়-দোক্লবদি নংগীসু বদনাম লৈগনি হায়,—ঐবু চৎলো হায়হুনা তানবদগী ঐসু অহুম লাক্লে—অহুদগীদি করি করম তৌহৌবা ঐ থংক্লে।

কুমার—(সরোদা) হায়রিবসিবু অচুম্বরা—? (সরো থুমদবা]

সত্যবান—অচুম্বা ত্তাক্তনি—ঐনা হাৎপনি; ঐবু ফাহনা পুবীয়ু—। পাবুংবু জেলদগী থাদোকপিয়ু।

কুমার—(কম্মম্বদগী হোগৎলগা) কালা—! (কুমারগী ইংগিতগী থোরি অমমা সত্যবানবু পুনবা; সরোজিনী মমায় থুমহুনা হিক্ল হিক্ল কপ্প) আইনগী মতুংইন্না ইচা মীচা য়োংনৈ যেনৈ নায়বা য় দে। সাক্ষীসু লৈরবাননা মশানসু হাংলে হায়না চোংথোরক্লবনিনা মহাকপু ফাহনা পুবা

তারে। কনানা চুম্বা কনা লানবা হায়বহুদি বিচারদী মতুংদা খংলপনি। রূপ, খুড়াবু রাগোগনু ; গবর্ণমেণ্ট সাভেণ্ট হায়বসি duty গী মথা পোনি।

সত্যবান—ইমা, পূন্নমক অসে নং এনা ভৌজব কর্ম্মগী ফল ফংবনি—। খোইদোক্পা নিংঙমদবা তৌরুগনু—; ঐ হৌজিক্তদা থঙলরে—মংদি পাবুংনা ঐবু পেক্লিদৈদা ওকসনু শিংসনু হায়না বারকপা মতমদা ইমানা নচা ঐবু সুংশিরিবনি হায়রুনা কনখং-খোকংতুনা নৌরাংহনবদগী ঙসি নংনা নচা কাইনবগী মৈচাক ফংলিবনি। ঙসি ঐগী পুক্নিগী য়ারী অসিনা মমা-মচা কয়াগী অনৌবা পাড়া অমদি ওইরগনি মত্তুদি মমানা মচাবু সুংশিগনি অদুগা সুংশিবহুনা মচাবু মাংহল্লোইদবনি।

সরোজিনী—[কপ্ন কপ্ন] সত্যবান — ।

সত্যবান—[রূপবানদা] দাদা, দাদানা পাবুং অমসুং ইমাবু য়েংবিয়ুকো লাইবক থিবা ননাওগী পুক্নিদি খংবা ঙমজ্রবনিদো—।

রূপবান—সত্যবান— ! [সত্যবানবু কোনবা] দাদা নৈরি নহাক ইন্দোমচা অমসুং কাকাগীদমক্তা থোইনা রারুগনু— । অদুগা নংগী পুক্নিবু ঐনা কমনবা হোংনগনি— ; মতম পুম্নমক ঈশ্বরবু কাওগনু।

সত্যবান—দাদা—। [কুমারদা] লেংঙসি—।

সরোজিনী – সত্যবান ! [কপ্পুনা হোংচিন্দুনা সত্যবানবু কোল্লগা]

সত্যবান !

লাইট

— ——

৫ শুবা উৎপা

সেসন কোর্ট

সেসন জজশী কমফমদা কমছুনা লৈ ; এজলাসকী মনাক্তা চেয়ার টেবিল থাত্থনা লৈরি ; পেস্কার, সরকারগী উকিল রূপবান, ইন্সপেক্টার কুমার চেয়ার অমমমদা কমছুনা লৈরি ; কোন্সটেবল অমসুং চপ্রাসী লেপতুনা লৈরি।

পেস্কার – [লেপথৎলগা] Your Honour, ঙসিগী বিচারদি সত্যবাননা বিধুবু হাৎপগী ভারত দণ্ডবিধি আইনগী ধারা ৩০২ দা ভোগদোবা বিচারনি।

জজ—আসামী কৌশিল্লকও— ।

[চপ্রাসী থোকখিবা, অতুদগী আসামী সত্যবানগী মতুংদা থানানা হাৎকরা পায়ত্থনা মতুং ইল্লরকই ; আসামী সত্যবানবু মাগী লেপফমদা লেপহল্লি] ।

সরকারগী উকিল—[লেপথৎলগা] Your Honour, ঙসিগী বিচার অসিদা অরোইবা সাক্ষী ওইনা শ্যামাগী জবান লৌবীবা তাই।

জজ—সাক্ষী পুশিল্লকউ।

(চপ্রাসীগী ইঙ্গিৎদগী সাক্ষী শ্যামা চংলকই; অমসুং সাক্ষীগী লেপকমদা শ্যামাবু লেপহল্লি)

পেস্কার—ইবেম্মা, য়াশকউ।

শ্রীমদভাগবৎনা সাক্ষী ওইগনি। ঙসি ঐনা হায়রিগদৌরিবা য়া পূম্নমক অচুম্বা ওাক্ত হায়রগনি।

শ্যামা—(ভাগবৎ শোক্লগা)

ঙসি ঐনা হায়রগদৌরিবা য়াশিং অসি অচুম্বা ওাক্তনি; মীনম্বা অমত্তা নত্তে।

সরকারগী উকিল—ইবেম্মা, সত্যবাননা বিধুবু হাৎপগী মরিদা নহাক্না উহৌবা অমসুং খংহৌবা পূম্নমক অহ্ন কোর্টকী মমাংদা হায়যু।

শ্যামা—শোক ১৯৬৫ ইং জানুয়ারী থাগী তাং ২০ গী নিংথৌকাবা নুমিৎকী ঞমিদাংয়াইদা সত্যবাননা ঐবু মী লৈনদবা মুম অমদা পুশিল্লী। ঐনা সাও খোংবদা বিধু চংলকই। বিধুনা ঐবু কমনবা হোৎনবদা সত্যবাননা ছুরিনা থিন্দুনা বিধুবু হাৎপনি।

সরকারগী উকিল—নহাকপু মকম অহুদা মত্তৌ করম্না অমসুং করি মরমদগী সত্যবাননা পুরকপনো?

শ্যামা—ঐহাক কোলেজ কুমলকপদা কম্বীদা খেংনহুন। সত্যবাননা মহাকী গাড়ীদা তোংহল্লগা ঐবু মকম অহুদা পুরক্লমী, অমসুং নত্তবা লমচৎ চৎকে হায়না থৌয়াংকম্মী।

রূপবান—(হোগৎলগা) Your Honour, সরকার উকিলগী য়াহং অসিদা ঐনা Objection তৌরি। য়াহং অসি সাক্ষী অসিদা হংবা য়ারোই।

সরকারগী উকিল – Yonr Honour, য়াহং অসি হংবদা করিদু কায়বা লৈতে। কেশকী অচুম্বা য়ারী থোরক্লবগীদমক্তা সর[illegible]উকিলনা সাক্ষীদা হংবদা [illegible]না করিদু থিংবা লৈতে।

রূপবান—Your Honour, Indian Evidence act কী মতুং ইন্না প্রোসিকিউশননা হায়বদি সরকারগী উকিলগী তরফদগী মশাগী ওইবা সরকারগী শা[illegible]দা লিদিং question হায়বদি পাওখুম য়াওবা য়াহং হংবা য়াদে। মসি আইননা শেংনা ত্তাকতুনা লৈরি। অদুনা ঐগী objection অসি লৌবীগদবনি।

জজ—আইনগী মতুংইন্না Prosicutionগী তরফদগী মশাগী সা[illegible] লিদিং question হংবা য়াদে। অদুনা আসামী উকিল রূপবানগী objection অসি ঐনা লৌরে।

(শ্যামাদা) ইবেম্মা, নহাক্না সরকার উকিলগী য়াহং অদু খুম্বগী দরকার লৈতে। কেশ অসিগী মরমদা নংনা অথংবা পুন্নমক হায়বা য়াগনি।

শ্যামা – দুমিং অসিদা সত্যবাননা ঐবু মুম অদুদা পুরগা নত্তর লমচৎ চৎকে হায়না থৌরাংবসি ভশেংবা য়ানি। মতু ঐনা ইশা কয়নবগীদমক্তা লাও থোংখি।

সরকারগী উকিল—নংনা লাও খোংবদা কনা কনা মফম অদুদা লাকখি ?

শ্যামা—হোই, ঐখোয়গী ইপু বিধু ঐগী খোনজেল তাবদা মফম অদুদা চেনশিল্লকখি।

সরকারগী উকিল—মহাক চেনশিল্লকপা করি করম তৌখি ?

শ্যামা—ইপু বিধুনা সত্যবানগী অকিবা শংজং ছুত্ত উবদা মহাকপু অখিল্লা য়াইগনা চৈবা হৌখি অমসুং মহাকী মখুত্তগী ঐবু মুন্ননবা হোংনখি।

সরকারগী উকিল—অদুদগী করম তৌরে ?

শ্যামা—ময়াইকাইনা লৈরবা সত্যবাননা ইপু বিধুবু চংজৎলু হাই—মতুদা বিধুনা য়াত্রবদা অমসুং নমহুনা মহাকী মখুত্তগী কন্ননবা হোংনবদা সত্যবাননা ছুরি অমা শংতোকুনা বিধুদা থিল্লি।

সরকারগী উকিল—ছুরিনা থিল্লবা মতুংদা সত্যবান করম তৌখ্রে ?

শ্যামা—বিধুনা শোকহুনা তুরবদা সত্যবান অদু কনাগুম্বগী খোনজেল তাহুনা অদুম চেনখ্রে।

সরকারগী উকিল—মফম অদুদা কনা কনা চংলকই ?

শ্যামা—সত্যবাননা চেনগ্রবা তুংদা মহাকী মমা-মপা বসন্ত অমসুং সরোজিনী চংলকই। মখোয়না চংজকলগা থৌদোক অদুগী মরমদা হংজি। ঐনা মখোয়দা বিধু অসি সত্যবাননা হাংপনি হায়না খুম্মী।

সরকারগী উকিল—নংগী য়া তাবদা মখোয়না করি করি হায় ?

শ্যামা—ঐগী না তাবদা মখোয়না য়াকম অসি কনাগুম্বা অমদা ফোংদোকন্নু ঐগী বদনাম শুইগনি হায়খি।

সরকারগী উকিল—অদুনা য়াকম অসি এসি ফাওবদা কনাগুম্বদা হ্যয়দোকতনা লৈরি হায়বসি চুম্বরা ?

শ্যামা—হোই চুম্মী। সত্যবানবু ফারবা মতমদা ঐনা য়াকম অসি হায়দোকপনি।

সরকারগী উকিল—(ছুরি পাইখৎলগা) মসি নত্রা সত্যবাননা বিধুবু খিনবা ছুরি অদো !

শ্যামা—মানি।

সরকারগী উকিল—Your Honour, একজিভিত No. 1 ছুরি অসিনি। ঐগী সাক্ষীগী জবান লৌবা লোইরে।

জজ—আসামী উকিল রূপবাননা সাক্ষীদা ক্রোস তৌবা য়াগনি।

রূপবান—ইবেম্মা শ্যামা, নহাক হাম্নদগী সত্যবান অসি খংনৈ হায়বা চুম্বরা ? অদুগা খংনবনা চহি কয়া শুরে ?

শ্যামা—চুম্মী; ঐগা মাগা খংনবসি চহি ১২/১৩ শুরে।

রূপবান—খৌদোক অসি খোকত্রিঙৈগী মমাংদগী নহাকা মাগা লুহোংনবগী য়াকমদা অহল-লমন মশেল য়ানতুনা লৈ হায়বসি চুম্বরা ?

শ্যামা—চুম্মী।

রূপবান—অহল-লমন মশেন ভাংনতুনা য়ানতুনা লৈবসি চহি ৫/৬ শুরে হায়বসি চুম্বরা ?

শ্যামা—হোই, চুম্মী।

রূপবান—অহল-লমননা হায়নবদা নংনা য়াহিংদবগী মোট ফিদে হায়বসি চুম্বরা ?

শ্যামা—অহল-লমন মশেল হায়নবগীদমক্তদি ঐনা য়েংলুবা ওমদে অদুবু · ।

রূপবান—(রা থংলগা) করে—অদুডনি ঐনা থংনিংবা। রা মথং ভাত্রবসু য়ারগনি।

সরকারগী উকিল—Your Honour, সাক্ষীনা খুম্বা রাদ অথিংবা লৈনবা খুমহনবীগদবনি। আসামীগী উকিলনা চিংবা য়ারোই।

রূপবান—Your Honour, সাক্ষীগী মথৌদি ঐনা হংবা রাহংগী মতুংদদা খুমগদবনি হেক্শোকপা য়ারোই।

সরকার উকিল—Your Honour, অচুম্বা পুরক্তবগীদমক্তা সাক্ষীনা মশানা চোংথোক্তুনা পীবা জবান থিংবা য়ারোই। অদুনা শ্যামানা মথা তাহনা মরি লৈনবা রাকমদা খুম্বদা থিংবা য়ারোই।

জজ—সরকার উকিলগী রাকম অসি ঐনা চুম্বী হায়না খল্লি। ইবেম্মা শ্যামানা হায়নিংবা রা হায়বা য়াগনি।

শ্যামা—ঐনা ওসাই হায়জখিবচুনি। অহল লমন হায়নবগীদমক্তদি ঐনা থিংবা ওমদে। অদুবু ইশানদি সত্যবান অসি থরায়না য়াদে।

জজ—মথা হংথবা য়ারগনি।

রূপবান—তুমিং অদৗা সত্যবান অসি যু ভাওত্নুনা লাক্লে মশানা

মশাবু কনট্রোল তৌবা ঙম্মমক্তে হায়বসি চুম্বরা ?

শ্যামা—চুম্মী—হুমিৎ অহুদা ঐগা থেংনবা মতম অহুদা সত্যবান অসি য়ু থকপদগী ঙাওহনা লাক্লে—মশাবু কনট্রোল তৌবা ঙম্মকতরে।

রূপবান—সত্যবাননা মাগী গাড়ীদা চৎথ্রশি হায়বদা নংনা য়েংতে হায়বসি চুম্বরা — ?

শ্যামা—চুম্মী—নোং-হুংশিং অকনবা লাকপদা থুদোং চাদহনা মাবু হান্না থংনবা মীশক অমা ওইবগা ইচম চম্না ঐনা মাগী মতুং ইল্লকঅম্মী।

রূপবান—মহাক্না হায়রিবা মফম অদু য়োৌরক্লবদা সত্যবাননা নংতবা লমচৎ চৎখিদে হায়বদি চুম্মীদনা-- ?

শ্যামা—থবকমক্তি মহাক্না পাংথোকপা ঙমখিদে—। অহুবু হোৎনবদি হোৎনখি।

রূপবান—সত্যবানবু বিধুনা ফুবদা সত্যবাননা মশা ঙাকথোক্লবগী হোৎনখি হায়বসি চুম্বরা— ?

শ্যামা—বিধুনা সত্যবানবু ফুবদি নত্তে। অহুবু সত্যবাননা ছুরি শংতোয়রকপদা মথোয় অনি ছুরি মুন্নখি।

রূপবান—ও! অহুদি সত্যবাননা বিধুবু ছুরিনা থিনবা নত্তে। ছুরি মুন্নবদা বিধুনা শোকখিবনি হায়বসি চুম্মীদনা— ?

শ্যামা—হোই—চুম্মী।

[জজ অমসুং সরকারগী উকিলনা শ্যামাদা য়েংবা]

রূপবান—নহাক নত্তনা থোদোক অহু উহৌবা মী অমত্তা লৈতে হায়বসি চুম্মীদনা— ?

শ্যামা—হোই থোদোক অসি উহৌবদি ইত্তোমত্তনি।

রূপবান—[জজদা] ঐগী ক্রোস লোইজরে।

জজ—সরকার উকিলনা মথা করি চথগদৌরি— ?

সরকারগী উকিল—Your Honour, ঐগী অরোইবা সাক্ষী পিজরে। ইন্সপেক্টার কুমার I. O. গী জবান লৌবী-গদবদা মঙাইরে—।

জজ—ইন্সপেক্টার কুমারগী জবান পিবা য়ারগনি—।

[শ্যামা মাগী হান্নগী মফমদা ফম্মী ; সাক্ষীগী লেপফমগুদা কুমারনা চংঙক্লুদা লেপ্পী]

পেস্কার—কুমারবাবু, শ্রীমদভাগবৎ অসি শোক্লগা অমুক্তা রাশক-পিয়ু।

কুমার—শ্রীমদভাগবৎ অসি পায়দুনা রাশকচরি---ঙসি ঐনা হায়জগদৌরিবা রাশিং অাস অচুম্বা ঙাক্কনি—মীনম্বা ওইদবা ওমত্তা য়াওদে—।

Your Honour, বিধু হাংপগী মরীদা হান্নমা বিচার তৌহুনা লোইখরে—। মহুগী নরিদা বসন্তনা চহি মঙাগী দণ্ডি কংহুনা জেলদা লৈরিঙৈগী মরক অসিদা অনৌবা প্রমাণ অমসুং সাক্ষীদগী বিধু হাংপা অসি বসন্ত নত্তে সত্যবাননি হায়বসি মতিক চাবা মরম লৈরহুনা ঐনা কেশ অসি থাংগৎচবনি—।

জজ—নহাক্কী সাক্ষী অমম্তুং অমস্তুং প্রমাণগী মরমদা হায়রু — ।

কুমার – Your Honour, অহানবমক্তদা অ সামী সত্যবাননা মশামক্না বিধুবু হাংপনি হায়বসি য়াখি। থোদোক অসি থোকখিবৈদা সত্যবাননা শ্যামাবু মী লৈনদবা য়ুমদা গাড়ীদা হাপতুনা পুব।—মহুদা লোইনবা সত্যবানগী মরূপ গুলাপ হায়বা অসিনা সত্যবানগী শ্যামাবু নংতবা চংচেং চংনবা য়ুম অহুদ পুশিনবা থংহোবা সাক্ষী অমনি। অতুগা খুাইগী মরু ওইবা বিধুবু সত্যবাননা হাংপা উহোবা শ্যামা অসি সাক্ষী অমনি। অরোইবদা সত্যবানগী মমা অমশুং মপানা বিধু শিহুনা লৈরম্বগী সাক্ষীনি। অহুনা I.P.C. 302 দা মহাকপু মতিকচাব দাগু পীবিনবগীদমক্তা ঐনা কেশ অসি থাংগৎচরি। অতুগা বসন্তদি মরাল ইরৈ লৈতনা মচা কল্লনবগীদমক্তা হায়জিন্দুনা মশানা দখি কৌজবনি মহাকপু থাদোকপিয়ু।

জজ – আসামী উকিলনা করি হংনিংবা লৈরি ?

রূপবান – ইন্সপেক্টার সাহেব, শ্যামা অসি নহাক্কী নচা নুপিনী। নহাক্না শাশিন্নবা সাক্ষীনি হায়বসি অচুম্বরা – ?

কুমার—মহু অরানবনি।

রূপবান—কেশ অসি মীনম্বনি – । মহাক্না সত্যবানবু নমাক ওইবা পান্নকতবগীদমক্তা শাশিন্নবা কেশনি হায়বসি চুম্বরা ?

কুমার—মচু অরানবনি।

রূপবান—Your Honour, ঐ থোইদোক্পা মথা হংজররোই।

জজ—সরকারগী উকিলনা করি মথা চথগদৌরি ?

সরকারগী উকিল—সাক্ষী পুম্নমক্কী জবান লোইরবনিনা আসামী সত্যবানগী জবান লৌথোবা য়ারগনি।

জজ—সত্যবান, নংনা শোক ১৯৬৫ ইং জানুয়ারী থাগী তাং ২০ নিংথৌকাবা মুমিৎকী লুমদাংরাইদা গাড়িদা নংগী মরূপ গুলাপক্কা লোয়ননা শ্যামাবু হাপচুনা অহাংবা মীশৈলনদবা য়ুম অমদা পুই হায়বসি চুম্বরা ?

সত্যবান—হোই অচুম্বনি।

জজ—নংনা মফম অচু য়োরবদা শ্যামাবু মশানা য়াদনা নংন্থবা লমচৎ চৎকে থোরাংখি হায়বাস চুম্বরা ?

সত্যবান—ঐহাক মুগী নেশানা ভাওরদুনা শ্যামাবু জার-ফানখি। অদুগা ঐনা জ্ঞান তানা থোরাংখিবদি নত্তে।

জজ—নহাক্না শ্যামাবু নত্তবা লমচৎ চৎকে থোরাংবদা শ্যামানা লাও খোংখি অমসুং বিধুনা শ্যামাবু কল্লনবা চেনাশিল্লকখি হায়বসি চুম্বরা ?

সত্যবান—হোই অচুম্বনি।

জজ—অদুদগী শ্যামাবু মুনখিদনবগীদমক্তা অমসুং নংগী অরানবা থবক পাংথোক্লবগীদমক্তা নংনা বিধুবু ছুরিনা থিন্দুনা হাৎলি হায়বসি অচুম্বরা ?

সত্যবান—বিধুনা ঐঙোন্দগী শ্যামাবু মুনখিদনবগী ইশাদা য়াওবা

ছুরি পুথোক্তুনা বিধুবু কিননবা থমক্তা তৌখি। অদুগা ঐমক্তা মহাকপু হাংলগে হায়দুনা অনিংবগা লোয়ননা ছুরিনা থিনখিবা নত্তে।

জজ—অদুদি বিধু করম্না শিখি?

সত্যবান—ঐহাক্তা থমক্তা হৌবা মতমদা বিধুনা ছুরি মুমন্বা হোৎনখি অমশুং ইবানি ছুরি মুমবদা মহাকপু ওৎনবা হোৎবদা ঐগী ছুরিনা মহাকী শোককম চাদবা মফমদা শোকখিদুনা মহাক শিখিবনি।

জজ—অদুদি নংনা বিধু শিবগী মরু অসি হোকহনবনি হায়বসি নশানা য়ারে অমশুং নংবু পোকপা বসন্তনা হাৎপা নত্তে হায়বসি নং নশানা য়ারেদনা?

সত্যবান—চুম্মী, ঐগী ইরাল ওক্তনি। ঐবু পোকপা ইপা বসন্তনা বিধুবু হাৎপা নত্তে।

জজ—নংগী নরালগীদমক্তা দণ্ডি ফংবদা নংগী য়েৎনিঙাই করিমত্তা লৈত্রেদনা?

সত্যবান—ঐগী ইরালগীদমক্তা দণ্ডি পীবিবা পূর্নমক ঐনা য়াজগনি। মরাল লৈতবা ইপাবু খাদোকপিয়ু।

জজ—হৌজিক আসামীগী জবান লৌবা লোইরে—সরকারগী উকিলগা আসামীগী উকিলগা অরোইবা য়েৎনবা য়ারগনি।

সরকারগী উকিল—Your Honour, কেশ অসিগী য়াক্তীদি সাক্ষীশিংনা মতিকচানা কোর্টতা হায়রে। ঐনা লৌহৌননা নিংশিংলবদা জানুয়ারী তাং ২০ নিংথৌকাবা নুমিৎকী

ঢুমিদাংব্রাই পুঃ ৪ তাবদা শ্যামানা কোলেন্দগী কুমলক-পদা সত্যবান অমসুং মাগী মরুপ শুলপনা কার অমদা শ্যামাগী মতুং ইল্লগা শ্যামাবু মাগী কারদা তোংদুনা চংগ্রশি হায়র্খি। মতম অদুদা অশাক অরাওগা লোয়-ননা নোং-সুংশিং তৌখি। শ্যামানা নোং-সুংশিংকী খুদোং চাদবদুদা সত্যবাননা হায়বা মতুংইন্না মহাক্কী গাড়িদা তোংখি। সত্যবাননা খুদোং চাবসি লৌদুনা মী লৈতবা অহাংবা য়ুম অমদা শ্যামাবু পুশিনখি। মশানা য়াদনা নত্তবা লমচৎ চৎদুনা সুপীগী সতিত্ব মাংহনগে হোৎনর্খি। শ্যামানা মশা কন্নবা লাও খোংবদা বিধুনা চেনশিন-লকখি অমসুং শ্যামাবু কন্নবা হোৎনর্খি। মতমদুদা হিংচা য়াইতম্বগী শাক্তং চৎলবা সত্যবাননা মহাক্কী অনিংবা শাগী লমচৎ পাংথোক্লবগীদমক্তা শ্যামাবু কনগে হোৎনরিবা বিধুবু ছুরিনা থিনখি। শাথিনা শোক্লবা বিধু লাইকন্নবা নংদনা মকমদুদা শিখি। অদুগা আসামী সত্যবাননা মরাল কুপ্পনবগীদমক্তা মকমদুদগী চেনখি—অমসুং মতম কুইনা, মরাল লৈত্রবা মপানা, বন্দি লৈরবা কাওবদা কোংদোকতনা থাংখি।

জজ—করে, কোর্টকী য়ারি থংলে। নংনা আইনগী মরিদা হায়-গদবা হায়বা য়াগনি।

সরকারগী উকিল—Your Honour, কেশ অমগী মচাকচি—সাক্ষীগী প্রমাণ অমদি খৌদোক্কী ফিভমগী প্রমাণ অনিনা

পুল্লগা ওইংনি—কেশ অসিগী মতাংদা করিগুম্বা প্রমাণ অমত্তা য়াৎপা লৈতে। মিৎনা উত্তোবা সাক্ষীগী মপুংদা শ্যামা লৈপ্রে। মহাক্কী জবান অসি করিগুম্বা অমত্তা অকাইবা লৈতে অমসুং খাজরোইদবগী মরম লৈতে। অনিশুবদা আসামী মশামক্কী মশানা হাংলে হায়না য়াজবা জবান; আইনদা মসিদগী হেন্না কনবা প্রমাণ লৈররোই ঘটনাগী মতাংদসু বিধু শিতুনা লৈরম্বা অমসুং মীনা মখোবা থাংগী থুংলাই অমনা হাৎলমলে হায়বসিসু চিংনমিঙাই লৈত্রে। সত্যবাননা বিধুবু হাৎপসি অক্কবা মরমগী নত্তে। সাক্ষীশিং অমসুং প্রমাণনা মত্তিকচানা উৎলি মতুদি সত্যবাননা মহাক্কী নত্তবা লমচৎ পাংথোক-নবগীদমক্তা অমসুং মতুদা অয়েৎপা মীপুম থুদিংদমক মানা হাৎকে হায়বগা লোয়ননা ৎবক অসি পাংথোকখি। ফত্তবা য়াখলগী মতুংইন্না চত্থরক্কবা খবক্কী মতুংইন্না মরাল লৈত্রবা বিধুনা মথল্লাই থাখি। শিরিবা মীশক অসি শ্যামাসু ওইবা য়ানা লৈরম্মী। করিগুম্বা বিধুনা শ্যামাবু কন্ননবা চংলক্রমত্রবদি মহাক্কী অনিংবা থুংহনত্রিবা শ্যামাবু মকমতুদা হাৎলম্বসু য়ান লৈরম্মী। সত্যবাননা মহাক্কী খবক্কীদমক্তা মকোক্তগী হৌনা শেম শায়কই হায়বসি মহাক্কী মরূপ গুলাপকী জবানদগী থংলে। মসিগী মতাংদা Your Honour না নিংশিংবীগদবনি মতুদি সত্যবাননা হায়দগী শেম শাতুনা শ্যামাবু লম্বীদগী থেম-

তুনা পুরকপা, অহাংবা মী শৈতবা য়ুমদা নত্তবা লমচৎ চৎননবগীদমক্তা পুশিনবা, অয়েৎপা মী পুম্নমক লোই-শিন্নবগীদমক্তা থৌরাং তৌতুনা ছুরি পুরকপা অমসুং মাগী থবক পাংথোক্লনবগীদমক্তা অনিংবা অমগা লোয়ননা বিধুবু হাৎপা, আইনদা মসিদগী হেন্না ফজবা অমসুং অকনবা প্রমাণ অমুক লৈররোই। মমাংহৈদা থোকখিবা মিহাৎ-পগী কেশতা অসিমুক য়েৌনা ফজবা প্রমাণ ফংবা কেশ থোকখিদ্রে। অদুনা 302 I· P· C. গী মচাক পুম্নমক মপুং ফারে, মহাক্কী দরকার ওইবা প্রমাণ লৈরে অমসুং অসিদসু নত্তনা তুপী ওইবীগী সভিথবুসু মশানা য়াদনা মাংহনগে থৌরাংবগী দণ্ডসু মতিকচানা পীবিবা য়াই। অদুনা সত্যবানবু ফাঁসিগী দণ্ড পীবা নত্তনা অতোপ্পা মতিকচাবা দণ্ড অমা লৈররোই। মহাকপু মতিকচানা দণ্ড পীবনা সমাজগী কান্নবা ওইগনি। অদুনা Your Honour, শাগী লমচৎ চৎলবা মুংশি হৈতবগা লোয়ননা মী হাৎপগীদমক্তা সত্যবানবু ভারত দণ্ডবিধি আইনগী মতুং ইন্না ফাঁসিগী দণ্ড পীবিয়ু।

জজ—সরকার উকিলগী মতিকচাবা আরগুমেণ্ট তারে। সত্য-বানবু ফাঁসিগী দণ্ড পীবসিদা আসামী উকিলনা হায়-নিংবা হায়বা য়াগনি।

(ময়াম পুম্নমক থানবা)

ব্রপবান—Your Honour না চানবীগনি—ওসিগী কেশ অসি

অতাবা মীনা অমসুং সমাজগী মিৎয়েংদা ভূৎচবা অমসুং অকিবা কেশনি। সরকারগী উকিলনা মতিক চানা চংয়ক্লে। অদুবু আইন থংলবা সরকারগী উকিল অমসুং ইকাইখুম্নবগী মশক ওইরবা জজ সাহেবনা মতিকচানা বাবহার তৌবা তারবদি ওসিগী কেশ অসিদা খ্বাইদগী মরাল লৈতবা নিপা অমা পুখোকপা তারবদি সত্যবান মতোমতনি।

(ময়াম মুরুম মুরুম শোম্নতুনা নিনবগী মখোল)

জজ—ওদর! ওদর! (ময়াম ভুম্মীম্না লৈবা)

রূপবান—Your Honour, কেশকী য়ারিদি সরকার উকিলনসু হায়খ্রে অং বু মহাক্কী য়ারী অদু অয়াম্বনা শাজিম্নবা য়ারিনি। আসামীগী ভরফতগী শমজপনা য়ারী থর হায়জগে।

জজ—আসামীগী উকিলদা খুদোংচাবা পুম্নমক পিরি।

রূপবান—জানুয়ারিগী তাং ২০ নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা সত্যবাননা মহাক্কী মরুপ গুলাপকা লোইননা লম্বীদা কার তোংতুনা চৎলকপা মতমদা মহাক্কী মতম কুইনদগী লুহোংগনি হায়তুনা হায়নতুনা লেপ্লবা শ্যামা আসি লম্বীদা চৎপা থেংনরম্মী। মতম অদুদা অখাক্ অয়াওগা লোইননা নোং নুংশিৎ তৌখি। লমজাওদা মতোমতা জাই-রবা শ্যামানা মতেং লৌননবগীদমক্তা কোয়েং য়েংতুনা লৈরম্মী। মহাকা নিপা ওইগদৌরিবা সত্যবাননা গাড়ী তোংতুনা লাকপা উবদা মহাক্কা থামথি অমসুং মহাকপু

ময়ুমদা থিনবীনবা হায়জরম্মী—মতম অদুদা সত্যবান অসি ইনথৎলকপা নহা অমা ওইনা মাগী মরুপ গুলাপকা লোইননা য়ু থর থক্লম্মী। শ্যামাবু মানা গাড়ীদা তোংহল্লগা ময়ুম তান্ন থিন্ননবগীদমক্তা গাড়ী খোরক্লম্মী। অদুবু থর চৎলবা তুংদা নোং-ঙুশিং অদু অকিবা ফংনা হেন্জিল্লক্লম্মী। ঙুংশিংকী শাফুনা কনমনবনা সত্যবানগী অপিকপা কার অদু খোবদা থুদোংথিবা নংগত্রা ঙুংশা-থিরম্মী। অদুনা লম্বী মনাক্তা লৈবা অহাংবা য়ুম অমদা ওহাক চংহুনা পনবা ভারম্মী। য়ুম অদু য়োরবদা সত্যবাননা মহাক্কী ওইগদবা শ্যামাদা রান্নী থর শারম্মী। অদুবু সত্যবান অসি য়ু থক্লক্লমাল্লে থন্দুনা ঙুংশাথিবা হেন-জিন্থিবনা সত্যবাননা ইচম্ চম্না রান্নী শাবা হোরকপদু শ্যামানা থিনা চৈবা হোবক্লম্মী। তানজা অসিদা বিধু অদুসু নোং-ঙুংশিং পনগে হায়দুনা মী মখোল তাব য়ুম অদদা চংলক্লম্মী। শ্যামানা সত্যবানবু চৈ-থাংবদুবু,সত্যবাননা শ্যামাদা নত্তবা লমচৎ চৎকদৌরিমাল্লে হায়না চিংনদুবা বিধুনা সত্যবানবু ফু-চৈবা তৌরম্মী। সত্যবাননা মশা কন্নবগীদমক্তা মনাক অদুদা লৈরম্বা খুৎলাই অমা পাইবা তারম্মী। বিধুনা খুৎলাই অদু মুনগে হোৎনবদা অমঙুং মাখোই অনি নম্নবদা শোইদুনা খুৎলাই অদুনা বিধুদা শোকখি। শোকক্ম চাদনা শোক-খিবনা বিধু লাইকন্নবা ন'দনা শিখি। অদুগা বিধু হাত্বা অসি সত্যবাননা মপাদগী হেননা লুন নিংলবা

মতম কুইনদগী লোইনরক্লবা ইমুং অমত্তদা লৈমীন্নরক্লবা মীশক অমনি। বিধুনা শিবা তারবদা খ্বাইদগী অৱাবা সুংঙাইতবা ফংগদবা মীশকতি সত্যবাননি।

জজ — আসামী উকিলগী ৱারী অসি সরকার উকিলগী ৱারীদগী য়াম্না খেন্নবা লৈবনা ঐঙোন্দা চিংনহনবা অমা পোকলি।

সরকারগী উকিল — আসামী উকিলগী ৱারী অসি শাশিন্নবা মীনম্বা ৱারীনি। কোর্টনা মসি লৌবীরোইদবনি।

রূপবান — সরকার উকিলনা মতাং অসিদা য়েংপগী অধিকার লৈতে। অমসুং সরকারগী উকিলগী ৱাহৈ অসি জজ সাহেবনা লৌবীরোইদবনি।

জজ — আসামীগী উকিলনা ৱারী শিরবনিনা আইন অমসুং প্রমানগী মরিদা হায়নিংবা হায়বা য়ারগনি।

রূপবান — Your honour, ঐগী ৱারী তাবিরী। ৱারী অসিমক্তনা সত্যবান অসি মরাল লৈতবা নিপা অমনি হায়বসি তশেংনা আইননা উৎলি। তশেংনা হায়রুনা লৈরি মতুদি প্রোসিকিউশননা আসামীগী মপুক্রিংদা শেন শাতুনা হাৎদগী ফত্তবা য়াথলপা লোইনন্না অইংবা ঈদা cold blooded nature দা মী হাৎপা, মী অতুগী প্রমাণ মতিক চানা লৈরবতদা আসামীবু মীহাৎপগী ৱক্তি শিবা য়াগনি। Your Honour, মহাক্কী সুপী ওইগদৌরিবা অহল-লমন মশেল য়ানদুনা লৈরিবা সুপী

অমবু খুদোংথিবা নোং-মুংশিতগী কনবীসগীদমক্তা ফাসিগী দণ্ডি ফংবা তারিবরা ?

(ময়াম নিন্‌বা)

জজ – ওর্দার ! ওর্দার !

রূপবান – খুদোং থিরবা নোং-মুংশিংতগী ঙাক পোত্থানবগীদমক্তা শং অমদ' থুপ্পগীদমক্তা মহাক্কী ওইগদৌরিবা মুপীদা য়ারী শাবগীদমক্তা দণ্ডি পিগদবনি হায়বসিদি আইনগী লাইরিক্কী চেনা অমদা ফাওবা থেংনত্রি – । সরকার উকিলনা মসিবু মরালনি, নত্তবা লমচৎ চৎপনি অমসুং দণ্ডি পিগদবনি হায়রবদি সমাজগী মী অমত্তনা মী ওইনা পানবা ঙম্লরোই । অত্তনা সরকার উকিলগী হেনজিনবা অশাবা য়াহৈ অসি অচুম্বা বিচার পুরক্লবগীদমক্তা নত্তে । কোর্ট অমসুং আইনদা ফাগী তৌবনি ।

সরকার উকিল – Your Honour, আসামী উকিলগী কোর্টকী এডিকেৎ করিমত্তা য়াওদবা য়াহৈ অসিবু ঐনা objection তৌরি ।

জজ—সরকার উকিল অমসুং আ'সামী উকিলগী কোর্ট'কী মত্তিক চাবা ব্যবহার থমগনি হায়বসি ঐনা থাজে ।

রূপবান – Your Honour, কোর্টকী ব্যবহার থমজবগা লোয়নননা ঐনা মরু ওইবা অহমশুবা Point অমগা হায়জরি. মতংদি সত্যবান অসি মুমিৎ অহুদা মুগী নেশানা ঙাওরবা মীশক অমনি হায়বসি সরকারগী উকিলনা য়াথ্রবা অমসুং

মরু ওইবা সাক্ষী শ্যামানা য়াপ্রবা বাকম অমনি। অঙাওবা, মশাবু কন্ট্রোল তৌরা ঙমত্রবা মীনা ঙাংবা য়াঙাং শাজংপু দণ্ডি পীবা তারবদি অঙাওবা অমতা ঙসি লমজাওদা চংপা ঙমলরোই, কাসিগী শগাইদা লোইনা কারম্নগনি। অহৃবু অঙাওবশিংদি ঙসি লমজাওদা নিংতম্না চংলি। সরক রগী উকিলনা ঙাওরবনি খল্লবা সত্যবানবু করিগী-দমক্ত. লমজাওদা নিংতম্না চংলহনদবগে? করিগীদমক্তা দণ্ডি পিননবা কাঞ্জিল্লিবনো? Your Honour, সরকারগী উকিলবু থাজবিরবদি অতৈ অঙাওবঙম্না সত্যবানবুসু নিংতম্না চংপা ঙমজনবা হুকুম পীবিয়ু।

(ময়াম নিনবা)

জজ—ওর্দার! ওর্দার!

রূপবান—পুম্নমক অসিগী মথক্তা শাক্ষীগী প্রমাণদা চাউনা লৈরে মতুদি সত্যবাননা বিধুবু হাংপা নত্তে—মবানি খুংলাই মুম্নবদগী বিধু শোকখিবনি অহৃনা মসি একসিডেন্টেল্লি শোইখিবনি। সত্যবাননা তৌগে হায়না তৌবা নত্তে, মতুগী প্রমাণসু লৈতে। অহৃনা ময়াইবক খিবা বিধুগী দমা অসি সত্যবানদসু তাবা য়ারম্মী। আইননা এক্সিডেন্টেল্লি শোকপা অমসুং থংনবা মুম্নবদগী শোইববু দণ্ডি পিদে। ভারতদণ্ডবিধি আইনগী মতুংইন্নসু একসিডেন্টেল্লি শোকপবু দণ্ডি পিগদবনি হায়রক্সি লৈতে। সরকার উকিলনসু পুথোকপিবা ঙমলোই। (ময়াম নিনবা) অহৃনা অরোইবদা Your Honour, ঐনা হায়জল্লি—

302 I.P.C. দা আসামীবু দণ্ডি পীনবগী করিগুম্বা মচাক অমত্তা লৈতে, অদুগা সত্যবান হায়বসি খুইদগী মরাল লৈতবা অমসুং মহাকী সুংশিরবা মপাগুম্বা খল্লবা বিধুনা শোইতুনা শিল্লবদা মদুগী অরাবদু পুনবগীদমক্তা হেনজিল্লা মরাল য়ারবা পুকচেল চাউরবা মী অমনি। Your Honour না মহাকপু মরাল লৈত্রবা মী অমনি খন্দুনা থাদোকপিয়ু অদুগা সরকারগী কেশ অসি শাশিল্লবা প্রমাণ লৈতবা কেশনি।

জজ – সরকার উকিল অমসুং আসামী উকিল অনিগী আরগুমেন্ট তারে। মহাকী মখুংদা হুকুম হায়দোক্লগনি।

(মরাম মীপাইনবা, হৈ ং লাংবা)

Order! Order! সাক্ষীগী প্রমাণ, কেশকী রারী, সরকার উকিল আসামী উকিল অনিগী আরগুমেন্ট কুপ্প নৈনরবা তুংদা ঐহাক অসুম্না লেপলে, মদুদি আসামী সত্যবানবু 302 I.P.C. গী মতুংইল্লা ফাঁসিগী দণ্ডি পীবা য়াবা, করুবা রাখলগা লোয়ননা অতোন্না বিধুবু হাৎপগী প্রমাণ মক্তিকচানা কংদে। অমসুং মতাং অসিদা ঐনা আসামী উকিলগী মোট অসি চুম্মী হায়না লৌরে।

(লাংব; হরাওবা ; সুংঙাইনবা)

Order! Order! অদুবু অরাবদি সত্যবাননা চুরিগী মতেং লৌদুনা অহল ওইরবা বিধুগা মশা কনখোল্লবনি হায়দুনা নম্বা অসি মহাকী হেনজিনবা থবক অমনি।

মপাঙ্গল ফবা নহা মহাক্না ছুরি পাইহুনা অহল ওইরবা মীওই অমবু থেংনগনি হায়রবসি সাধারণগী রাথলদা ছুরি অসিনা ক'রিগুম্ব শোক্লবদি বিধু অসি শিবা য়াই হায়রবসি মশানা তাবনি। অতুগা মহাক্না মতম কুইনদগী লোইন-রক্লবা সুংশিরবা অহল অদু রাহৈতনা ঙাকথোক্লম্মু য়ারম্মী অদুনা মাঙোন্দা ঙাকপা য়াত্রবা মরাল থরা মতুগী দশানা বিধুনা মথল্লাই থাবা অসিগীদমক্তা সত্যবান অসি অনিংবা ফংতবা রাথলদি য়াওদনা ফিভম তাক্সানা য়াদনা মীহাৎপগীদমক্তা ভারতদণ্ড বিধি আইন ধারা ৩০৪ গী মতুংইন্না চহি ৫ থবক শুবা অকনবা কাদোক ওইনা লৈননবগীদমক্তা দণ্ড পীরি। অদুগা নসল্তী মরাল লৈত্রে হায়না মাবু থাদোক্লবনি।

(I. P. কুমারদা) আসামী সত্যবানবু জেলদা — ।

(জজ এজলাসতগী হৌগৎতুনা চৎখি। মরাম পুম্নমকসু থোক্লখি; কুমার I. P. অমসুং Con না সত্যবানবু ঙাকশেন্দুনা পুথোরকই)।

সত্যবান—(রূপবানদা) দাদা— !

রূপবান—সত্যবান !

(মনাও নিপা সত্যবানবু রূপবাননা চেৎনা কোক্সৈ)।

লাইট

— ——

৬ শুবা উৎপা

লমী

(মিঠাই য়োনবা অহল ওইরবা নিপা অমু মিঠাই উপু অগা পাইরগনা লাকই ; চপ লেপলগা মকম অমু য়েংহনা। হৌএবা মতম নিংশিংলকই)

মিঠাই য়োনবা—মকম অসিদাইমক্তদনি—। মতম অমদা ঐগী মুংশিরবা অঙাংশিংনা ঙাইহনা লৈরম্বদো—! ঙসি মথোইশিং অমু কদাইদা চংখরে! মথোইশিং অমু চংগ্রবস্যু ঙসি ঐগী মিঠাংগী মরূপতি য়াৎপা লৈরোই—। ঐগী খেংগ্রেল তাবদা লাকনি----ঐগী মুংশিরবা অঙাং কয়া—!

ঈশৈ

ও!— হা—! —চা—!

হো— লাকও— লাকও—

নিঙাই চাউবা লাকও

কপলগস্যু, মিঠাই য়োনবা

নংগী খুড়া লাক্লে—।

(মতম অসিদা S. I. অমগা Cons. খরগনা গার্ড তৌহনা সত্যবান হেন্দকপ চন্দুনা লাকই— কুমার I. P. গা রূপবানগস্যু ইমরকই ; মিঠাই য়োনবহুবু উবদা সত্যবান—রূপবান য়েংনৈ)

সত্যবান – ইন্সপেক্টার বাবু মিংকুপমুক্ত— —।

কুমার—(রাখল তৌরগা) করিগদো ?

সত্যবান—মিঠাই য়োনবা অহল অসিগী ঈশৈ অসি–

কুমার—ও ! য়ানি – ।

ঈশৈ –(মিঠাই য়োনবগী)

নোংফুং ওানবদগী হুমিং তাবা কাওবা,
লৈরক থুলক্তা কোইনা কোইনা চৎপা,
নংগী থুড়া লাক্লে – ।

হো— লাকও— লাকও— —

(লৈথোরকপদা সত্যবান রূপবানবু উবা)

মিঠাই য়োনবা—নখোয় নত্রা— ? নখোয় অনি নৎত্রা ? চহি ২০ মুক্তী মথাংদা ঐনা মকম অসিদা মিঠাই য়োনবা লাকপা মতমদা –(সত্যবানদা) নংনা হায়খিবদো—বাবা, লৈপা অপাকপা অসিগী মিঠাই, য়ামা পীয়ু, হায়খিবা— ! ওসিদি চায়রোইদরা, — ঐগী মিঠাইগী মহাও কাউরবরা ? হাইয়ু – চায়রোইদরা— ? ঐনা অমুক থাপ্না লাক্লিবসি নখোয় লৈরমগনি হায়বগী আশাদা লাক্লিবনি।
(সত্যবাননা রূপবানদা য়েংওকপা ; রূপবাননা চুরিংখাওদগী লুপা অমা লৌথোক্লগা)

রূপবান – শে—বাবা, মসিগী মিঠাই থরা পীয়ু— ।
(মিঠাইয়োনবদা শেল পিবা—মিঠাই য়োনবনা মিঠাই থরা লৌথোক্লগা পিবা)।

(কুমারদা) খুড়াইবুংঙো, মিঠাই অসি সত্যবানদা···

কুমার—রানি (রূপবাননা সত্যবানদা মিঠাই ময়াদা ইনবিবা)

মিঠাই য়োনবা—মতম অমদা নংনা লৈরগা মানা চারম্মী, ওসিনা

মানা লৈরগা নংনা চাবা অহুবু ঐঙোন্দদি চপ মাম্নে।

ঈশৈ

ঙুঙাই য়াইকবগী মচা কয়া ওইশনু

লাইরবগী মচা কয়া ওইসনু।

মখোয় মখোয়গী মচিন্দদি

ঐগী মিঠাইগী মহাওদি চপ মাম্নে।

হো লাকও লাকও

নিঙাই চাউবা লাকও।

কপ্পগন্নু, মিঠাই য়োনবা

নংগী খুড়া লাক্লে।

নোং-কুং ঙানবদগী

কুমিং তাব কাওবা

লৈরক-খুন্নকতা

কোইনা কোইনা চংপা

নংগী খুড়া লাক্লে।

কলিকাতদগী এরোপ্লেননা পুরকপা

মঙোমগী মিঠাই চিনিগী মিঠাই

চেনা য়োম্বা মিঠাই

হাওর হাওরবা খুর-খুরবা

মিঠাই নখোয়গী য়াওরি।
হো লাকও, লাকও, নিঙাই চাউবা
লাকও।

(ইশৈ শক্ত শক্ত থোকখিবা ; রূপবান সত্যবান মমিক্তা পীগী ইরা চেন্দুনা য়েংচনা লৈহোই)

লাইট

———

৭ শুবা উৎপা

বসন্তগী খুম

(মী পোং লাক্লগা কয়নবা কা অছনি ; বসন্ত মকোই ময়াং থর থর চোয়রুনা মথরাই খুংঙাতনা রাখল ভোইনা লৈরম্মী, আনন্দী কা অমরোমদগী চংলকই)

আনন্দী—ইতৈবুঙো, (চেয়ার অমদা কন্মী) ইচেবেম্মাদি অচুক য়াম্না কম্না ওমদবা নত্তেদনা।

বসন্ত—চুম্মী ইবেম্মা; মথরায় খুঙাইতহনা রাখলদা মখা অসি ইহৈ হৈনিংদবনি।

আনন্দী—কদাইদগীদি খুঙাইকম থে.ক্লগদগেদো। ইচানিপা সত্য-বানমা ইতৈবুঙোগী মহুত্তা ফেলদা চৎখ্রেদো।

বসন্ত—অসিগুম্বা মওং মতৌ অসি য়েংনিংদহুনা ঐনা সত্যবানগী মহুৎশিন্দুনা ঐনা বিধুবু হাৎপনি হায়না চোংথোকখুবনি।

অহুবু মতিকচাবা প্রমাণগা লোয়ননা সভ্যবাননা অমুক মান। হাংপনি হায়না চোংথোরক্লে। করিনো ঐনা তৌগদবা! হৌজিক বিচারদা করি থোক্লগবা থংবা ওম-ত্রিদো। মচা ওকুবা পোকপগী অরাবসে মচা অকবা পোকপা মমা মপাদি থংভিরে'ইদকো।

আনন্দী—সভ্যবানগী বিচারবু কৈদোউঙ তারিবগে ?

বসন্ত—ওসি হাপতা অমা রাংলি। করি থোক্লগদগে থনবদা ঐ মমলে। চিনবান থক-খা কংলে; রাথলনা চাক ঈশিং অমত্তা চাবা য়াথিল্লে।

আনন্দী—ইতৈবুঙো, থোইদোক্লা রাবিরুগম্ব। হৌজিক্তি লৈলগী সংসারনি লৈলনা ওমদবা লৈত্রবনি, ইতৈবুঙোম্ভ ইচে-বেম্মম্ভ অহুম্না চাগনি থকনি থংদনা চিন্তা তৌহনা লৈরবদি থবক অমত্তা পাংথোকপা ওয়রোই। অহুগী শরূকপুদি কেশ অসি করম তৌরগা কগদগে হায়বদো ওরাথোক্লা তানহৌবনা কৈ।

বসন্ত—মহুবুদি মশানা তারবনি, কেশকীদি ময়াম্বা রূপম্ভ লৈ, ময়াম্বনা অমা মরাইনা তানজগনি।

আনন্দী—রূপবু কদায়দা চংত্রবগে উদববু ?

বসন্ত—ইতৈমা কৌক্লচো হায়হনা ওসাই অমুক ওত্তা থাম্বিবনি, ক্লৌবু ক্লৌরক্লগনি। ঐদি রূপনা B.L. পাশ তৌরক্লি-বসি ওথোক্লা ওক্লা থোকব্রে।

আনন্দী—মরম ওকপা মচা হায়বসিদি উপাই য়াত্তবনিনে। এ, শ্যামাখোংগী পাবুংসু লাকলে।

বসন্ত—কুমারবাবু ?

আনন্দী—হোই, ইমুং অসি য়াম্নদি লাংঙি হায়ববু য়া অমত্তং তানদবা য়াত্রহনা শ্যামাখোয়গী পাবুংসু লাকলিবনি।

বসন্ত—করি য়ানো ইবেম্মা ? (কুমার চংলকপা) লেংশিনবীয়ু। (কুমার চেয়ারদা ফম্বা) করি থবকী ? ইবেম্মানা হায়বদি য়া অমা…।

কুমার—হোই; অয়ম ভোবনি—

বসন্ত—হায়বিয়ু।

কুমার—য়াফম অসি হৌদোকপদা মতাংদি চাত্রে অহৌবু হায়দবসি য়াত্রে। সত্যবানগা শ্যামাগা লুহোংসি হায়হনা লৈরনিদো অহৌবু হৌজিক্তি অকাইবা লাক্লবনিনা লুহোংবসে ওইগনি হায়বা থাজত্রে।

বসন্ত—খংজরে, অহৌ হৌজিক পাম্বীরিববু করিনো ?

আনন্দী—অসিনি ইতৈবুঙো, নুপী হায়বসিদি কুইনা ময়ুম পান্দহনা লৈরবসু মীগী মীনোক চংওকইদো অহৌগীসু মথক্তা ইচা নিঙোল হায়বসিদি য়াইরি কোন্দুনা থম্বগুম লীহনা থম্বম য়াদেদো অহনা…।

বসন্ত—অকবা অমা য়েংলগা শ্যামাবু থাজ-য়োনজনবা তৌরগে অবি নত্রা ?

কুমার—হোই, বসন্তবাবুগী ইচাদা ইচাবু থাজহনা বসন্তবাবু-

খোয়গা ঙাইশেল ওইজনিংবদি করি হায়গনি, অদুবু লাই-বক্লদি তম্মমক্রেদো।

বসন্ত—লাইবক্লা করিগী তমদনি। ঐগী ইচাদি সত্যবানদ' নত্তে মাঙোল্দগী হেন্না মতিকচাবা ঐগী ইচানিপা অমা লৈরি। মঙোল্দা শ্যামা পীবিদুনা ঙায়শেন ওইনবগী আশা অদু কায়দনবা শীনবীয়ু।

কুমার—বসন্তবাবুগী করম্বা ইচা?

বসন্ত—অতৈ নত্তে রূপবাননি। রূপবানদা নচা ইবেম্মা পীবিবদা মতিক চাদে লায়না লৌবীগনা?

কুমার—(হন্নাওনা) মদুদি মতিক চাবদগী হেন্দোকপ্রবনি; (হোগৎ-তুনা) অমুক্তা কোম্নশিবা।

বসন্ত—(হোগৎতুনা) ঙাইশেলগী রানিনে?

কুমার—মানি। (হন্নাওনা মখোয় অনি কোন্নবা) সত্যবানগী কেশ অসি লোয়রগা।

বসন্ত—কনি, বাক্যদান হায়বদু ঙসিগীসিদা ওইরবনিকো?

আনন্দী—বাক্যদানবু অনিরক শুনদবনি ইতৈবুঙো। (মতম অসিদা রূপবাননা মাং থাদুনা রজনিগা চংলকই)

বসন্ত—ইতৈমা।

রজনি—ইবুঙো।

আনন্দী—ইচেবেম্মা।

রজনি—ইবেম্মা। (কুমারদা) ইবুঙো কুমার।

কুমার—ইতৈবেম্মা।

—ইত্তৈমা, ঐনা নংগী নরা তাদনা নমৌ খিবীরবনি।

নী—হায়রিবসিবু রূপশীরা ?

ন্ত—মানি, (রূপবান ইকাইবা)

নী—কনানো মীশকতি ?

ন্ত—কুমারবাবুগী মচাইবেম্মা শ্যামানি। (রূপবান হরাওবা)

জনী—ও! অহ্ নহাক্না ঐগী ইমৌ হায়রিবদি করিগীনো. নং; গীদি নমৌ নত্রা ? নংগী নমৌ খিবদবু ঐগী রা তাত্রবশু করি অকায়বা লৈবগে ? মশে, রূপবান ননেদি ?

রূপবান—আই, কদায়দা লৈহৌরে ? (চৎখিবা)

বসন্ত—ননে! কনাগী ননেনো ইত্তৈমা ?

রজনী—চংওরূপা খংগনি।

কুমার—(ওক্ল) কনাগী ননেনোনে ?

(ময়াম পুম্নমক থৌরাংনা ওাইনবা, রূপবাননা মাং খাহ্না মোহিনী চংলকই)

বসন্ত—কনা। (ওক্লা য়েংহ্না লৈবা)

রূপবান—কাকা, নচল মোহিনী।

ময়াম—(শোনবা) মোহিনী।

রজনী—মানি, ইবুংঙো নচল মোহিনীনি।

বসন্ত—(মখুৎ অনি ভিংথোক্লুনা) মোহি।

মোহিনী—তামোচা [চংশিন্দুনা বসন্তগী মথোং পায়হ্নুনা খুৎলা]

বসন্ত—মোহি, ইবুংগী ইবেম্মা, মংলা ভাইবংঅা ভৌরিবসিবু ?

রজনী—বসন্ত মং নত্তে ভাইবংনি।

কুমার—মোহিনী।

মোহিনী—ভাবো।

কুমার—নংবুদি ঐখোয়না শিগ্রে হায়না—।

মোহিনী—মদো অয়ানবনি।

কুমার—মতম অহৈদা নংগী অশিবা নশানি হায়না ভুরেন্দগী।

রূপবান—মহ কনাগুম্বী অমগী মশা খেংনরুবদা মপা চানরুব হায়বন্থনি।

কুমার—অঙকপনি, অঙকপনি…।

বসন্ত—অশুক কুইবা চহি অসিদি নংদি….।

রজনী—মহাক্তি ইবুঙোখোয়গী লো উরম্বা মোইরাংগী চন্দ্রহাস-খোয়দা লৈরমলে। চহি ২০ মুকসি মহাক্তি লমতুগী স্কুল অমগী ওঝা ওইতুনা শেল য়াম্না তাম্লম্লে। ঙসি নচা রূপম লো পাশ তৌরিবসি মহাক্কী মপালদগীনি।

বসন্ত—অসিরা সংসার! কনানা খংবা ঙমগনি মীওবগী খোংচৎ! কুমারবাবু, অঙকপা নত্রা? য়ুম অসিদগী তোপ্না লৈগ্রবা ইতৈমা অমম্বং রূপবানবু মোহিনীনা মাগী মনাক্তা থমতুনা রূপবানবু লো পাশ তৌহন্দুনা উকিল ওইহল্লগা য়ুম অসিগী কানবা মচাক অমা ওইহল্লরে লৈপাক্লা হায়নরি, নিঙোল য়ুম কাইহনবী হায়না অহবু নত্তে নিঙোল য়ুম তাইশিনবীনি। মতং মতং ভত্তুনা চোইনা কেল্লবা ঐগী ইমুং অসিবু ঐগী ইচল নিঙোল মোহিনীনা অকনবা লংলা ওইতুনা হায়গী মতৌওম নিংথিজনা পরেং ওইহনবীরয়ে।

(প্রয়াম পূর্ণনক হরাওবা)

যবনিকা তপ্না তপ্না হাইত্তিল্লকই।

লোইরবা